ভারত সরকারনা অসুম কৈ হায়রবা মতংদা কাউন্সিলনা তেংবাং পীবা য়াই। অদুবু তেংবাং অসি ভারত সরকারগী শেম্বা অথিংবশিং [কবিশুবা দৈবা থোক্লবদি] অহনা কোনশিনবা ফিবমশিং অদুগী অদুক্তা ওইগনি।

কাউন্সিল অমিনা-মশাগী বক্তেতপা য়ারোনশিং অদু ভারত সরকার য়োইনখিনবা মনিপুরগী এডমিনিষ্ট্রেটরদা পিথংকনি; হায়রিবা [illegible] [illegible]; [illegible] শেমদুনা নৈরবা চংনখ্রবা লৈবা [illegible] কাউন্সিল অসিনা কুপ্সিনরকপা অমুসুং চাদিং থৌখিবা [illegible] [illegible] মরোল অইবা ওইনা থমগনি। হায়রিবা [illegible] [illegible] ভারত সরকারনা [illegible] মতুংইনবা [illegible] অদুই [illegible]।

কাউন্সিলনা তংশংবা পায়রিবা নত্রগা থমদং পায়রিবা [illegible] এডমিনিষ্ট্রেটরনা [illegible] হায়রবা মতংদা [illegible] শিনাইগনি। [illegible] [illegible] পাইখ্রিক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ফিবমশিংদুনি। [illegible] এডমিনিষ্ট্রেটরনা [illegible] কাউন্সিলগী [illegible] [illegible] [illegible] কাউন্সিলনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মীয়ামগী [illegible] [illegible] [illegible] হায়রবা [illegible] কাউন্সিলগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] এডমিনিষ্ট্রেটরগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] য়াই। [illegible] এডমিনিষ্ট্রেটরনা

কাউন্সিলগী মীতিন্দা য়াওবা য়াই অমসুং মহাককী পাঙ্গল শিজিন্নবা য়াই।

কাউন্সিলনা তৌকম থোক্কবা থবক তৌরে নত্রগা মথৌ তৌবদা পুংথরে নত্রগা মপাঙ্গল শেরায়রন। শিজিন্নরে হায়না লৌরবাদি কাউন্সিলবু নমহন্তুনা ভারত সরকারনা থবক চংথবা ঙমই।

এডমিনিষ্ট্রেটরনা কাউন্সিলগী চিফ ইকজিকুটিভ ওফিসার হাপই। ইঞ্জিনিয়ারিং, হকশেলগী অমদি মহৈ মশীংগী হিরমশিংদা প্রিন্সিপাল ওফিসার অমমম হাপই। হায়রিবা ফমশিং অসি কাউন্সিলগী এডমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসারগী অয়াঙ্বা লৌরবা মতুংদা হাপই। থাদা লুপা ৩০০ ফংবা ফমগীদমক্তি ইউনিয়ন পাব্লিক সরভিস কমিসনগা ভানরগা হাপই

টেরিটরিয়েল কাউনসিল অসি মনিপুর মীয়ামবু য়াম্লেন পৌদাদা শরুক য়াহনবগী শকওং নত্তে। ষ্টেটশিংগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লী অমসুং মন্ত্রি মণ্ডলগুম মপাঙ্গল লৈবা কাংলুপ অমা নত্তে. থবক থরদং পাংথোকপা ওঙবা কাউন্সিলনি। কাউন্সিলনা পায়রিবা থবকশিং অসি পাকচাওনা উৎবগী মক্তইবা হিরমশিং দি থাকলনা থমহৌরি। লৈবাক মপুং ইংনা পান্নবা ঙাকশেনবা য়ারেনশংগী য়ারেন থৌদা, পুলিস, আইন শেম্বা, য়ারেন থৌদা অমসুং লমগী থাজনা থোমজিনবা অমদি উৎংগী হিরম ভারত সরকারগী খুত্তা থমই। কাউন্সিলদা পীরিবা হিরম থরদং অসিগী মতাংদসু ভারত সরকারনা ফিবম কয়ামুক মনশিনকপা

ওমই, হিরম থরা লৌথোকখিবসু ওমই। কাউন্সিল অসিগী মথৌ মওম অমসুং পাঙল য়েংলগা ম্যুনিসিপালিটি অমদি টাউন কমিতিগা। করিগুম্বা খেননবা লৈতে মরম অসিনা টেরি-টরিয়েল কাউন্সিল অসি মনিপুরগী তশেংবা লোকেল বোর্ড অমনি।

কাউন্সিলগী মীথল:—

১৯৫৭ তা টেরিটরিয়েল কাউন্সিলগী মীথল পাংথোকই। মীথল অসিগীদমক থায়লোকপা পানা ৩০ দগী মীয়ামগী মীহুৎ ৩০ খল্লি। মীথল অসিদা থেংনখিবা লৈতাক খুৎপুশিংদি কংগ্রেস, প্রজা সোসিয়েলিষ্ট, সোসিয়েলিষ্ট অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টিশিনি। লল্লাই মীওইশিংসু মীথল অসিদা মীয়েপ ওই। মীথলদা ভোট পীগদবা মীশিংগী মিং পরেং শেম্নগী মওংদি পার্লিয়ামেন্টগী মীথলগীদমক শেম্লিবা মওং অদুগা চপ মাননৈ। লৈতাক খুৎপুশিংবা মীথল অসিদা কায়কপগা চাংদি কংগ্রেস ১৩ সোসিয়েলিষ্ট ৭ কম্যুনিষ্ট পার্টি ৪নি। প্রজা সোসিয়েলিষ্টকী মীয়েপ অমতা য়াদে। ললনাই মীয়েপ ৬ কায়কই। ভারত সরকারনা হাপ্লকপা মপী অনি থায়রগা পুননা মীকোক ৩২ লৈবা কাউন্সিল অসি ১৯৫৭ কী আগষ্ট ১৬ তা হোদোকই।

কাউন্সিলগী মীথলগা পুননা পাংথোকখিনববা লোক সভাগী মীথলদা অদুগীবা সোসিয়েলিষ্টকী মীয়েপ কাই অদুগী চৌংগীনা কংগ্রেসকী মীয়েপনা কাই। মীথল অসি থেংনখিবা লৈতাক খুৎপুশিংদি কংগ্রেস, সোসিয়েলিষ্ট কম্যুনিষ্ট অমসুং প্রজা সোসিয়েলিষ্ট পার্টিনি।

টেরিটরিয়েল কাউন্সিল লিংবগা লোয়নন্না থিংলমনি শম্মবু কাউন্সিলগী চিয়ারমেন থক্লি। ড. মীকোক মরি য়ুরি লৈবা ষ্টেণ্ডিং কমিতি অহুম শেমই। কমিতিশিং অসি ইডুকেসন, হেল্থ অমসুং ইনজিনিয়ারিংগা মরী লৈনবা থবক্তা দনক হাপ্পনি। চিয়ারমেন থিজনবি শম্মগী মথক্তা থাজদবগী [illegible] লোয়নন্না ২৭ সেপ্তেম্বর, ১৯৫৮ দা [illegible] চিয়ারমেন [illegible] ফমদগী লৌথোকখি। ওক্টোবর ১৮, ১৯৫৮ দা [illegible] চিয়ারমেন থক্লি।

মনিপুর (ভিলেজ অথোরিতিজ ইন হিল এরিয়াজ) এক্ট, ১৯৫৬—

এক্ত অসি হুননা চৎনরিবা মনিপুর ষ্টেট [illegible] রেগুলেসন, ১৯৪৭ কী মহুত্তা [illegible] লৈ। এক্ত অসিগী মথাদা থাজনা [illegible] কুলগী হেনবা লৈবা খুলশিংদা ভিলেজ অথোরিতি [illegible] লৈ। খুল অমদা লৈরিবা য়ুমগী মশীং মতুং ইন্না [illegible]। য়ুম লুমফুগী মথাদা লৈবা খুলগী হেনবা [illegible] লৈ। লুমফুদগী হেনবা অমগা চাম শুদবা [illegible] মেম্বর তরেং লৈ। চামদগী হেনবা [illegible] ভিলেজ অথোরিতি গী মেম্বর মশীং তরা [illegible]। মেম্বর তরা নিথোই [illegible] অথোরিতি [illegible] মেম্বর মশীং অসি [illegible] লৈ। মেম্বরশিং অসি চহি অহুম থবক [illegible]

খুল অতুদা লৈরিবা মীশিংস পামশনদি ভিলেজ ওথোরিতিগী মেম্বরশিং অসি মীথলদা থনবা য়াই। অচম্বা মওংদদি চিফ কমিসনারনা য়াগই। লুচিংবা [চিফ] নত্রগা খুল্লাকপনা মহাক লৈরিবা খুল অদুগী ভিলেজ ওথোরিতিগী এক্স ওফিসিও চিয়ারমেন ওই। লুচিংবা নত্রগা খুল্লাকপা লৈতবা খুলদা মেম্বরশিংনা মখোয় মশেলগী মরক্তগী চিয়ারমেন খল্লি।

ভিলেজ ওথোরিতিদা হুরানচিন্থি অমসুং মীহাৎ মীপুন গী থবক য়েংশিন্নবা অকন্নবা পাঙ্গল পী। মীহাৎ মীপুনগী মতাংদা ওথোরিতি অসিদগী সব ডিভিজনেল ওফিসারদা অতুগা হুরাদচিন্থিগী মতাংদা ডিষ্ট্রিক জজদা য়াকৎলি। ওথোরিতি অসিনা লুপা ২০০ দগী হেল্লা য়াকোংহনবা নত্রগা থা অমদগী হেল্লা ফাদোক পীবা ঙমদে। শেমদোক্লবা 'সিভিল প্রোসিদিওর কোদ, ক্রিমিনেল প্রোসিদিওর কোদ অমসুং অতৈ কোদশিংগী মথাদা ভিলেজ ওথোরিতিগী থবক চৎথে। ॥

এক্ত অসিনা অচুম্বা য়ায়েন ফংহন্নবগী হিরমদদা ভিলেজ ওথোরিতিদা পাঙ্গল পী! খুদংগী অতৈ হিরমশিং হায়বদি য়ায়েন থোপ্পা অমদি অশিন-অরাংগী থবক্তা পাঙ্গল পীদে

আরম কোসেস (অসাম এণ্ড মনিপুর) স্পেসিয়েল পরার

এক্ত, ১৯৫৮:—

এক্ত অসি ১৯৫৮ গী সেপ্তেম্বর ১৯ দা পাস তৌই। এক্ত অসিগী মথাদা মনিপুরগী করিগুম্বা মফম অমা ইরাং

হৌবা লমি হায়না লাউথোকপা ওমই। ইরাং হৌবা লমি হায়না লাউথোক্লবা মফম অমদা মথল কয়াগী থবক চংথনবা পাক্লল খুৎলাই পায়বা লান্মীশিংদা পী।

মনিপুরগী চিফ কমিসনারনা মনিপুরগী নত্রগা মনিপুরগী করিগুম্বা শরুক অমগী হিরম অদু ইরাং লৈগা নত্রগা খুদোংথিনহনই ওইবা মওংদা লৈরে. অমসুং সিভিল পল্লারবু খুৎলাই পায়বা লান্মীনা তেংবাংবগী ভণ্ডাইকদবা লৈরে হায়না লৌরিদি মনিপুর অপুম্বা নত্রগা মনিপুরগী করিগুম্বা শরুক অমা. ইরাং হৌবা মফম্নি হায়না লাউথোকপা ওমই।

ইরাং হৌবা মফম অমদা খুৎলাই পায়বা লান্মীগী কমিসন ওফিসার, রেঞ্জ ওফিসার, কমিসনন্দগী ওফিসার, নত্রগা মাক্লা থাকী. মীওই অমগী মথুক্তা পাক্লল লায়া লৈগা ওফিসার অসিনা শান্তি চেক্লবা; কমা গুম্বা আইন. কায়না চংলা.মী অমদু হেক্তা নোংমৈনা কাপ্পা নত্রগা পাকপ শিজিনমরা য়াই। শিঙ্গ, বস, মরনাই ওই। তৌবত্তবু ওফিসার অদুনা মহাক্না ভণ্ডাইকদে হায়না খনবা মওংদা মাংজোনা থংহল্লমগদবনি হায়। করিগুম্বা মরা-ইদমক মীচৌ ওইদুনা লৈর শিং নত্রগা খুৎলাই পায়বা হল্লার্বশিংগী লোংকম নত্রগা খুৎলাই পায়বা ভোলুন্টিয়ারশিংগী খুৎ-লাই ভমকম মকম অমা ওফিসার অদুনা মাংহনবগী ভণ্ডাইকদবা লৈরে হায়না লৌরিদি থুগাইয়া ওমই।

হরাল লৈবা থবক তৌরকপা য়াই হায়না ময়মচানা করিগুম্বা চিংনবগী রায়েট য়াওদনা কনাগুম্বা মীওই অমা হেক্তা

ফাজিনবা ওমই। অসিগুম্বা মীকা মীপুনগী থবক অসি পাংথোক্ন বগীদমক করিগুম্বা মফম অমা য়ারেন্থ য়াওদনা হেক্তা থীবা ওমই। এক্ত অসিগী মথাদা ফাবা মীওইশিংবু য়াম্বিবমখে থিজনা পুলিস ঙৈসন্দা শিন্নগদবনি হায়। অয়ুবু থকরুবা মতম অমদি লেপ্লে।

ভারত সরকারগী অয়াবা হায়া লৌদনা কনাগুম্ব মী অমগী মথক্তা এক্ত অসিগী মথাদা পাংথোকখিবা থবকশিংগীদমক য়ায়েন-শংদা-য়াকংপা য়ারোই হায়।

এডমিনিষ্ট্রেটরনা ভাইনবা ওমখে লমশিং ডাকপগী মতাংদা হেননা থোরাই। হিরম অসিগীদমক্তা মহাক্না লমজিং পীবা য়াই, লোখৎনিংবা থবক লৌখৎপা য়াই। করিগুম্বা য়াকম অমা হিরম অসিগা মরী লৈবে নত্রগা লৈনদে হায়বগী মতাংদা এডমিনিষ্ট্রেটরদা অরোইবা য়ারেপ লৌই।

ভারতকী প্রেসিদেন্তনা মনিপুরগী এডমিনিষ্ট্রেটরগী থাং-গৎলকপা য়ারোল কংলবসু নত্রগা কংজবসু, লৈতারু পথাপ-কজনা ডাকপা ওমজে হায়না থক্সবদি এক্ত অসিগী মতাং অমা হেক্তা চংনহন্দবা য়াই।

মনিপুরগী শান্তি ডাকপগী থবক অসি লেপ্লুনা হাক-থেংনা পাররিঙে মতমদা এক্ত অসি চংনমমলসু মনিপুরনা ১৯৭২ দা ষ্টেট ওইরকপগা লোয়ননা অনৌবা য়াকয়

কয়ামুক লাকই। ষ্টেট মন্নুংগী ইংনা পাননবগী থুনিংদা খ্বাংবা হায়বসি ষ্টেটকা মথোনি। সিভিল পরারবু :ভুংবাংনা ক্রিমিনেল প্রোসিদিওর কোদকী মতেং লৌরগা ভারতকী লাম্নি কাওবা শিজিননবা য়াই। ভারত লৈঙাক পথাপকী ৩৫৫ শুবা শিংকক্কী মচুং ইননা ষ্টেট অমবু মপান্দগী লান্দারকপা অমসুং মন্নুংগী ইরাং হোৎবদগী ঙাকথোকপা হায়বসি ভারত সরকারনা তৌকম থোকপনি। ফিবমশিং অসিগী মচুংইননা সেন্তরনা ষ্টেটশিংবু মন্নুংগী ইরাং ঙাকথোকপদা তেংবাংই। করিগুম্বা মনিপুরনা লৈঙাক মন্নুংগী ইরাং ঙাকথোকপা ওমদবগী ফিবমদা লাক্লবা নত্রগা ওয়ক্তবদি ৩৫৬ শুবা শিংকক্কী মথাদা সেন্তরনা মনিপুরগী রায়েন থৌদা হাকথেংননা লৌশিনবা ঙমই। অসিগুম্বা মওং অসি লৈনা লৈনা মনিপুরগী করিগুম্বা শক্তক অমবু ইরাং হোৎবা লন্নি হায়না লাওথোকপা ওমহুননবা ত্তোংঙানবা আইন অমা থম্বসি সেন্তরনা মনিপুর মশাগী হিরমদা কা হেননা পাক্নদ পাক্নশিনবনি। মনিপুরদা থোকপা ইরাংশিং ঙাকথোকপা হায়বসি মনিপুর সরকারগী মথো ওইবনা মতেংগীদমক হায়র-ক্তিবনথেদি সেন্তরনা থুং খিংজিনকম থোক্তবনি। অচুবু এক্ত অসিগী পান্নেনা মনিপুরগী শান্তি ঙাকপগী থবক অসি গবর্নরনা হেক্তা পায়শিনবা ঙমই।

গবর্নরনা মহাক্কী মরনাই রাখননা ইরাং হোৎবা লন্নি হায়রনা লাওথোকপগীদমক ইরাং অচু কয়া য়ায়া কনবা ইরাং ওইগদবগে হায়রবস্তু এক্ত অসিদা ডাকে। ভারত লৈঙাক পথাপকী ৩৫২ শুবা শিংকক্কী মতাংদা লোইনত পার্লিয়ামেনতরী কমিতিনা

'মণুংগী ইরাং' গী ব্রাহন পীবা মতুং ইন্না নেসনেল ইমরজেন্সী লাউংথোক্লবদমক্তা লৈবাক মণুংগী ইরাং অসি মপান্দগী লান দারকপা অকনবা করবগী অরুপ ফিভম অমগী থাক য়োৌগদবনি হায়রদুনা অসি। মতুং ইন্না গবর্নরনা ইরাংগী থাক লেপ্লবদি ইবা হেন্দ্রা লৈন্নি হায়না গবর্নরনা লাউংথোকপা য়াবগী ফিবম অদু প্রেসিদেন্তা। ইমরজেন্সী লাউংথোকপা য়াবগী চপ চাবা ফিবম অদু য়োরে। মতাং অসিদদি প্রেসিদেন্তনা ইমরজেন্সী থম্বা য়ারে। গবর্নরনা এক্ত অসিগী মথাদা ইরাং হৌবা লৈন্নি হায়না অমুক লাউংথোকবা অদুদা ইকদনা মরম করিগুম্বা লৈতে।

কবিগুম্বা জোইন্ত পার্লিয়ামেন্তরী কমিতিনা পীরিবা ব্রাহন অসিদ! থাক থব হপ্পবা মথলগী ইরাংশিংগী মতাংদা গবর্নরনা পাঙ্গল অসি শিজিন্নবা ওয়ব্রদি এক্ত অসিনা মনিপুর অনিগুবা থাককী ইমরজেন্সা অমা থম্বা ওমলে। মনিপুরদা থোকপা ইরাইক অন্দলনগী কবিগুম্বা মতাং অমদা এক্ত অসিনা পীরিবা পাঙ্গল অসি হেক্তা শিজিন্নবা ওমহল্লি। ফিবম অনিমক্তা ইমরজেন্সীগী অতোপ্পা শক্লোন অমা থম্বা ওবগী পাঙ্গল গবর্নরদা পীশিনবা অসিনা গবর্নরনা স্টেট সরকারগা মথোদা নত্তম্ থুদিংমক্তা থুং থিংজিনবা ওমহল্লি।

এক্ত অসিনা লপ্মীশিংদা কহেল্লা পাঙ্গল পীশিনবা অসিনা মায়াম্বু ও নানবগী মরম অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা এক্ত অসিনা মীয়ামবু পামদে। মক্তওইনা চাংগী লমশিংদা লাপ্মীনা

ওংনৈবগী থৌদোকশিং তোয়না থোকই। জুন ৫, ১৯৭২ দা হোলখোমাংনা মনিপুর ষ্টেট এসেম্বলীদ ফোংদোকপা মতুং ইন্না ১৯৬৪ দগী ১৯৬৯ ফাওবা [illegible] কয় [illegible] হায়। ফৌ খোমগংপা, য়ুমনৈথাবা, ফু [illegible] ওতেকনা থোকপা থৌদোকশিংগী মথক্তা ভারতকী লম্মীনা মবাল লৈতবা মীওই কয়া হাংলি। মহাক্না হায়বা মতুং ইন্না চোংবুন্দা ১৭ শুবা জাত রেজিমেন্তনা খুনগী মীওই ৯ হাংলি। তৌসেনদা লাইংপ্রুমদা ভি ভি এফেন শনগী মীওই ৯ হাংলি। তৌশেমদা অমসুং লাইংপ্রুমদা ভি ভি এধনা খুনগী মীওই কয়ামুক হাংলি। চালাংপাং খুনগী নিংথৌবু হাংলি, নিপামচা অমগা কোম্বনা মহাক্কী মযুম মৈ থাদোকই।

ইন্নর লাইন:—

১৯৫৮ গী ফোরেনরস প্রোতেক্তেদ এরিয়াজগী ওরদর মখাদা মীরৈবাক্কী মীওই অমতনা নেফা (অরুনাচল), ডিমাপুরগী শরুক খর য়াওবা নাগা হিলস টুয়েনসাং (নাগালেণ্ড গী লমশিং, লুসাই হিলস ডিষ্ট্রিক (মিজোরাম), অমসুং মনিপুর চংবা য়াদে। হায়রিবা লমশিং অসিদা চংবা তারবদি মতিক চাবা ওথোরিতিগী অয়াবা হাননা লৌবা চংই।

(১৯৭২-৭৩ দা মরী লৈনবা চে-চাং য়াওনা মনিপুরদা চংলকপা মীরৈবাক মচাশিংগী মশীং ৫৬ অদুগা চে-চাং য়াওর-ক্তনা চংলকপা মীরৈবাক মচাশিংগী মশীং ১১ নি হায়না মনিপুর সরকারনা হায়।)

মনিপুরদা হ'ননা থমলল্ল পার্লিমেন্তকী চংনবী অহুগী মওং মাল্লবস্ু অ ইন অসিগী মনিপুরা কাননবা ক'রে। হায়রন্দি হাননা চংনবস্বা পার্লিমেন্তকী মওং অদুনা মনিপুরগী চংলকপা মীতোপ থুদিংমকপু অথিংবা পী। মনিপুরগী লৈহনবা তাবগস্ু অক্করুবা মতম খরদাক লৈই। মওং অসিনা মনিপুরগী শোংথরিবা, মশীং য়ামদবা কাংলুপ মচা অমা হিংহনা লৈনবগী আচৌবা ঙাক্লো অমা ওই। ১৯৫৮ গী আইন অসিনা ভারত-মচা নত্তবা মীরৈবাক মচাশিংবুতমক অথীংবা পী। (১৯৭২ গী জুন ২৪ দা মনিপুর ষ্টেট এসেমব্লীদা ব্রাহংগী পাওম ওইনা চিফ মিনিষ্টর মহম্মদ আলিমউদ্দিননা পীবা ব্রায়েলদা ভারতকা নেপালগা ১৯৫০ দা ইনবা য়ানবাগী মতুং ইননা মনিপুর চংল-কপদা নেপালীশিংবু মীরৈবাক মচা ওইনা লৌদে, ভারতকী নাগ-রিকশিংনা ফংলিবা খুদোংচাবা পুম্নমক ফংই হায়।) মরম অসিনা মনিপুরবু ঙাক্লো পীবা ঙমদে ভারতকী মফম অতৈদগী মী থোমজিল্লকপা, ইঙ্খোল লৈরবা অমস্তুং খুন্দা লৈতারবদা অথীংবা পীদে। অমরোমদা মালেমগী অতৈ জাতীগা শম্নবগী খুদোংচাবস্ু ফংহন্দে। থোইদোক্লা মীরৈবাক মচাশিংবু উহনবা, খংহনবা য়াদবা য়োংনা শারং থাবা লম ওইহল্লি।

নাগা পিপলস কনভেন্সনগী হিরম ১৬কী থৌরম পরেংগী ইরোই লোইরবা ভরাতরুক শুবা থৌরমদা ইননর লাইনগী আইন অসি নাগালেণ্ডদা শাংথনা থংবগী রাফম তক্লে মসিগী মরু-ওইবা মরমদি ইননর লাইনগী আইন অসি নাগালেণ্ডগী মপান্দগী চংলকপা মীতোপ থুদিংমককী মতাংদা চংনৈ। মরম অসিনা

লম অসিগী শেন-থুম অমদি অতৈ হিরমশিংদা থুদোংচাবা ঙাক্নবা পাংদ অমা ওই। অতুবু মনিপুরদদি আইন অসিনগী কনিংবা কাননবা অমত ফংদে। *

ইবাং হেংবা লল্লি হাংনা লৈউথোকপা: –

১৯২৬ তা নগা ফেডারেল গবর্নমেন্ট শিংলে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা নাগা লালহৌবশিংগী ইরাং পাকথোক চংথোরকই। ইহান হানব থোংদোক ওইনা ১৯২৬ কা জুন ১১ দা ইম্ফালদা ডিমাপুর লম্বদ চেনবা মনিপুর স্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস অমা মোংমৈনা কাপই। থোংদোক অসি কোহিমানদগী থাবাদদ কিলোমিটর থর চলগা থোকপনি। মনিপুরগী এডভাইজরী কাউন্সিলগী এডভাইজর অনি য়াওনা মথৌই কয়ানুক নাগা লালহৌবশিংনা ফাঙ্গিলুববা মতুংদা থাদোরকই।

নাগা লালহৌবশিংনা মনিপুরগী নাগা তাবা লমশিংদা হাযঙ্গিনতুনা সরকারগী মুক্ত থেরনাশিং পায়থংলকই। খুলশিংদা নৈবা; হুরানবা: মী ফাক্লিনবা, মীহাৎপগী থবকশিং চংথরই। ভারত সরকারন মনিপুর সরকারবু তেংবাংনবা লাশ্মী থাজিনবগা

---

* "কাংলৈপাক টুডে ক্রনিকল" (অক্টোবর ১৯৭১) গী ইডিতরনা।

ফোরেরস (প্রোটেক্টেদ এরিয়া অর্দর ১৯৫৮) গী রুল রালশিং থর শেমদোকুবগী রাফম থাংগৎলি। মফাক্কা ওরদর অসিগী সেন্ট্রাল রান (অহানব) তংকক) দ "মনিপুর সেন্ট্রেল ডিস্ট্রিক্ট সব ডিভিজনতুনা (মেবে য়াওদনা), অমগ তামেংলোং সাউথ সব ডিভিজন মনিপুর নর্থ ডিস্ট্রিক্ট তামেংলোং সব ডিভিজনতুনা" হায়বা হংরোনসিং অসি হাপচিনমবা তক্কে।

তঙাইফদবা ফিবম লৈরে হায়না লৌই। মরম অসিনা ওক্টোবর ৭, ১৯৬০ দা উগ্রুল সব ডিভিজনবু আবর কোর্সে (অসাম, মনিপুর) স্পেসিয়েল পবার এক্ট, ১৯৫৮গী মথাদা ইরাং হৌবা লমি হায়না লাউথোকই। মাও মরাম সার্কল অমসুং তামেংলোং সব ডিভিজনসু মথংশিংনা ১৯৬৯গী জানুবারী ১৩ অমসুং ফেব্রুয়ারী ২২ দা ইরাং হৌবা লমি হায়না লাউথোকই।

অহুমশুবা মতাং

টেরিটরিয়েল এ: সমল্লী লিংবা

ভারতকী লুচিংবা থরনা মনিপুরগী শক্তম কায়দনা থল্লবগী ফিরেপ লৌরবসু আইন সভা লৈহন্দ্রনা মনিপুরবু মপুংফাবা স্টেট অমা ওইহনবগী মতাংদদি করিগ খুমাং চাওশিন্দে। টেরিটরিয়েল কাউন্সিল অমসুং এডভাইজরী কমিতি লিংবনা মনিপুর মীয়ামগী অনিংবা অমসুং অপাম্বা থুংহনবা ঙমদে। আইন সভা অমসুং মন্ত্রি সভা লৈরম্লবা মনিপুরদা লৈঙাক্লোনগী ওইরিবা ফিবম অসিনা অনৌবা অশা করিমত্তা পীবা ঙমদে। জবাহরলাল নেহরুনা ১৯৫২ দা য়াৎপা মনিপুরগী ভুংগী লৈঙা-ক্লোনগী শক্তম পরিংদা ভারত সরকারগী ফিরেপফম ওই।

ষ্টেট রিওর্গেনাইজেসন কমিসনগী রায়োনস্থ মনিপুরগী ওইথোক্নবা রায়েন থোৌদাগী কয়াৎ লেপ্পগী মতাংদদি নেহকনা লেপ্পা কয়াৎ অসিদগী পংলাপ লাপথোক্তে।

মনিপুরগী ওইরিবা লৈভাক্লোনগী থাক অসিদা মনিপুর সরকারগা যন্নাইবশিংগা মীয়ামগা নবশিননবা য়াদে। মথং অসিনা মীয়ামগী পেন্দনগা চাং হেন্সংহল্লি। তঙাইফদনা মীয়ামগী লৈক্লাক রায়েন লিংনবা ঈহৌ অসি মপাঙ্গল হাপই। অদুবু ঈহৌ অসি থিংবা ঙাংহৌইদবা মথং অমদা ফুগংলকপা ঙমদে। মরমদি হিংম ভফিদা লৈক্লাক খুৎপুশিংনা অমতা ওইনা পুন্না চংশিন্নিরবা ঙমদে। মনিপুর কংগ্রেসনস্থ দিল্লিগী য়াকা যেংহনা লৈ। মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎপদা নত্রগা মীয়ামগী লৈরিবা ঈহৈদা তোংশিন্নবা মপাঙ্গল ফংদোক্তে।

থোয়াবা সরকার লিংনবা অন্দোলন :—

১৯৫৯ [illegible] থোয়াবা সরকার লিংনবগী ইহৌ বন্না [illegible] কম্যুনিষ্টনা মাংফিলথারগা সরকারগী [illegible] অন্দোলন চাংশিল্লি। মার্চ ২৬, ১৯৬০ দা হাইরিবা [illegible] পুলাকপরগা, এসেম্বলী ডিমান্দ কোওরদিনেসন [illegible]। কারণ অসিনা থোয়াবা সরকার লিংনবা [illegible] পোবন পোন্নিং য়াংলি।

ভারতকী পুন্সি [illegible] মনিপুরগী লৈরম্ব লৈভাক্লোনগী থাক অদুদা [illegible] হায়দগিনবা এসেম্বলী ডিমান্দ কোওরদিনেসন

কমিতিনা তঙ্ক্রে। কমিতি অসিনা হায় — "১৯৩৮-৪৯ দা এসেমব্লী লৈরম্মী অদুবু মনিপুরনা ভারতা তিনবগা লোয়ননা হাপ্লিবা এসেমব্লী অসি মুত্থৎখি। লৈবাক পথাপ অমসুং আইননা য়াননা মুত্থৎখিবা ওন্দে। ভারতমচা অতৈ-না কংলিবা হক্লিবার অমসুং খাৎনচাবা অদু ঐখোয়না য়ুংবা য়ারবদি মনিপুরবু ভারতা পুন্দিনবগী থাক অদুদা অমুক হন্দোক্লহনবা ঐখোয়না পামই।" কোরদিনেসন কমিতিনা তক্লিবা বাফম অসি মনিপুরনা ভারতকা স্টেট লেল এগ্রিমেন্তগী মথাক্ত লৈনরম্বা মরী অদু অমুক হন্দোক্লনবগী বানি। অদুগা মনিপুরগী পুইরিবা লৈবাক্লোননা ফিবম অসি "ভারত সরকারনা পুমশেম শেম্বনি অমসুং মনিপুরবু তুংগী ফিরেপফম পংদবা মওং অমদা থম্লিবা অসিসু ভারত সরকারগী খুদিংমক" হায়না কোরদিনেসন কমিতিনা ভারত সরকারদা মরাল শী।

মনিপুরগী রায়েন থোদা "মপান্দগী লাকপা অমসুং মথৌ মশক থাদবা মীওইশিংগী মথক্তা লৈ" হায়না কমিতি অসিনা ফোংদোকই। শেলফম তমজা তৌবা, ওফিসকী থবক্তা থাংহনবা অমসুং মরম চাদনা মীয়াম্বু ওৎপগী লময়োনা ফত্তবা মওং লৈরে হায়। কবিগুম্বা "লোইলমগী সাসন" অসি মওং অদুনা হাংদোকপদি নহা লৈরবা লোশিংনা চুমিননা খাংহনা লৈথোক্লোই হায়নসু ভারত সরকারদা খংহল্লি।

এসেম্ব্লি ড্রিমান্দ কোওরদিনেসন কমিতিনা মনিপুরবু কেন্দ্রনা হাকথেংনন রায়েন থোদাবগী মহুত্তা মীয়ামদা থোয়াবা আইন সভা পম্না লিংনবা হায়। চীং-তম পুনশিল্লবা মনিপুর ওইহনবা, গাম পঞ্চায়েট অমসুং হিল ওথোরিতিগী মীখলদা

অরোনবা পাম্বৈনা ভো'ট থাদহনবা, থৌপাংগা ব্রায়েম্লিবগা য়েংশিননদবা; মশীং যামদবা কাংলুপ্ত্র শোগংপা. মনীপুরী লোন্দবু লোইশংশিংদা শিজিননবা লোন ওইহনবগী ব্রাকমশিং পুখংলি।

এসেমব্লী ডিমান্দ কোরওদিনেসন কমিতিনা লুচিংবা অন্দোলন অসি এপ্রিল ১১, ১৯৬০ দগী হৌই। সরকারগা ফম্নাইবশিংবু লোইশং কাহন্দবা; লম্বী থীংবা, কৈংথল কাহন্দবনচিংবা থোরম-শিং পায়খংলি। অন্দোলনগী লুচিংবশিং মথং মথং ফাজিনখি-বগা লোয়ননা সত্যগ্রহ চংথরিবা মফম কয়াদা পুলিসনা তোয়না নোংমৈ কাপ্পদগী অশোক অপনগী চাং হেন্সংলি। অম্মুন্না জুলাই ১১ দা অন্দোলন অসি লেমথে। কোরডিনেসন কমিতি অসিগী সেক্রেটরীনা অন্দোলন অসি চংথবগী মহুত্তা মীয়াম্না সিহ তৌবা মেমোরিণ্ডম অমা থানবা হোংনরগনি হায়না লাউথোকই। ব্রাকম অসি লাউথোকপগ লোয়নন। থোয়াবা সরকাব লিংনবা চংথরকপা অন্দোলন অসি লোইশিল্লি।

নাগালেণ্ডবু ষ্টেটকী থাক্তা পুখংলকপাগী ব্রাফম্না এসেমবলী ডিমান্দ কোওরদিনেসন কমিতিদা অনৌবা থোইনসিন পী। ১৯৬০গী আগষ্ট ৯দা প্রাইমমিনিষ্টরদা থাবা তেলিগ্রাম অমদা নাগালেণ্ড ষ্টেট শেম্বগী বিল পুথোকপদা মনিপুরগীসু য়াওনবা তকশিল্লি। আগষ্ট ২০, ১৯৬০ দা হোম মিনিষ্টর পণ্ডিত পান্টনা মনিপুরবু ষ্টেটকী থাক্তা পুখংলোই: টেরিটরিয়েল কাউন্সিলদা পাঙ্গল হেননা শিননগনি হায়না ফোংদোকই। হোম মিনিষ্টরগী ব্রাকম অসিনা হাননদগী চংথরক্লিবা কেন্দ্র সরকারগী থৌসিলদা

অহোংবা করিগু পুরক্নে। অদুবু অন্দোলন অসিনা টেরিটরিয়েল কাউন্সিলবু টেরিটরিয়েল লেজিসলেটিভ এসেমবলী ওইহোরক্নবগী থবক য়াংশিলহল্লি।

লৈবাক শংপুর্লগী ক্নিরেপ:-

১৯৬০ দ হৌখ্রা থোরাবা সরকার লিংনবা অন্দোলন অসি সোসিয়েলিষ্ট অমসুং কম্যুনিষ্ট অনিনা চংশিন্নবগা চংশিনখ্রবনি মনিপুর ষ্টেট কংগ্রেসতি অন্দোলন অসিদা য়াওদে। অন্দোলন লোইশিনখ্রবা মতুং সেপ্তেম্বর ৭, ১৯৬০দ মনিপুর ষ্টেট কংগ্রেসকী ইকজিকুটিভ কমিতিনা মনিপুরগী লৈবাক থোরাংগা মতাংদা রারেপ লোই। থোরাং অসিগী মতুংইন্না মনিপুরবু ষ্টেট অমগী থাক্তা থম্নবগীদমক ভারত লৈবাক পথাপকী মরী লৈনবা লিংকক শেমদোক্নবা হায়। আইন সভা লিংনবগী রাকমদি মনিপুর কংগ্রেসনা তকশিন্দে। লৈরিবা টেরিটরিয়েল কাউন্সিলগী মপাঙ্গল হেন্নহন্নবা তকশিল্লি। আগষ্ট ২০ দা হোম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবা ক্নিরেপ অদুগা মনিপুর কংগ্রেসনা তকশিনবা রাকম অসিগা করিগু খেন্নদে। মনিপুরবু ষ্টেটকী থাক্তা থাম্নংনবগীদমক কংগ্রেসনা তকশিল্লিবা মওং অসিদি নাইতোম তাহোন্দনবা শোন্নাংননা তুং ইনবনি। ষ্টেটহুডকী রাকমগা টেরিটরিয়েল কাউন্সিলদা পাঙ্গল হেন্না শিন্নরক্নবগী রাকমগা অনি পুননা থম্নিননবা অসিমা কংগ্রেসকী ক্নিরেপ অসি চনৈনৈ, ময়েকশেংদে।

কম্যুনিষ্ট লালহৌগী মতুংদা কম্যুনিষ্টনা ১৯৫৪ গী আইন সভা তানবা অন্দোলনদা সোসিয়েলিষ্টকা পুননা চংশিনমিন্নৈ।

১৯৬০ গী থৌয়াবা সরকাব লিংনবা অন্দোলনদসু সোসিয়েলিষ্টকা খুৎশমনা চংমিননৈ। এসেমবলী ডিমান্দ কোওরদিনেসন কমিতিগী মিংদা পার্তি অনি অসিনা ১৯৬২ গী মীযামগী মখল থেংনৈ। মনিপুরদা থৌয়াবা সরকাব লিংনবগী মতাংদা কম্যুনিষ্টনা কননা ফুজিল্লি। সি পি আইনগী নেসনেল কাউন্সিলনসু মনিপুরদা চৎখিরিবা রায়েন থৌদাগী থৌরাং অসি মীয়ান্না পাম্নদ্রে হায়বা ভারত সরকারনা খংফম থোক্লে হায়না মে ১২, ১৯৬০ দা ফোং-দোকই।

প্রজা সোসিয়েলিষ্ট পার্তিনা ১৯৫৪ গী আইন সভা আনবা অন্দোলন্দা মপুং ওইনা অহুগা ১৯৬০ গী অন্দোলন্দসু কম্যুনি-ষ্টকা খুশনুনা চংমিননৈ। আগষ্ট ১১, ১৯৬০ দা কুম্বা প্রজা সোসিয়েলিষ্ট পার্তিগী নেসনেল ইকজিক্যুতিভ-না মনিপুরদা আইন সভা লিংবা হায়বসি থিংবা য়াররোইদবা রাক্নি অহুগা ভারত জাতিগী খুদোং য়েংলগসু মনিপুরদা রায়েন থৌদাগী থৌরাং অসি পুমওন খ্বোকপনা করে হায়না ফোংদোকই।

টেরিটরিয়েল কাউন্সিলগী রারেপ :—

সেপ্তেম্বর ২৩, ১৯৬০ দা কম্বা টেরিটরিয়েল কাউন্সিলগী মীফম্না লৈঙাক্লোনগী ওইবা রারেপ মরিথক পাস তৌই রারেপশিং অহুদি মনিপুরবু ষ্টেটকী থাক্তা থাঙৎনবগীদনক ভারতকী লৈঙাক পথাপ শেমদোকপা, চীং অমসুং তমগী অপুনবা কায়হন্দনবা রায়েন থৌদাগী অচেৎপা শক্তম অমা থম্বা, আইন

সভা লিংথৗবদা টেরিটরিয়েল কাউন্সিলদা পাঙ্গল পন্নমক শিননবা ঙাম্নবসিনি। মীরেপশিং অসি কংগ্রেসকী মীকোক্না থাঙ্গৎলগা পাস তৌবনি। সেপ্তেম্বর ৭ তা কংগ্রেসকী ইকজি-কিউতিভ কমিতিনা লৌখিবা মীরেপশিংগা অসুম্না ওই। তৌবদবু আইন সভা লিংবগীথবক অকক্নবা মতম অমগী মনুংদা পাংথোক্নবা হায়।

টেরিটরিয়েল কাউন্সিলগী মীখল: —

টেরিটরিয়েল কাউন্সিলগী অনিশুবকপা মীখল ফেব্রুয়ারী ১৯, ১৯৬২ দা পাংথোকই। মীখল অসিগী মতুংইন্না কাউন্সিলদা ওইখিবা লৈঙাক খুৎপুশিংগী নপাঙ্গলদি কংগ্রেস ২২, সোসিয়ে-লিষ্ট ৩, ইন্দিপেন্দেন্ত ৫ অদুগা অহান্না ২নি। কাউন্সিল অসিগী কমিতি ৫ লৈ। কমিতিশিং অদুদি ফাইনান্স কমিতি ষ্টেণ্ডিংকমিতি (ইডুকেসন), ষ্টেণ্ডিং কমিতি (হেলথ সরভিসেস এণ্ড ভেটিনেরী এণ্ড এনিমেল হজবেন্দরী), ষ্টেণ্ডিং কমিতি (সিভিল ৱাৰ্ক্স) অমসুং রুলস কমিতিনি। কাউন্সিলগী চিয়ারমেন এম, কোইরেং সিংহনা ওই, চিফ ইকজিক্যুতিভ ওফিসারনা হুরাইবম রনবীর সিংহনা ওই।

•

১৯৬২ গী লোক সভা মীখলদা মনুং পানাগী ওইনা কংগ্রেসকী মীরেপ সলাম তোম্বী সিংহনা কায়, মপান পনাগীনা সোসিয়েলিষ্টকী মীরেপ রিশাং কৈশিংনা কায়।

ব্রায়েন থৌদাগী অনৌবা কয়াং:—

এডমিনিষ্ট্রেটিভ রিফে´ার্ম কমিসননা থাগৎপা ব্রারোলদা টেরিটরি খরগী মীশিংনা টেরিটরিয়েল কাউন্সিল পামদে হায়রসি শেংনা হায়। কমিসনগী ব্রায়োল অসিগী মতুং ইন্না ভারত সরকারনা টেরিটবিয়েল কাউন্সিলদা চাওখং থৌরমগা মরী লৈনবা অনৌবা হিরম কয়ামুক শিন্নবা লেপই। ওক্টোবর ৭, ১৯৬৯ দা হোম মিনিষ্টরনা লোক সভাদ: ভারত সরকারগী থোশিল অসি লাউথোকই। ভারত সবকারগী থোসিলদি মীয়ামগী মীহুৎশিংবু মখোয়গী টেরিটরিশিং চাওখৎহনবগী খুদোংচাবা ফংহনবগা লোয়ননা ব্রায়েন থৌদাদা মখোয়স্মু তশেংনা য়াওরে হায়না ফাওহনবনি অদুগা হায়রিবা থৌশিল অসি থবক ওইনা প্যাংথোক্লবা টোরটারেয়েল কাউন্সিলদা চাওখৎ থৌরমগা মরী লৈনবা হিরমশিং শিন্নবনি। থবক পাংথোকপগী মতাংদা হোম মিনিষ্টরনা হায়—“শিন্নগদৌরিবা হিরমশিং অমসুং লোইশংশিং অসিগী মতাংদা মীয়ামগী মাহুৎশিংনা চংশিন্দুনা ব্রায়েন থৌদা পাংথোকপ: প্যাংথোক্তবগী ব্রাকম মরুওইনা লৌখ.কদবা নত্তে। থবনগদবা ব্রাফমদি টেরিটরিয়েল কাউন্সি-লদা থৌয়াবা থৌপাংবগী থবক প্যাংথোক্লবা কয়াং অমা শেম্বনি। হায়ারবা মওং অসি টেরিটরিয়েল কাউন্সিলগী চিয়ারমেননা মকোক ওইনা ইকজিক্যুতিভ অমা লিংলগা ওইথোকপা য়াগনি। হায়রিবা থৌশিল অসিগী মতুংইননা ১৯৬২ দা শেম্বা টেরিটরিয়েল কাউন্সিলদা থৌপাংবগী থবক হেঙ্গৎলি। অনৌবা হিরম থম্মু কোনশিল্লিকই।

অশোকা সেননা লুচিংবা কমিসননা ১৯৬২ দা পীখৎপা রিপোর্তদা পার্লিয়ামেন্তনা পাযশিনবা পাঙ্গলশিং টেরিটরিয়েল কাউন্সিলদা পিননবা হায়বসু ভারত সরকারনা পাত সি ষ্টেটস এক্ট, ১৯৫০ গী মখাদা অমুক হন্দনা থককপা পামই। তরামবিশুবা শেমদোকপা এক্ট, ১৯৬১ না ভারত লৈবাক পত্পা ১৯৩এ হায়বা শিংবক হপন্নি এক হসিনা পার্লিয়ামেন্তদা মথাগী পাঙ্গলশিং অসি পী –

"মসি মীয়ামনা খনবা ওইরবসু নত্রগা হবনা খনহা খরনা হপ্প ওইরবা টেরিটরিশিং অসিগী অইন শেম্বা ওইনা থবক পুরবা য়ানবা লুপা অমা শেম্ব;

(১) কাউন্সিল অফ মিনিষ্টরস অমা,

নত্রগা অনিমক, শেম্ব্লক পথাপকী অাইননা পনবা পাঙ্গল অ দি পাংথোকপা ঙম্বা থবকশিং।"

শেমদোকপা অসিনা ইউনিয়ন টেরিটরিজ এক্ট, ১৯৬৩ শোয়রকই। এক্ট অসি হিমাচল প্রদেশ, মনিপুর, ত্রিপুরা গোআ দমন দিউ অমসুং পন্ডিচারীদা চংলৈ।

ইউনিয়ন টেরিটরিজ এক্ট, ১৯৬৩: –

ইউনিয়ন টেরিটরিজ এক্ট, ১৯৬৩ অসি ভারতনা রিপবলিক ওইবা তরামরিশুবা চহিদা পার্লিয়ামেন্তনা শেম্বনি ইউনিয়ন টেরিটরিশিংদা আইন সভা লিংবগী রাফমগা মন্ত্রী লৈননা শেম্বা আইননি।

আইন শেম্বা:—মীথন্দ, কাবা মীকোক ৩০ অমসুং ভারত সরকারনা হাপ্পা মীকোক ৩ গা থারগা পুননা মীকোক ৩৩ লৈবা আইন সভা অমা লৈ। মখলদগী কারকদবা মীকোকী মশী অসি হিমাচল প্রদেশকী ৪০ নি সেন্ট্রাল কাষ্ট অমসুং সেড্যুলড ট্রাইবশিংগী দমক্তা মফম কন্দুনা থমই। চহি ২৫ শুরবা ভারতগী খুন্মা অমনা মীখল অসিগী মীরেপ থইবা যাই। কবিগুম্ব ওননা লোইশিনখিবা নত্রবদি আইন সভাগী পুন্সি অসি চহি ৫ নি। অথু-অবাই লৈবি মমুংদা প্রসিদেন্টনা আইন সভাগী মপুন্সি অসি অমুক্তদা চহি অমফাওব শাংদোক হনব থমই অদুবু অথু অকাই লৈরে হায়না লাউথোকপা মতুং থা ৬ ফাওবদগাদি হেননা শাংদোকহনবা য়াদে।

এডমিনিষ্ট্রেটরনা অসুম কৈ হায়না খনবা মফম অমসুং মতমদ আইন সভাগা মীফম কৌই। হায়না কুমথিবা মীফমগা ২। ৬ তগী হেনন খন্নদনবা মথংগী মীফম কৌই। এডমিনিষ্ট্রেটরনা আইন সভাবু থবক চংথহন্দবা অমসুং মুংথৎপা থমই। মহাক্না সভা যম্নবগীদমক সভাগা মীকোকশিং কৌই। মীকোকশিংনসু কে বকপ অদুগী মতুংইনননা এসেমবলী কাই। এডমিনিষ্ট্রেটরনা সভাদা পন্দুনা লৈরিবা নত্রগা মওং অমদা লৈরিবা বিলগী মতাংদা পাও থাবা যাই। পাওদা য়াওরকপা হিরম অদু সভাদা খননৈ।

আইনগী সভাগী স্পীকর অমা অমসুং ডিপুটি স্পীকর অমা লৈ। মখোয় অনিমক সভাগী মীকোকশিংগী মমুংদগী খল্লি।

মখোয়গী কমশিং অসি হেক হাংলকপগ সভান অনৌবা স্পীকর নত্রগা ডিপুটী স্পীকর অহুক খল্লি। আইন সভাগী মীকোক হেক ওইদুনা মখোয়না পায়বিবা কমশিং থাদোকপা তাই। মশানা তোকচরগে হায়বগী মতাংদা স্পীকরনা ডিপুটি স্পীকরদা অদুগা ডিপুটী স্পীকরনা স্পীকরদা অইবা চেয়োল পিখংকনি আইন সভাগী মীকোকশিংগী অয়াম্বা মশীংনা মখোয়বু লোথোকপা ঙমই। মশা লৌথোকপগী রাক্ষম খরবিদুদা স্পীকর নত্রগা ডিপুটী স্পীকরনা সভা অদু প্রিসাইদ তৌরোই। মশা লৌথোকপগী রাক্ষমদা স্পীকরনা অহানবমরুদা ভোট পীবা য়াই। ভোট মশীং মাননরবা মতমদা ভোট পীবগী মওং অদু মভাং অসিনা য়াদে।

মন্ত্রি খুদিংমক্না আইন সভাদা রা ঙাংবা য়াই, সভাগী চংথরিবা থবক্তা য়াওবা য়াই অদুগা মশামক্না মেম্বর ওইরিবা কমিতি অমদা রা ঙাংবা অমদি চংথরিবা থবক্তা শরুক য়াবা য়াই অদুবু ভোট পীবদি য়াদে।

সভাদা লৈরিবা অপুনবা মীকোক মশীংগী শরুক অহুম থোকপগী অমনা সভাগী মীথিং শাই।

মীকোকশিংনা সভাদা ঙাংথিবা, ভোট পীথিবগী মরমদা অমদি সভানা কোংহনবা চেচাংগী মরমদা রায়েনশংদা রাকংপা য়াদে। পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা কংলিবা পাঙ্গল, খুদোংচাবা খুদিংমক আইন সভা অসিগী মীকোকশিংসু কংই। সভানা

লেপ্পা চা মতুংইননা মীকোকশিংনা তুলব অমসুং এলাওয়েন্স ফংই।

ভারত লৈঙাক পথাপকী ত্রেংগুম তাংকক্না য়াওবিবা ষ্টেটকী হিরম পরেং অমসুং বেন্দ্র অমদি ষ্টেটনা আইন শেম্বা য়াবা হিরম পরেংগী মনিপুরগা চানবা হিরম অমদা মনিপুরগী আইন আইন সভানা শেম্বা ঙমই। অদুবু টেরিটরি অমা ওইরগা মতুংগী করিগুম্বা শকক অমগী দমক বরিগুম্বা হিরম অমদা পার্লিয়ামেন্টনা হেক্তা আইন শেম্বা যাবগা লৈঙাক পথাপনা পীবা পঙল অদুদি অদুম লৈ। শেল থুমগী হিরমদা এডমিনিষ্ট্রেটরগী অয়াবা য়াশত্রবদি সভদা পুথোকপা য়ানবা মতাং কয়া লৈ। ভারত সরকারনা হোংলানবা কনতিনজেন্সী অমসুং কোন্সোলিদেতেদ ফণ্ড শেমই।

মনিপুরগী আইন সভানা পাস তৌরবা বিলশিং অদু এডমিনিষ্ট্রেটরনা প্রেসিদেন্টগী অয়াবা লৌনবা থামদুনা থম্বা য়াই। মহাক মশামক্না শেল থুমগী চংগদবশিং (ডিমান্দ ফোর গ্রান্টস) থাজং-পা য়াই। মনিপুরগী আইন সভানা শেম্বা আইনগী মতাং অমা পার্লিয়ামেন্টনা শেম্বা আইনগী মতাংগা তৈনররবদি মতু চংনরোই। পার্লিয়ামেন্টনা শেম্বা আইনবা নমহৎকনি।

মন্ত্রী সভা:—

চিফ মিনিষ্টর অমনা লুচিংবা মনত্রী সভা অমা লৈ। মনত্রী সভা অসিন মনিপুরগী আইন সভানা আইন শেম্বা ওম্বা হিরমশিংদা এডমিনিষ্ট্রেটরবু তেংবাংই অমসুং পাওতাক পী।

এডমিনিষ্ট্রেটরগী মরনাইদা [illegible] থবক চংশিনবদা নত্রগা [illegible] থোকনগা, থবকক মন [illegible] চংশিনবদা লৈফমশিংদসি মন্ত্রি সভানা পাওতোক পীবা [illegible]

এডমিনিষ্ট্রেটরগী [illegible] মন্ত্রিশিংগা কবিনেষ্ট হিরম অমদা রাখুন খেন্নবদি রুকম তত্র প্রিসিডেন্সগা য়াথং লৌনবগ দমক্তা থাঙলি। এডমিনিষ্ট্রেটরনা মহাককী রাখল্দা অমুক থবক লৌখংপগী [illegible] [illegible] হায়না লৌবদি প্রসিডেন্ট য়াথং ডাইরেক্টর মহাক লৌখংনিংব থবক লৌখংপা য়াই।

মনিপুরগা [illegible] [illegible] মরাংদা এডমিনিষ্ট্রেটরগী [illegible] [illegible] লৈ। হিরম [illegible] মহাক্না [illegible] হায়না [illegible] অমদি [illegible] মন্ত্রী সভাদা পী। হায়রিব [illegible] [illegible] অসি [illegible] মহাককী মরনাই রাখল শিজিন্ন।

এক্ত অসিগী মথাদা কবিগুম্বা হিরম অমা এডমিনিষ্ট্রেটর-গী মরনাই রাখননা প্যাংখোবয়ম ওোরই। মএগা থোক্তে হায়বগী য়েংনবকপা মতাংদা এডমিনিষ্ট্রেটরগী য়াথংনা রারোই ওই।

মনত্রিশিংনা এডমিনিষ্ট্রেটরদা পাওতাক পীব্রা নত্রগা পীদব্রা, কবি পাওতাক পীবগে হায়বগী মবীদ রায়েনশংদা পুথোকপা য়াদে।

প্রসিদেন্তনা চিফ মিনিষ্টর হাপই। চিফ মিনিষ্টরগী পাওতাক মতুংইননা প্রসিডেন্তনা অতৈ মনত্রিশিং হাপই।

প্রেসিদেন্তনা যানিংলিবমথৈ মনত্রিশিংনা থবক পায। মনত্রি সভানা আইন সভাদা পুন্না থৌন্নাই

প্রেসিদেন্তনা মতম মতমগী ওইনা পীবকপা লমজিং মথাদা এডমিনিষ্ট্রেটর অমসুং মহাককী মনত্রি সভানা থবক পাংথোকই। প্রেসিদেন্তনা মখোযবু চাওযেং যেংশিল্লি।

মন্ত্রী অমনা থংনবা থা তরুক লিশাংশিংনা আই সং মীকোক অমা ওইদ্রবদি হায়রিবা মতম অসি লোইবগা মহাক মনত্রি ওইবা যাদে।

মনত্রিশিংগী তলব অমসুং এলাওয়েন্স আইন সভানা মতম মতমগী ওইনা লেপই।

চীংগীদংক থোইদোকপা চৎনরোলঃ—

এসেমব্রদা লৈরিবা চংগী এম. এল. এ পঙ্গমক যাওবা ষ্টেন্ডিং কমিতি অমা লৈ। চিফ মিনিষ্টর অমসুং স্পীকরদি হায়রিবা কমিতি অসিদা যাওবা যাদে। কমিতি অসিগী মীতিন্দা মিনিষ্টরশিংনা ব্রা ঙাংবা যাই অমসুং থম্নরনবা যাওবা যাই। অত্তম ওইনমক কমিতি অসিগী মীকোক অম ওইদবদি ভোট থাদবা যাদে।

ষ্টিল ষ্টেণ্ডিং কমিতি অসিনা পাযবা থবকশিংদি—

(ক) যোক্রনা থম্বা উমং নত্তবা লমশিং পীথোকপা শিজিন্নহনবা, শনজাবুং থম্ব; লৈনবা অমসুং লৌউনবা লম পীবা।

(খ) য়োক্তুনা থম্বা নম্বা টম্‌শিংগী অশিন অমাং হোন্দ

(গ) লৌউশিংউপদমক লৌখোং নত্রগা ইরম খোংলম শিজিন্নবা।

(ঘ) ঝুম নত্রগা মকম হোংনা উবা লৌমউ চাংনাইহনব

(ঙ) খুঙ্গং নত্রগা সহরগা কমিতি নত্রগা কাউন্সিল শিং অমসুং মখোয়দা মথৌ মচম অমসুং পঙ্গল শিননবা।

(চ) নিংথৌ নত্রগা খুম্ভাকপা হাপ্পা।

[ছ] মালচাং ফংহৌনবগী বং লেপ্পা।

[জ] লুহোংবা [ঝ] খুননাইগী চংনবী।

শেলগী হিরম নত্তবা মথককী ব্রাফমশিং অসিগা মরী লনবা বিলশিংদি লেজিসলেতিভ এসেমবলীনা ষ্টেণ্ডিং কমিতিদা থাদে কমিতি অসিনা বিল অদুগী মতাংদা লেজিস্লেতিভ এসেমবলী দা রারোল অমা পীথংলি। বিল অমা ষ্টেণ্ডিং কমিতিনা পাযরিবা থবকশিংগী মতুং চল্লি চন্দে হায়না য়েংনরকপগী মতাংদা এডমিনিষ্ট্রেটরনা লেপ্পা ব্রাফম অদুনা অরোইব ওই ষ্টেণ্ডিং কমিতিনা পিখৎলকপা রারোল য়াওনা এসেমবলীনা বিল অদু পাস তৌই। চীংগী মতুং চন্দবা লমশিংগী মতাংদা এসেমবলীনা বিল অদু শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াই। ষ্টেণ্ডিং কমিতি অসি থবক নিংথীনা চৎথবগী মতাংদা এডমিনিষ্ট্রেটরগী থোইদোকপা মথৌ দৈ।

এক্ত ভসিগী মথাদ' মনিপবগী মত দা আইন শেম্বগী পাঙ্গল অনি পার্লিযামেন্টদা অপ্সুক থনই। ষ্টেট এসমবলী না ভ ইন শেম্বা ঙম্বা হিবসিংগী ববিঙম্ব হিবম অমদা পার্লিযামেন্টনা হেক্তা ভ ইন শেম্বা ঙমই। মনিপুর দা ঙমথৈ লমশিংগী মতাংদা এডমিনিষ্ট্রেটরগী মবনাই রাখল্লা মথৌ মঙম পাংথোকই। থবক খুদিংমক প্রেসিদেন্তগী মিংদা পাংথোক-কই। এডমিনিষ্ট্রেটবনা ভারত সরকারগী থৌদারোই ওইনা মথৌ পাংথোকপগী মওং অতু বাযদনা লৈ। টেরিটরিযেল লেজিস্লেতিভ এসেমব্লী অমসুং মিনিষ্ট্রি লিংবা অসিনা মনি-পুর মীযামদা অনৌবা অাংবা অমত্তা পীদে। নাগালেণ্ডবুনা ষ্টেটকী থাক্তা পুথংলকপা অতুগা মনিপুররনা টেরিটরিগী থাক্তা অসুম থমলিবা ভারত সরকারগী থৌশিলবু মীযামনা পেননদে। মরম অসিনা মনিপুরবু ষ্টেটকী থাক্তা হাযগংনবা লৈশাক্লোনগী ইরাং কয়াগা ইবোইননা মওং কযাদা ভারত সরকারগী থৌশিল অসিবু শিংনবা ঈহৌশিং থোরকই।

টেরিটরিযেল এসেমবলী লিংবা :—

জুলাই ১, ১৯৬৩ দগী হৌনা মনিপুরদা গবর্নমেন্ট ওফ দি ইউনিযন টেরিটরিজ এক্ট ১৯৬৩ চংনবা হৌই। হায়রিবা মুমিৎ অসিদা মনিপুর টেরিটরিয়েল কাউন্সিল এক্ট; ১৯৫৬ চংনবা তোকই। নৌনা মীথল তৌবগী মহুত্তা হাননা লৈরিবা মীথলদা কাবা কাউন্সিলগী মীকোক ৩০ অমসুং অহাপ্পা ২, পুননা মীকোক ৩২ না আইন সভা শাই। চিফ মিনিষ্টর অমা থানা মিনিষ্টর ৩ লৈ। জুলাই ২২, ১৯৬৩ দা এসেমবলীগী স্পীকর, ডিপুতি স্পীকর খল্লি। এম, কোইরেং সিংহনা চিফ

মিনিষ্টর এ ডু ইহোনা ফাইনান্স মিনিষ্টর অমমুং এস, অংগৌ সিংহনা ডিভেলপমেন্ট মিনিষ্টর ওই।

নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পবা:—

সেপ্তেম্বর ৬, ১৯৬২ দগী মনিপুরগী মাও, তমেংলোং অমসুং উখ্রুল সবডিভিজনশিংবু নোংমৈ কাপ্প লেপনবা মফমশিংনি হায়না ভারত সরকারনা লাউথোকই। হায়রিবা সব ডিভিজনশিং অসি সেপ্তেম্বর ৫ গী নোংযাই ফাওবা আরম ফোর্সেস (অসাম, মনিপুর) স্পেসিয়েল পরার এক; ১৯৫৮ গী মখাদা ইবাং হৌব লম ওইরম্মী। মে ২৫ ১৯৬৪ দা ভারত সরকার অমসুং নাগা লানহৌবশিংগী মরক্তা ইনবা নোংমৈ কাপ্পা লেপনবগী য়ানবাদা মনিপুরগা সব ডিভিজন অহুম অসি কোনশিল্লি। মতম খর খবগী ওইনা শাংদোবকপনা নোংমৈ কাপ্পা লেপনবগী থবক অসি আগষ্ট, ১৯৭২ফাওবা চংথে।

আগষ্ট ১৪; ১৯৬৪ দা ভারত সরকারনা নোংমৈ কাপ্পা লেপনবগী রাফম য়াই। য়ানবা অসিগী অহানবা শরুক্তা হায—"ভারত সরকারনা নাগালেণ্ডদা শান্তি পুবরুবা লৌখংলকপা খোংথাং খুদিংমক তরাম্না ওকই অচুগা পান্দম অসিগীদমক মাংজোননা পনগ্রবগুম্না লানহৌবা কংবুগী লুচিংবশিংগা রারী শানগদোবা নাগালেণ্ড সরকারগী মীহুৎশিংনা চুমশিল্লনবা ভারত সরকারগী মীহুৎ থাবক্তনি। রারী শানবা অসি নিংথৌনা চংথবা য়ানবা অমসুং ১৯৬৪ গী আগষ্ট ১০ দা থাবকপা চেরোল অচু

খংজিনবগা লোয়ননা ১৯৬৪ গী সেপ্তেম্বর ৬ তগী অমদি মসিগী মতুং থা অমগী দমক সিক্যুরিতি ফোসনা মথাগী হবকশিং অসি তৌরোই—[ক] জঙ্গল ওপরেসন; [খ] লালহৌবশিংগী কেম্পদা লান্নবা. [গ] সেক্যুরিতি পোস্তশগী গজ ১০০ লাপ-থোক্না পেত্রোলিং চৎপা, [ঘ] খুঙ্গংদা মীরোৎ থীবা; [ঙ] নোংথক্কী থবক, [চ] ফাবা পুনবা, [ছ] চৈরাক পীবা ওইনা নমতুনা থবক শুহনবা। হায়রিবা য়ানব্রাবোনশিং অসি চংনবিদা লালহৌবশিংগী থবক্তা চয়েৎনবা হায়বগীদমক মরাল শীহুনা শেল কোংহনবগী চৈরাক পীরোই ”

য়ানব্রাগী অনিশুবা শরুক্না মথক্কী হিরমশিং অসি তৌদবগা লোয়ননা অতৈ হিবম থরম্ নুলালহৌবশিংনা তৌরোইদবনি হায়। হিরমশিং অদুদি—[ক] খংহৌদনা লান্দাশিনবা অমসুং লাঙ্গোই চনশিনবা; [খ] শেল কোংহনবগী চৈবাক, [গ] নমতুনা ফাবগা লালহৌবা ওইহনবা, [ঘ] য়ৈথায় থুগাইবগা থবক, [ঙ] সেক্যুরিতি পোষ্ট, টাউন অমসুং রায়েন থোদাগী মরুওইবা মফমশিংদা লান্দাশিনবা অমসুং নোংমৈ কাপ্পা, [চ] খুৎলাই য়াওনা নত্রগা লালহৌবা লাম্নাগী ফিজেং লৈতেংতুনা টাউনদা, খুঙ্গংদা অমদি রায়েন থোদাগী মফমশিংদা চংলোইরোবনি, কবিগুর সেক্যুরিতি পোষ্ট লৈবা মফমদনা পোষ্ট অদুগী অকোয়বদা গজ লিশিং অমনা কোক্লিবা লমগী মচুংদা চংলোইদোবানি হায়।

য়ানব্রাগী অতৈ শরুকশিংদা হন্ননা কাপ্লক্লিবমখৈ সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈ কাওবা অদুগা য়ানব্রারোলশিং অসি চংনরিদৈ

মতুংদা চাংদে ৰশিংনা মীয়ৈৰাক্তগী খুং খুংলাই পুশিনবগী ৰাক্মশিং য়াওই।

নাগা লালহৌবশিংগা ৱারী শাননবা মীকোক অমগা শাবা পিস মিসন অমা শেমই। ... র অমা ওইনা ম... হাটনা জুলাই ৭.১৯৬৫ দা হায়—"মনিপুরগী ... অহুমদা হায়না নোংমৈ কাপ্পা লেপনবগী য়ানবা অসি ... বনিনা মনিপুরগী নাগা য়াম্না তাবা অতৈ সব-ডিভিজন ... অমসু নোংমৈ কাপ্পা লেপনবগী মফমশিং ওইনা লাউংথোক্রবগী ৱাফম লাক্লে।" স্কোটকী ৱাফম অসি মনিপুরগী নাগ তাবা লম্মৈখে নোংমৈ কাপ্পা লেপনব মফমশিং ওইনা ...কানশিন্নবা হোৎনরকপনি। ইৱাং লৈতনা নত্রগা থৌদোক থর থোক্লনা সব-ডিভিজন অনি অসিগী ৱাফম পুখৎলকপগী মওং নাংই। ...শিনা তাবিবা মহুম ওইবনা হু...কলক থোক্লক য়াবনি। স্কোটকী ৱাফম অসি থবক ওইনা পাংথোক্লে। মিসনগা নাগা লালহৌবশিংগা অনিগী মরক্তা চংথরিবা ৱারী শানবা অহুম মতম য়ানদে। অনয়োমদা মনিপুরগা সব-ডিভিজন অহুম নোংমৈ কাপ্পা লেপনবা মফমশিং ওইনা কোনশিনখিবা অসিদা পেন্দবগী খোল্লাউ কয়া থোরকই। লৈঙাক খু পুশিং নস, ভারত সরকারবু কননা মরাল শী।

মনিপুরগী লৈরিবা কংগ্রেস মিনিষ্ট্রিনা নোংমৈ কাপ্পা লেপনবগী মতাং অসিদা করিগুম্বা তৌবা ঙমদে। হিরম অসিনা মখোয়দা পাও ফাওবা থংহন্নমদে হায়না কোংদে কই। মনিপুর

টেৰিটৰিয়েল কংগ্রেস কমিতিনা। ৱাকম অসিবু য়ানিংদবা ফোংদো-কই। মাচর্চ ২৬, ১৯৬৫ দা ইন্দিয়ন নেসনেল কংগ্রেসকী প্রসিদেন্তদা মনিপুরগী শক্তম কায়দনা থম্নবা তক্লে। অতুগা জুন ২৫, ১৯৬৫ দা হোম মিনিষ্টর গুল্জারীলাল নন্দদা পাংবা চেংরোল অমনা লালহৌবশিংগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা মনিপুরবু নাগালেণ্ডদগী খায়দোক্লবা হায়।

মনিপুর টেৰিটৰিয়েল কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্তনা থোকপা আপীল অমদা মনিপুরগী সব-ডিভিজনশিংবু নোংমৈ কাপ্পা লেপনবা মফমশিং ওইনা কোনশিনকপগীদমক সুংঙাইতবা ফোংদোকই। হায়রিবা থবক অসিনা মনিপুর সরকারবু শান্তি ঙাকপগী থবক পায়থংপা ঙমহন্দে, লোয়ননা নাগা লালহৌবশিং-না পকিস্তান্দগী খুংগু-খুংলাই পুশিনক্লুনা ইবাং হেননা থোক-হনবগী খুদোংচাবা পীরে হায়না মরাম শী। চেংরোল অসিনা মথাতানা হায়—"হোম মিনিষ্টরনা মনিপুর সরকারগী অয়াবা হাননা লৌদনা করম্না মনিপুরগী লমশিংবু নাগালেণ্ডগী মতাংদা ইনবা য়ানবানা কোনশিল্লিবনো ঙক্লা থোকই। হোম মিনিষ্টর-না মনিপুরগী অপুন শক্তম কায়দনবা থবক পাযথংপা চুমদে। তঙাইফত্রবদি মমাংলৈদগী চংথরকপা মওংদা মনিপুরীশিংনা মশাগী ঈ পীত্না লৈবাক অসিগী অপুনবা ঙাক্লবা হোংনগনি।" মনিপুরবু ষ্টেটকী থাক্তা থমদবা মরম্না লৈঙাক্লোনগী ওইবা হিরম অসিদা মনিপুর সরকারনা হায়বদি কংগ্রেস মিনিষ্ট্রিনা মপাঙ্গল ফুদোকপা য়াদবনি হায়বসি মনিপুর কংগ্রেসনা থংদে। অপংবা ফুদোকপা ওইনা ঈ পীবগী ৱাফম কাংথোক্লগা ভারত সরকারবু কিহননবা হোংনৈ!

১৯৬৫ দা লিংখৎপা ওল মনিপুর পীপলস কনভেন্সনগী নোংমৈ কাপ্পা লেপনবগী মতাংদা অকনবা ফিরপ লৌই। কনভেন্সন অসিগী প্রসিদেন্ত এস, মনাওবীনা সেপ্তেম্বর ১৭, ১৯৬৫ দা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীবা মেমোরেণ্ডমদা হায়—

"উখ্রুল, মাও, মারম অমসুং তমেংলোং নাগালেণ্ড শরুক নত্তে, মরম অদুনা সিজ ফয়ারগী এগ্রিমেন্ত অসি লমশিং অসিদা চংনরোইদোবনি। সিজ ফায়ার এগ্রিমেন্ত অসি ভারত সরকার অমসুং নাগালেণ্ড নত্রগা হেন্না চুমদি "নাগা ফেদারল গবর্নমেণ্ট' অসিগী মরক্তা লৈবনি, অসাম নত্রগা মনিপুরগা নত্তে, মসিগী রাক্ষম অসি সংবিধানগী রাংমর লৈ। অমসুং সংবিধান কায়বা রাক্ষম। পাকিস্তান্না খুংলাই পায়দুনা কাশমীরদা লাক্লে ভারকপদগী জাতি অসি অথুবা খোরমগী মখাদা লৈবে। মরম অদুনা অদুকী মতিক যান্না থুনা মফমশিং অসি সিজ ফয়ার এরিয়াদগী লৌথোক্লুনা সিভিল গবর্নমেন্তগী মখাদা থমলবদি নোংপোকথংবা ওমখৈ অসি চেংশিনগনি।"

মরিস্নুবা মতাং

ষ্টেটহুডকী অন্দোলন

১৯৬৫ দগীনা মনিপুরনা ষ্টেট ওইবা ফাওবা হায়রদি '১৯৭১ ফাওবা মনিপুরগী লৈঙাক্লোনগী খোংথাং অসি অনৌবা লালওং অমদা চংশিল্লি। লৈঙাক লুচিংবশিংনা লৈঙাক খুৎপু ওমদগী অতোপ্পা খুৎপু অমদা চোংথোক চোংশিন শান্নহুনা লৈঙাক্লোনগী লৈতাদবা ফিবম অমা শেমই। নহারোলশিংগী পেন্দবগী ঈহৌশিং শক্লোন কয়াদা মকা ফোংই। ভারতগী তোথায় তানবা ঈহৌ অমসু কন্না ফুগৎলকই। লৈঙাক খুৎপু-শিংনা মনিপুরবু ষ্টেট ওইহননবা অনৌবা শাফুগা লোয়ননা ফুজিল্লি। মনিপুরগী লৈঙাক্লোনগী ইতিহাসতা চহি ৭ লোম লিশাংশিংন ভারত সরকারগী থৌশিলবু শিংনবা মশকনাইবা তাংকক অমনি।

মীখল অমসুং মিনিষ্টি শেম্বা:—

১৯৬৭ ত. পাংথোকপা টেরিটরিয়েল এসেমব্লীগী মীখলদা লৈঙাক খুৎপুশিংগী মীরেপশিং কাবগী মশীংদি কংগ্রেস ১৬, সোস্যিয়েলিষ্ট ৪ কম্যুনিষ্ট ১ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ত ৯ নি খুাইদগী মশীং য়াম্না কাবা খুৎপু ওইরিবা কংগ্রেসনা ইন্দিপে-

ন্দেন্ত ৭ লৌশিল্লগা কংগ্রেস মন্ত্রিমণ্ডল শেমই। এম, কোইরেং সিংহনা চিফ মিনিষ্টর ওই ওতৈ মনত্রিশিংদি সিবোজারহো এন, তোম্বী সিংহ, মহম্মদ আলিমউদ্দিন অমসুং গোখেনপাওনি। মার্চ ২১, ১৯৬৭ তা এসেমব্লী হৌদোকই। এস তোম্বী সিংহ অমসুং কে এইচ চাওববু মথংশিংনা স্পীকর অমসুং ডিপুতি স্পীকর খল্লি। লোক সভাগী মীহুৎপা ওস্পাবকী ওইনা কম্যুনিষ্টকী মীরেপ এম, মেঘচন্দ্র সিংহবু খল্লি, চৌংগীনা রিশাং কৈশিং কংগ্রেসনা কায়।

চেংথোক চোংশিনঃ—

এম, এল, এ শিংনা চোংথোক চোংশিং মখোয়না সরকার কায়থোক কায়শিন তৌহনবগী শাংলবা ইতিহাস অমা ১৯৬৭ ফগী হৌই। সরকারচবা হৈরং কৈতোনবা কৈরোনবগী ফিবম অমা শেমই। জুন ২০,১৯৬৭ কী কংগ্রেসকী পার্লিয়া-মেন্টরী কমিতিগী য়াবেপনা স্পীকর অমসুং ডিপুতি স্পীকর ওইরিবা সলাম তোম্বী অমসুং খুইরাকপম চাওববু পার্তিদগী তোক্লবগী য়াফম তকশিল্লি। মখোয়বু পার্তিদগী তাম্থোকপগা লোয়নন' মখোয়গী মথক্তা থাজদবগী য়ারোল অমা এসেমব্লীদা থাকংলি। সেপ্তেম্বর ২১,১৯৬৭ তা থাজদবগী য়ারোল অসি খল্লনবগীদমক মতম লেপই। লেপলিবা মতম অসি য়ৌত্রিংঙদা কংগ্রেসতগী এম, এল, এ নিপাল চোংথোক্লনা ইউনাইতেদ ফ্রন্টদা য়াওই। কংগ্রেসনা মশীং য়ামদবা থুংপা অমা ওইরকপগা লোয়ননা ওক্টোবর ৪, ১৯৬৭ তা কংগ্রেস

মনত্রি মণ্ডল ক্ষম থাদোকই। কংগ্রেসতগী চোংথোরকপা এম এল এশিংদি লোংজম থম্বৌ সিংহ, সেরাম অঙৌ, আশ্রব আলি, সোঁখুলেন অসোন; ডিমজালম কিপগেন কে, এনভি শ্রীমতি শাইনিং অমসুং রাজমোহন সিংহনি। পুননা এম এল এ ১৭ লৈবা ইউনাইতেদ ফ্রন্টনা ওক্টোবর ৬ তা সরকার শেমই। ফ্রন্ট মিনিষ্ট্রিদা মনত্রি মচা লৈ। চিফ মিনিষ্টর লোংজম থম্বৌ সিংহনা ওই, অতৈ মনত্রিশিংদি সেরাম অঙৌ সিংহ আশ্রব আলি, বিরমঙ্গোল সিংহ, অমসুং কে এনভিনি।

ইউনাইতেদ ফ্রন্টনা সরকার পায়ফাম্ভি লৈদা। কংগ্রেসতগী চোংথোরকপদা ওাইরিবা ডিমজালম কিপগেননা খুৎলৈথুনা কংগ্রেসতা অমুক হনজিনখিবগা। লোয়ননা ফ্রন্টকী মপুন্সি তেনশিনহল্লি। এম এল এ মশীং তরাতরুক তরাতরুক লৈনহ্না কংগ্রেস অমসুং ইউনাইতেদ ফ্রন্টকী মপাঙ্গল চপ মান্নৈ। ওক্টোবর ১৬; ১৯৬৭ তা কংগ্রেসনা ইউ. এফ মিনিষ্ট্রিগী মথক্তা থাজদবগী রারোল অমা থাঙ্গৎলি। স্পীকর অমসুং ডিপুতি স্পীকর অনিমক হাননা ক্ষম থাদোকখিবা মরম্না ওক্টোবর ২২ দা ফম্বা মীফমদা ময়াইকৈগী তাংবল লোবিনবা লৈতবদগী মীফম ফম্বা য়াহন্দে। লৈঙাক পথাপকী ওইনা শরক শিন্নিবা (কনষ্টিটুসনেল ডেদলোক) অমিদগী কননবা ওক্টোবর ২৫, ১৯৬৭ তগী মনিপুরবু প্রসিদেনতগী সাসন মখাদা থমই। এসেমবলীদি মুৎথত্তে। প্রসিদেনতগী রায়েন থোঁদা হেক্ক লৈবগা ইউ এফকী এম এল এ মচা অমা কংগ্রেসতা চোংশিল্লি। কংগ্রেসকী কিবম কপাংলকপগা। লোয়ননা

ফেব্রুয়ারী ১৯ ১৯৬৮ দা কংগ্রেস মন্ত্রি মণ্ডল লেমই। এন; কে। ইবোং সিংহনা চিফ মিনিষ্টর ওই। অতৈ মনত্রিশিংদি এল; সোলোমোন, এন ভাম্বী সিংহ অমসুং গোখেনপাওনি সিংবো সাবাংহা ছু ৎ এন ইবোমচা সিংহবু মৎ লিংবনা মৌকর অমসুং ডিপুতি স্পীকর থল্লি।

নৌবা লেম্বা কংগ্রেস মনত্রি মণ্ডল অসিসু কুইনা হিংবা ঙমদে। সেপ্তেম্বর ১৯৬৯ গী অহানবা চয়োলদা চোংথোক চোংশিনগী ইরাং অমুক হৌরকই। কংগ্রেস মনুংদা কোইরেং গী কাংবু, সিংবো লারহোগী কাংবু হায়দুনা কন্না মুক্লে। মতুংদা লারহোং, গব্রুইব, ত ফিরউদ্দিন, পাওখোহাং অনৌবি অমসুং থম্বো কংগ্রেসতগী চোংথাবকই অমসুং ফ্রন্টকী মপাঙ্গল হেন্গংলি। অদুবু মনত্রি মণ্ডল লেম্বগী পাদোংচাব কংদে। এম এল এশিংগী ফিবমহাবা রাজনিতিনা নাইত চাদবা মৎ লোয়ননা মবাচেৎপা সরকার অমা লেম্বা ঙমলাইদোবা ফিবম স্রেংলগা মনিপুরবু অনিরক শুরকপা ওইন প্রসিডেনতগী সাসন মথাদা থমই।

লৈঙাক্লোনগী ইহৌশিং –

ইউনিয়ন টেরিটরিজ এক্ট ১৯৬৩ গী মথাদা এসেমবলী লিংবনা মনিপুর মীয়ামগী অপি অমসুং অপাম্বা থুংহনবা ঙমদে। মীয়ামগী মাংদা লৈবিবা থাইদগী মরুওইবা রাজ্যমদি মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইনা লৈরংশিবা মনিপুরনা ভারত্তা পুন্নবা মতুংদা টেরিটোরিগী থাক্তা করিগীদমক হস্কগদৌরিবনো হায়বসিনি।

...গা অনিশুবা ব্লাকন্না ইতিহাসকী যা...দা ...ই মন্না ওইনা অমুক্তা শক্তাক্লক্তিবা নাগালেণ্ডবুনা ষ্টেট অম ...ইন থাঙ্কৎলগা মনিপুরনা ষ্টেটকী থাক্তা পুখৎপা করি মরমগী ...বাইদৌরিবনো হাযবসিনি। নাগালেণ্ডব মপুং ফাবা ষ্টেট ... ...ইহনবনা মনিপুরগী মতাংদা ভারত সরকারা লেপ্লক্লিবা ফিবম অমসুং থৌশিলবু অয়ানবা তাহল্লি। মনিপুরবু ষ্টেটকী থাক্তা পুখত্নবগী মরমশিংদি শেল থুমগী ফিবম চেক্তে অদুগা ম... ...লচাক ব্লায়েন পথাপ চৎপদা মশা ইৎপা ঙম্লোই হাগ... ...নি। হায়রিবা ব্লাকশিং অসিনা নাগালেণ্ডগ্ ষ্টেট ... ...রুংদদি অথৌংবা নত্রগ ...পনদ, করিগু পীদে ... ...ঙ্গা ...না মনিপুরগী ব্লাযেন ...পাগী থুক্তি ... মথোয়না মনিপুরগী মীয়ামগা পুক্চেল খোইজেল তিন্না চংমিন্নব ঙমদে। মনিপুরগী ব্লাযেন ...দা অসি মীযামদগী পুমলাপ লাপথোকই। ফিবম অসিদা ভারত সরকারগী থৌশিলবু শি...গী ঈহৌ অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলকই। শকঙং কযাদা ঈহৌগী মশক ফোংই।

মৈতৈ ষ্টেট কমিতি:—

নিংতম্বা ফংলমদাইদগী হৌনা মৈতৈ (মৈতৈ) না মশাগী মশক থীবগী ঈহৌ অমা কন্না ফুগংলকই ... ...শাইরিক পুন্নানচিবা শিগৎপা; ফোংদোকপা, নৈনবনচিং ... ক পায়খৎলকই। মাংপ্রবা অমসুং কাউপ্রবা হিবম কয ... অমুক থিগৎলকই। হায়রিবা থবকশিং অসিগী ঈবো ন... ...লডাক্লোনগী নিংতম্বা ফংনবা ঈহৌ অমসুং শাগৎলকই চন্দ্রালনা হেড কটর ওইরগা ডিষ্ট্রিক তরাঙক্লকথোক্লা খায়দোকপা চাংমী শিংগী লৈঙাক অমা লিংলা হায়বা নাগা হিলসকী ডিপুটি কমিসনার জে, অইচ, হটন্না নিংতম্বা ফংলমদাইদা পুখৎখিবা থেরাং অদুনা মৈতৈ খরদা থৌটিন ফজনা পী। নাগাশিংগা

মৈতৈগা পুন্না লৈতারোনবা ফিরেপ লৌমিন্নবগী পান্দম ১৯৬২ দা ফিংবা মৈতৈ ষ্টেট কমিতিনা থম্নই। ... ... লৈনবা মতাং অমা য়াংথাসো শিজ্জানা পি ... হায় — "মনিপুরগী নাগাশিং নাগালেণ্ডগা ... ... ভুংইল্লকপা চুমই মরমদি ধর্ম্মগী খেন্নবা লৈরবস ... ... মরী থিরগা কাংলুপ অনি অসি চপ মান্নে।"

মৈতৈ ষ্টেট কমিতিনা মনিংতম্বা ... মন্নুংদা মনিংতোব (ওতোনোমস) মৈতৈ ষ্টেট অ... কমিতি অসি নাগা ফেডারেল গবর্ণমেণ্টক ... ... চৎখি। নাগা লালহৌবশিংগা মরী ... ... খুৎলাইনচিংবা খোমজিনি। সরকারগী ... ... পোরন পোমিং য়াংদ। কমিতি অসিন মনিপুরগা মহারোল শিংদা ফজনা হৌখিদ পীবা ওমই। অদুম ওইনমক নাগালেণ্ডগী লমজিং মখাদা হোৎদোবা লালহৌ ওইবন মহারোল কাংলুপ খরদা হুন্দনবা পোকহল্লি।

মৈতৈ ষ্টেট কমিতিনা মশাগী পান্দম ... ... শিং নিংথিনা পায়খৎপা ওমজিনৈদা মনিপুর সরকারন ... তি অসিগী থৎক চৎথরকপা ওমদনবা অকনব ... ... । ১৯৬৭ কী নবেম্বরদা কমিতি অসিগী প্রেসিদেন্ত ... ... সেক্রেটরি য়াওনা মীকোক ৬৩ ফাজিন্না, লোকেমশিং ... অমসুং মরুওইবা চে-চাং কয়া ফাই। থোংদোকপিং ...গী মতুংদা মৈতৈ ষ্টেট কমিতিগী হৈরাং নেমথৈ। মনিপুরগী সরকা

রনা হায়বা মতুং ইপা "১৯৭০-৭১ দা কমিতি অসি পুমতক তকথাই অমসুং "১৯৭১-৭২ দদি মসি পুম্মং মুংলি ' মতুংদা কমিতি অসি শেমগৎ শাগৎপগী হিবমদা পুক্লিং থিংজি' লুপ অমা ওইনা হিংই।

নহারোলশিংগী ঈহৌ :—

মনিপুরনা লৈভাক্লোনগী থাক্তা হন্নবদা নত্তুনা ফম্নাইবশিংনা তৌনিংবতা তৌবা য়াবা রায়েন থৌদাগী শকওংগা লোয়ননা মশাগী থুদোংচাবা অমসুং ওইজবা থৌবনা মবম ওইহুনা মনিপুর দা নহারোলশিংগী পেন্দবগী ঈহৌ অসি মওং কয়াদা থোরকই। নহারোলশিংনা সরকারবু শিংনবগী থৌরমশিং পায়খৎলি। সরকারগী মথক্তা পেন্দবগী খোল্লাউ লাউই অমসুং সরকারগী অমোৎপা কয়া পুথোক্নুনা নৈনৈ। মনিপুরগী লৈভাক লুচিং বশিং অমদি লৈভাক খুৎপুশিংগী মথক্তা পেন্দবা ফোংদোকই লননাইগী ওইবা ওর্গেনাইজেসন কয়া শেমহুনা অনৌবা লালওং অসিদা ফুজিল্লি। থোইদোক হেদোক্লা ছাত্রশিংনা হিরম অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌই। ছাত্রশিংনা মনিপুরবু ষ্টেট ওইহনবা অন্দোলন ফাওবা চংশিল্লি। মওং অসিদা কা হেনবা লম্বাদা থাজবা নহারোল কংলুপ অমসু থোরকই।

পান মোঙ্গোলোইড মুভমেন্তগা মথাদা কাহেনবা লম্ব দা থাজবা নহারোলশিংগী ঈহৌ অসি শাগৎলকই। ঈহৌ অসিগী পান্দমদি মনিপুরীশিংনা লুচিংবা মোঙ্গোলোইদশিংগী মনিংতম্বা লৈবাক অমা অরাং নোংপোক ভারত্তা লিংখৎপানি। পান্দম

অসি পাংথোক্লবা চক্ত মাইকৈ খুত্তংনা লানহৌবনি। মহুংদা লোয়না শাগৎপা ওর্গেনাইজেসন অসি ইউনাইতেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্টনি হায়না শরুক তাঙই। ১৯৬৮ গী ডিসেম্বর ২৯ দা পোলিটিকেল অর্গেনাইজেসন মায়োকপা মনিপুরী য়ুথ লীগ পু ফ্রন্ট আসিগী "মপান্দগী ওর্গেনাইজেসন" ওইনা মনিপুর সরকারনা লৌই।

ইউনাইতেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্টকী মরী লৈনবা নহারোলশিংগী মহুংদা পুকচেল থাংজিন তিন্নবা মেমবরদগী নহারোল কয়া অমা মেতৈ লৈবাক কামাতিদা য়াওই। আগই ১৯৬৮ দা অত্তোম্বা কাংলুপ অমসু ফ্রন্ট আসিদগী হায়দোরকই অমসু ইন্দিয়ানগী গবর্মেন্ট অমসু মনিপুর শেমই। অহুবু খুংচিল্লগা ওর্গেনাইজেসন অহুম অসিদা য়াওবা নহারোল শিংবু সরকারগী মথক্তা লানহোৌবা ওইনা লৌই। "১৯৬৯ দা পাকিস্তানগা মরা লৈনবগী নহারোলশিং অসিনা মনিপুরবু মরা তপহন্দনবা থৈরাংশিংগী থবকশিং চৎথরগনি হায়না মনি-পুর সরকারনা শেংনা প্লাও ফংলম্মী।" থোলোক অসিগা মরী লৈননা মনিপুর মচা নহারোল ৮৩ মনিপুরদা ফাজিল্লি। ত্রিপুরাদা ৫৬ অমগা মেঘালয়দা ১ ফাই। মনিপুর সরকারনা হায়বা মতুং ইন্না ঈহৌ অসিগা মরী লৈননা ফাজিন্দুনা থম্বা নহারোলগী মশিং ১৪২ নি।

১৯৭১-৭২ দা ঈহৌ অসিগা মরী লৈনবা থবকশিং সরকারনা লাকশিল্লি। মনিপুরনা ষ্টেট ওইরকপগা লোয়ননা

লালহোই হায়রিবা নহারোলশিংবু চংজক্ম পীনবগী থৌশিল চংথে। জুন ২, ১৯৭২ দা মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টর মহম্মদ আলিমউদ্দিন্না নহারোলশিংগী মতাংদা ষ্টেট এসেমব্লীদা লাউথোকপা ৱারোলদা হায়—"নহারোলশিং অসি মনিপুরী চাক্তনি। ঐখোয়না মখোয়বু ফত্তবা নাকললোমদগী ডাক য়েংলোইদোবনি। মনিপুরনা করিগুম্বা ওননা মপং ফাবা ষ্টেট ওইরমলবদি থৌদোকশিং অসিথোক্লমদবা য়াই। নাগাল্যেণ্ডনা ষ্টেট ফংখিবা অতুদা নহারোলশিংবু শাথীনা মুংচাইহনখিদবনি। নহারোলশিং অসিগী থম্মোয়দা মরৈবাক মুংশিবগী ইহুল কাওই। মনিপুরনা ষ্টেট ওইদবা হায়বসিনা মখোয়বু শাথীনা পেলহন্দে। মরম অসিনা মখোয়গী পান্দমদি মনিপুরীশিংবু মনিং মথা তৎহনবনি। ঐহাক্না মনিপুরগী গবর্ণমেন্টনা পাওতাক পীবগী মতুং ইন্না রাকম অসি ভারত সরকারদা থাক্নলে। মরাই মীহাৎ মীপুনগী মরাল লৈরবা নত্তবা নহারোলশিংবু থাদোক্রবগী রাকম ভারত সরকারনা য়ারক্লে। আইনগী লোইশংনা রাকম অসি য়েংশিল্লি। হুমিৎ ছরিগী মতুংদা জেলদা লৈরিবা নহারোলশিং থাদোক্লগনি হায়রবা রাকম অসি· ঐহাক্না লাউথোক্লি।" নহারোল ৫৫ জেলদগী থাদোকই। ক্রোক্তুনা লৈবা নহারোল ৫ মপান থোরকই। লেমহৌবা অতৈ করা অমসু মতুংদা থাদোকই নত্রগা চংজক্ম পী।

·

নহারোলগী ঈহৌনা মনিপুরগী লৈতাক্লোনগী ইচেল্লা অকনবা শাক্ পী। মনিপুরগী লৈতাক খুৎপুশিংনা ইংনা চংলুবা মওং, অতু থাদোক্লগা লৈতাক্লোনগী ওইনা থেংনা ফংৎ-লকই। কা লেরবা লমীদা থাজবগা লোয়ননা মনিপুরবু মনিং-

মথা তম্বা লৈবাক অমা ওইহনববা পুখৎলকপা; ঈহৌ অসিনা লৈপাক খুংপুশিংদা য়াম্না ফংহল্লি। মনিপুরনা ষ্টেটহুড ফংননবগী অমত্তা ঙাইরবা নবম ওইহল্লি।

মনিপুর সোস্যিয়েলিষ্টকী খুদোংচাবা লুচিংবা লইশ্রম অচৌবা কা হেনবা কন্থীদা থাজবশিংনা খুদোংচাবা লৌরক্লি লৈদা মনিপুরদা ষ্টেটহুড পীনবগী রাখম বননা তকশিল্লি। কম্যুনিষ্টকী এম পী অমা ওইনা মোইরাংথেম মেঘচন্দ্রনা লোক সভাদা রাখম অসি পুখৎলি। মনিপুর ষ্টেট কংগ্রেসনা হায—"মনিপুর অমসুং নাগালেণ্ডঅনিগী মরক্তা লৈরিবা লৈঙাক্লোনগী থাক মানননবা মওং অসিনা মনিপুরদা লৈবা মীওই কয়ামুক্তা ভরত সরকারদা থাজবা থমদননবগী মরম ওইহল্লি অমসুং মীয়াম্না শেংলানবা কন্থীদা লমজিংই।" মনিপুরনা ষ্টেট ওইবগা লোয়ননা হায়রিবা ইরাং অসি অহুম মাংখিগনি হায়না মনিপুর কংগ্রেসনা ফোংদোকই। কংগ্রেসনা ইরাং অসি পিকশিনন হায়রবসু মতাং অমদা অমুক চাওথোকহল্লি। নাগাগী মিজোরগী লৈরিবা ইরাংশিং অহুনা মনিপুরদা খুদোংচাবা য়াম্না লৌরককনি হায়রগ অরিবা ফোংদোকই।

ষ্টেটহুডকী রাখম তরুবা:—

১৯৫৪ অমসুং ১৯৬০ দা হৌখিবা আইন সভাগী অন্দোলন শিং অসিনা মনিপুরী লৈঙাক্লোনগী থাক লেপ্লদা অকনব ইথিল পীরবসু, মনিপুরবু ষ্টেট অমদি থাজ্জ পুথংহনবগী ওমদে। অহুম ওইনমক মনিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক খুংপু খুদিংমক্তা আইন সভা লিংনবা অমসুং মনিপুরবু ষ্টেট অমা ওইহননবগী রাখম

তকশিন্দনা লাকই। ১৯৭০ দদি ষ্টেটহুডকী অন্দোলন অসি থিংঙমদবা মওং অমদা ফুগংলকই।

মনিপুরবু ষ্টেটকী থাক পুথংনবগী মতাংদা ওল মনিপুর পীপলস কনভেন্সননা অকনব থিরেপ লৌই। কনভেন্সনগী অসিগী প্রেসিদেন্ত লাইশ্রম মনাওবীনা সেপ্তেম্বর ১৭, ১৯৬৮ দা প্রাইম মিনিষ্টরদা থাবা মেমোরেণ্ডম অমদা হায়—

"কনাগুম্বা মীওই অমত্তন মনিপুর মচাদা তৌবা অসিগুম্বা অনিশু থাক্কী হন্নবা লৈবা প্রজা ওইবা পাম্ফদ থোক্কে। অতৈ ভারত মচাগা মান্নবা অহানবা মথংগী প্রজা ওইবা নাগালেণ্ডদা লৈবা নাগাশিং অসি শেল থুমগী মাইকৈরো মসু অদুগা রাজনিতীগী মাইকৈরোমদসু হেন্না ফবা ফিবমদা লৈ। লোননদ সম্নাফুদ লৈবা মথোয়গী মচিন মনাওশিংনা হেনা রাংবা থ অরাংকথদ খুদোংচাবা অমসুং তুংগী হেন্না অচৌবা ওইজবা ফংজব। অসিদা মনিপুরগী অরাং থংবদা লৈবা সব-ডিভিজন অহুমদা নাগাশিং অসিসু শোয়দনা মীহোৎফম থোকপনি। মনিপুরবু মীরাইরগা নাগালেণ্ডদা হেন্না অচান মীরাই নাইবা মচৎ চংপ অসিগীদমক ভারত সরকারনা লায়না পুক্ষম থোকই মনিপুরমচাশিংনা হাননগী ষ্টেট অদু অমুক হন্‌জিনবিয়ু হায়না অসি অচুম্বা দাবীনি অমসুং কংকম থোকপনি মসি পীবসি হেজিন্না হেন্না খুদোংচাকম থোকই। নাগালেণ্ড মনিপুর অমসুং লকবা লমশিং অসিদা থোক্কিবা চয়েংনবা রাকশিং অসি লোইনবা মসিনা মজেং পাংগনি।"

১৯৬৬ কী সেপ্তেম্বর ১ দা মনিপুর টেরিটোরিয়েল এসেম্বলীনা মনিপুরবু মপুং ফাবা ষ্টেট ওইহন্নবা ব্রারেপ লৌই।

কম্যুনিষ্ট পার্টিনা হৌখিদুদকী ব্রাফম অসি হান্নদগী তকশি ন্দুনা লাকই। ১৯৫৮ দা হৌরম্বা মনিপুর ষ্টেট এসেম্বলী মুভমেন্ট [illegible] পথাপনা পীরিবা মকওইগী অধিকারবাসং অ [illegible] ১৯৬৭ তা খোংবা পার্টি [illegible] মঙ্গল চাওবদ [illegible] ১৯৬০ দা সোসিয়েলিষ্ট অমসুং [illegible] ভাইন সভা লিংখৎলবগী চংশিনবা অন্দোলন অমত্তু কংগ্রেস সরকার [illegible] হায়বনা কংগ্রেস [illegible] মনিপুরবু [illegible] ওইহনবগী লোয়ননা চাংদা [illegible]।

[illegible] মনিপুর সোসিয়েলিষ্ট পার্তি পুনশিনবা ইউনাইতেদ ডিমোক্রেতিক ফ্রন্ট শেমঈ। ফ্রন্ট অসিনা মনিপুরগী চাং তনঅপুনবা শক্তম কায়হন্দনা ষ্টেটকী শক্তম ডাকশনদা সরকার অমা লৈহন্নবগী ব্রাফম থাঙ্গৎলি।

মনিপুর টেরিটরিয়েল কংগ্রেস কমিতিনা জুন ১৭, ১৯৬৭ তা লৌবা ব্রারেপনা মনিপুরবু ষ্টেট ওইহননবগী ব্রাফম তকশিল্লি। ব্রারেপ অসিদা য়াওবা হিবন কযাগী মনুংদা মীয়ামগী পুক্রিং কোংদোকপগী ব্রাফমসু য়াওই। ব্রারেপ অসিদা হায়—যুমথংনরি বা নাগালেণ্ডবুনা ষ্টেট ওইহনবগা লোয়ননা অচৌবা নাগালেণ্ড অমা শেম্নবগী খোংজং চংশিল্লক্লি। অদুগা মনিপুরগী মতাংদনা মীয়ামগী অপাম্ববু থৌশাদবা অমসুং আইন থুগাইদুনা মীয়াম্ব

খুদোংথৈবা পীব, ভাবতকী ওইনা থোইনা খন্দবা মী কাংলুপ অমগী অপান্বদা ভাবত সরকারনা নপশিনবা অসিনা মনিপুর মীয়ামগী নিংবা কাযবে লোযননা থাংবা ওম্বগা পাঙ্গলস্ লোই-রে।" মনিপুববু ষ্টেট ওইহনবনা মনিপুব মতুংদা 'ভারতগী তেং ঁয় তানবা হেংনব বশিংগা থবক মথ ন ম ন লপচাখিংগনি" হায়না পল্লি। অদুগা ১৯৬৮গী জুন ১৩ দগী ১৬ ফাওবা যম্বা মনিপুর পেলিটিকেল কনফবেন্সনদা মনিপুববু ষ্টেট ওইহ-নববগী মবমশিং শুগাহনা হায। মনিপুববু ষ্টেট ওইহনবনা অরাং নোংপোক ভাবতু হিন্দুস্তানগী ওইনা উংশওনরিবশিং নেমথহনগনি অমসুং চিনা নত্রগা পাকিস্তানগা মাতং লৌতুনা ভারতক অপুনবা থুগাইহনবা হোংনরিবশিং থবক খিংগা ওমগনি হায়।

লমগী লৈভাক খুংপুশিং –

১৯৬৫ দা ওন মনিপুব পীপলস কনভেন্সন শেমই। ১৯৬৭ ত পাংথোকপ মীয়ামগী মখল থোংনৈ ১৯৬৮ দা মনিপুব লসানেশিং পুতি লেংনই ড যবিবা চহি অসিদা মনিপুর লেসনেলিষ্ট ওর্গেনাইজেসন পাতি হাযবা খুংপ অমসু থাবকই। ১৯৬৮গী ডিসম্বব ২৬ তা মনিপুর পীপলস পার্তি শেমই। লমগী ওইবা লৈভাক খুংপু অসি কংগ্রেসমতা চাংথোরকপা মীওইশিং হায়বদি সলাম তোম্বী, যুমান য়াইমা, খুইরাকপম চাওবনচিংবগী লুচিং মখাদা শেম্বনি। মতুংদা হেমাম নিশমনি লাইশ্রম মনাওবী, কৃষ্ণমোহন, যোগেশ্বব, নিজমনি শর্মা, আলিমউদ্দিন, সলাম গমভীরনচিংবা য়াওশিন্দুনা খুংপু অসি

মপ হুন্না কনখ্রবদা শরুক য়াই। চম্বা লুচিংবীশিংদি মনাও শীজ, সিমলা, মণিব, সনাতোম্বী, পরিজাৎনচিংবনি। লৈভাক খুৎপু অসিনা মনিপুরগী তুংগী লৈভাক্লোন্দা অচোবা থৌদাং লৌই।

ষ্টেটহুডকী আন্দোলন :—

ফেব্রুয়ারী ১৯, ১৯৬৮ দা ওল মনিপুর ষ্টেটহুড ডিমান্দ কমিতি শেমই। কমিতি অসিদা য়াওবা লৈভাক খুৎপুশিংদি এন এস পী, সি পি আইশি, সি পি এম অমসুং পি এস পানি। কমিতি অসিদা য়াওরিবা খুৎপুশিংগী মীহুৎশিংনা মে ১৯৬৮ দা দিল্লীদা চত্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা মেমোরেণ্ডম পী। সেপ্তেম্বর ১৯৬৮ দা হোম মিনিষ্টর মনিপুরা লাকপ [illegible] রাকম [illegible] সংযুক্ত সোসিয়েলিষ্ট পার্তিনা নবেম্বর ১৯৬৮ দা সত্যাগ্রহ চংথৈ। মনিপুর টেরিটরিয়েল কংগ্রেস কমিতিনা ভারত সরকারনা ষ্টেটহুড পীজবদি মীয়ামগী আন্দোলন চৎথগনি হায়বা চেয়োল এমা পীশিল্লি। কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা দিল্লীদা চত্তুনা ষ্টেটহুড থুনা পীনবগী রাক্ষম তৌরি। ভারতকী লুচিংবশিনা থাঙ্গৎলক্লিবা মনিপুরগী রাফম অসি মতাং চাদ্রি অমসুং ভারতকী নোংপোক ওমথৈ অসি লৈভাক্লোনগী ওইনা পুন্না মরাচেত্তবনিনা হিরম অসিদা য়াম্না চেকশিননা খননবা তাই হায়না ফোংদোকই।

১৯৬৯ গী মার্চ ৫ দা মনিপুর টেরিটরিয়েল এসেমব্লীনা মনিপুরবু ষ্টেট ওইহন্নবগী মতাংদা রারেপ লৌই।

১৯৬৯ গী সেপ্তেম্বরদা পাইস মনিট্টর, ইন্দির, [illegible]না মনিপুরদা লাকপা মহাক্না [illegible] [illegible] থুং[illegible] [illegible] [illegible] ছাত্রশিংনা স্টুডেন্টকী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] আই; এন. এ মেমোরিয়েলগী [illegible] [illegible] [illegible] মখমদা মনিপুরগী লুচিংবশিংনা স্টুডেন্ট [illegible] [illegible] [illegible] মেমোরিয়েলগুম অকু হোম মিনিষ্টরন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমা হৌনা [illegible] [illegible] [illegible] ফোংদোকই। অদুগা ইম্ফাল মপান কাংলৈরকপদা পাংথাকপা মীয়ামগী মতিক্কদি [illegible] ইরাং থোকই [illegible] [illegible] ম [illegible] মনিপুরগী মীয়ামগা স্টুডেন্ট [illegible] [illegible] মীতিং[illegible]না থোয়াবা [illegible] হাপনা [illegible] [illegible] লোয়ননা [illegible] [illegible] অমা অদু করম্না লানথোক্নবা হায়বদু [illegible] [illegible] হায়নস্তু পাম্লি।

অক্টোবর ১৯৬৯ দা প্রেসিডেন্টগী সাসন লৈবগা লোয়ননা লৈঙাক খুংপুশিংনা স্টেটহুডকী আন্দোলনদা তেননা পুক্নি থিংজিল্লি। এস এস পি; সি পি আই, সি পি এম, এম [illegible] : পি অমসুং পি এস পি না পুল্লগা ইউনাইতেদ একসন কমিতি অমা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

ফেব্রুয়ারী ১৯৭০ দা ইউনাইতেদ একসন কমিতিনা শিন্দ্রনা হন্সর স্ট্রাইক চংনবগী থৌরম পায়খৎলি. সেক্রেটরিয়েট ওফিস মমাংদা ভোলুন্টিয়ারশিংনা থিংজনা চংথোক চংশিন য়াহন্দে। মনিপুর কংগ্রেসনস্তু হন্সর স্ট্রাইক চংখদা অমসুং ওফিস কাথোক কাশিন্দা অথীবা পাংবগী থৌরম পরেং চংথরকই।

নৈতাক খুংপুশিং অসিগী মোন্নুটিযাবশিংনা দিল্লীদা চত্তুনা পার্লিয়া মেন্টগী বংক্ক সেনা কনবিংবা প্রাইম মিনিষ্টরদা য়ুম অমস্তং পার্লিয়ামেন্টগী মমাংদা ডিমোনষ্ট্রেসন চংলি, ধারনা পাংথোকই। এপ্রিল ১৩, ১৯৬৭ দা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেণ্ডম অমা পী।

মার্চ ১৯৬০ দা কংগ্রেসকা ইউনাইটেদ এক্সন কমিতিদা য়াওরিবা নৈতাক খুংপুশিংগা পুল্লগা ওল পার্তিস ষ্টেটহুড ডিমান্দ কোওরদিনেতিং বোদি শেমই। মে ৯, ১৯৭০ দা ওল পার্তি পার্লিয়ামেন্তরী ডেলিগেসন মনিপুরদা লাকপা মতমদা বোদি অসিনা শিন্দনা মীয়ামগী অচৌবা রেলী অমা পাংথোকই। ডেলিগেসনগী মীকোকশিংনা রেল্লী অসিদা বা ফাংই অমস্তুং মখোয় মখোয়গী পার্তিশিংনা ষ্টেটহুডকী আন্দোলন অসিবু শোগৎকনি অমস্তুং তেংবাংগনি হায়। ডেলিগেসন অসিদা মীহুং য়াওরকপা পার্তিশিংদি কংগ্রেস (আর. কংগ্রেস ও), সি. পি. আই, এস এস পা, পি এস প্যা, নি পি এম. জন সঙ্ঘ অমস্তুং ফরোয়ার্ড ব্লকনি। কোওর্ডিনাতিং বোর্দনা এম পী শিংগী ডেলিগেসন অসিবা মেমোরেন্দম অমসু পী। ডেলিগেসন অসিনা দিল্লীদা থুংলগ প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পী। চেয়রোল অসিদা মনিপুরবু ষ্টেট ওইহনবগী রাফম য়াওই।

এডমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্ম কমিসন :—

এডমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্ম কমিসনগা ষ্টেটহুডকী মতাংদা থবক চংথবা য়াবা (রার্কিং ষ্টেটহুড) অমা নৈহন্নবা হায়। হায়রিবা

শক্তম অসি মৈয়াম্না পামলিবা মপুং ফাবা ষ্টেটহুডকী শরুক থর থরক ইউনিয়ন টেরিটরি এডমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্ম কমিতিনা পীখিবা রিপোর্টতা ইউনিয়ন টেরিটরিজ এক্ট, ১৯৬৩ গী ২৫, ২৭ অমসুং ৪৬ শুবা মতাংশিং শেমদোক নবগী রাকমশিং থাম্লি। ২৫ শুবা মতংগী মতুং ইন্না ইউনিয়ন টেরিটরিগী অমগী আইন সভানা পাস তৌবা বিল খুদিংমক সেন্ত্রেলনা অমুক হেন্না শিন্নবগী পাঙ্গল থাম্লনা থমই। অদুগা টেরিটরিদা শিন্নবা ... দমক এডমিনিষ্ট্রেটরনা আইন শেম্বা ওস্নগী পাঙ্গল শিন্নথোক্লবসু কমিতি অসিনা তকশিল্লি। মনিপুরদা রাজ্য ষ্টেটহুড অমা পীনগী মরম এডমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্ম কমিসননা অসুম্না হায়--"নিউ দিল্লীনা ইউনিয়ন টেরিটরিশিংগী পাঙ্গল পুন্নমক পায়শিন্দনা থমলিবা অসি কোনথোকহন্নবা, কুপনা যেংশিনবা তৌরবা অমসুং ইউনিয়ন মিনিষ্ট্রিশিংনা তারনা খুং থিংজিনবগা থবক লেপনবনি অদুগা টেরিটরিবি ... এডমিনিষ্ট্রেটর ... ফেক্টরগী তথাবা অমুক ... ... ওমকহনন ... সরভিসকী মতাংগ ম ... ... তোনবগী পাঙ্গল এডমিনিষ্ট্রেটর ... ... শিনন ... ... শিনমিংদা ... ..."

কমিসনগী রিপোর্ট অসিগী ... ইননা ভারত সরকারনা রাজ্য ... ... থোদ গী মকেক ... ... মরম ... অচ ... মেন্ট গবর্নর অমদা শিন্নই ... ... ডিপুটি কমিসনর অমগী মথাদা থম্বা ... নগ থোক্না থায়দোকই।

আন্দোলনগী অনৌবা শকম:–

ওল পার্টিজ ষ্টেটহুড ডিমান্দ কোওর্দিনেতিং বোর্দনা শিন্দুনা [illegible] ১৯৭০ দা 'মনিপুর বন্দ" পাংথোকই। বোর্দ অসিনা ষ্টেটহুড তানবা আন্দোলনগী মরী লৈননা পায়খৎকদবা থৌরম পারেং অমা য়াৎলি থৌরমশিং অদুদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতিদা শথনবা অমসুং অহাপ্পা মীকোকশিং ফম থাদোকপা, টাউন কমিতি, নোতিফাইদ টাউন অমসুং সরকারনা হাপ্পা এডভাইজরী কমিতিশিংগী মীকোকশিং ফম থাদোকপা. মনিপুরগী মীহুৎ ওইনা চংলিবা পার্লিয়ামেন্তগী মেম্বরশিং ফম থাদোকপা, ইন্দিপেন্দেন্স ডে য়াওনা সরকারগী থৌরমশিং য়াওদবা: ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতিগী অমসুং বিধান সভাগী মীথৌশিং য়াওদবা হেন্দুগা আগষ্ট ২৬, ১৯৭০ দগী সরকারগা খুৎশিন্নদবা আন্দোলন চত্থবা অসিনি।

কোওর্দিনেতিং বোর্দ অসিনা কৌবা 'মনিপুর বন্দ" অগষ্ট ৫, ১৯৭০ দা [illegible] পাংথোকই। হায়রিবা বন্দ অসি হিমাচল প্রদেশ [illegible] শিংগনি হায়না ৩১ জুলাই, ১৯৭০ দা [illegible] মতুংদা ভারত সরকারগী থৌশিলবু [illegible] থাদোকপা ওইনা চংথবনি।

অগষ্ট ৫, ১৯৭০ দা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতি বোর্দকী কমিশনারশিং ফম থাদোকই অমুগা মোইরাং, বিষ্ণুপুর, নম্বোল, কাকচিং লামলাং লম্যাই টাউন কমিতিশিংগী মেম্বরশিং ফম থাদোকই। গবর্নমেন্টবু পাওতাক পীনবা লিংবা এডভাইজরী কমিতিশিংগী

মীকোকশিংস্তু ফম থাদোকই। সরকারগী থৌরমশিং বোইকোত তৌই।

অন্দোলনগী অনৌবা শতম লৌরকপগা লোয়ননা ভারতকী লৈঙাক খুৎপুশিংনা অমদি প্রেসনা (পাওচেশিংনা) মনিপুরগী রাফম কল্লা শৌগৎলকপদগী ভারত সরকারগী ফিরেপ হোংহল্লি। সেপ্তেম্বর ৩, ১৯৭০ দা প্রাইম মিনিষ্টরনা লোক সভাদা মনিপু-রবু ষ্টেট ওইহনবগী রাফম অসি য়ারে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা চহী ২২ চংনা শোক্লুরকপা ষ্টেটহুডকী লালজং অসি লোইশিল্লি।

ভারত বর্ম্মাগী ভুমখৈ :—

১৯৬৭ কী মার্চ ১০ দা ভারতকা বর্ম্মাগা রেঙ্গুন্দা ইনবা য়ানবাগী মতুংইননা ভুমখৈ পরিং নৌনা অমুক য়াংথোকই। য়ানবা অসিনা ভারত বর্ম্মাগী খাথংবা ভুমখৈ অসি রেং লাংদগী খারোমদা মাইল মথাই অমরোম চংশিংগা য়াংশা হোৌই। মসিদগী ভুমখৈ পরিং অসি অরাং নোংপোক পাংনা রারাং লুই য়েই অদুদগা নোংপোকলোমদা কোল চুং মত্রগা সেবুল লুই য়েই মথংদা জোচ লুই পরিং ইননা সমলাং চীং য়ৌই অদুদগী সমাক নত্রগা কিমান লুইগী হৌরকফম বৌরগা খাংজা লুইগী মরিল মতুং ইনন। কাইসি লাং চীং য়ৌই অদুদগী খারোমদা কাইসি লাংগী হৌরকরালে (ফমলাইক লুই য়ৌরগা সলাখ লুই অমসুং মথংদা খেনথোং লুই অমসুং মসিগী মরিল ইননা পখিয়ান চীং য়েই। মসিদগী অরাং পাংনা চীংশাং অসিগী পরিং ইননা পারা লুইগী হৌরকফম

অমম্নং পান্না লুইগী মরিল ইন্না তিসি রা নত্রগা মিচাউং অত্নদগী অলুম অমুক তুরেল মরিল ইন্না লাকপনা কিমুং রা নত্রগা খৈমু লুই অত্নদগী কিমুং তুরেলগী হোরকফম কাশিয়া লাং মথংদা খারোমদা রাপু রাগী হোরকফম অত্নদগা তুরেল অসিগী মরিল ইন্না লোইক্ন নত্রগা তুই পুই তুরেল মথংদা তিও রা তুরেল মরিল মতুংদা ঙমখৈ য়ুম্বা ৩ শুবা য়ুংলিবা মথম ফাওবা লাকই। হায়রিবা মফম অসি লাম্হোক্লগা তুইগাং তুরেল য়ৌই। মতুংদা তুরেল অসিগী মরিল ইন্না তুইসা তুরেল ফাওবা লাকই অত্নদগী তুইসাবগী মরিল ইননা তুই রাই তুরেল মথংদা তুই কুইগী মরিল ফংলগা লুংলেন চৌংগী নোংপোক্তা মাইল মখাই অমরোম লাপনা লৈবা ঙমখৈ য়ুম্বী ৮ শুবা য়ুংলিবা মফম অত্ন য়ৌই। মফম অসিদগী ঙমখৈ পরিং অসি তুইসোর লুইদা তিল্লবা মমিং লৈতবা ইচেল অমগী মরিল ইননা লাকপনা তুইমোং তুরেল মথংদা তুইরেল তুরেল য়ৌই অত্নদগী তুইরুআম লুই য়ৌদ্রনা ৭ শুবা ঙমখৈ য়ুম্বী য়ুংলিবা মফম অত্ন ফাওবা লাকই। অত্নদগী পাইফুম লুইগী মরিল ইননা চংলগা নোংপোক পাংনা তুইরাই লুই মথংদা সুমতাই লুই মরিলদা লাক্লগা লেং তাং চৌং ফাওবা য়ৌদ্রনা ৬ শুবা ঙমখৈ য়ুম্বী য়ুংলিবা মফম ফাওবা লাকই। মতুংদা নোংপোকলোমদা তুইথা নত্রগা থুগা তুরেলগা মশা অমাগী মরিল ইল্লগা ৫ শুবা য়ুম্বী ফাওবা য়ৌই মসিদগী ঙরাংলোমদা মনিপুর তুরেলগী ওইথংবা তোবর্বান্দ লাক্লগা খাংডুং লুই মতুংদা ৩ শুবা য়ুম্বী লাকই। মসিদগী অরাং নোংপোক পাংনা খেংয়োই চুং কাওবা লাক্লুং অনিশুবা অমদুং অহানবা

যুম্বী যৌই। মফম অসিদগী খেংয়োই ড· অমসু· তুইসা ডুংগী মবিল ইল্লগা মেমৈখ যুম্বী ৩৯ শুবা মসিদগী নোংপোক পাংনা নাটুআং চীং যৌরগ ৩৮ শুবা যুম্বী লাকই। অরাং থংবা চিংচেপ ফাওরগা ৩৭ শুবা যুম্বী যংই অদুদগী ৩৬ শুবা যুম্বী অদুদগী চংলগা অউকত্রাউং চাউংগী য়েংথংবা তোববান্দা ৩৫ শুবা যুম্বী য়ৌনা লাকই। অদুদগী অইবতাউং চাউংগী মবিল ইননা যুম্বী ৩৪ শুবা ওইথংবা তোববান্দ অরাং পাংনা ৩৩ শুবা যুম্বী মথংদা অরাং নোংপোকলোমদা তিদিম লুংগী য়েংথংবা তোববান্দা ৩২ শুবা যুম্বী মসিদগী চংশিল্লগা ৩১ শুবা যুম্বী য়ৌই। মসিদগী অরাং নোংপোকলোমদ চংলগা ৩০ শুবা যুম্বী মথংদা ২৯ শুবা যুম্বী যুংলিব বাংকপ লোককী ওইথংবা তোববান্দা য়ৌই তুরেল অসিগা মবিল ইননা মাইল ১ রোম চংলগা। ২৮ শুবা যুম্বী অদুগী ২৭ শুবা যুম্বী মসিদগী অরাং পাংনা পুংগুতাংগী ওইথংবা তোববান্দ ২৬ শুবা যুম্বী লাকই। মতুংদা নাপালাউং চাউংগী ওইথংবা তোববান্দা ২৫ শুবা যুম্বী অদুদগী অরাং নোংপোকলোমদা ২৪ শুবা যুম্বী অদুদগী লোকচাও তুরেলগী য়েংথংবা তোববান্দা ২৩ শুবা যুম্বী যংই মসিদগী লোকচাওগী মবিল ইননা চংলগা ২২ শুবা যুম্বী মতুংদা মসিদগী অরাং নোংপোক পাংনা চংলগা ২১ শুবা যুম্বী মতুংদা ২০ শুবা মসিদগী লাই চিং চিংদোলগী খা নোংপোক ১৯ শুবা যুম্বী লৈ। মতুংদা অরাং পাংনা চংলগা নামজেং লোককী য়েংথংবা তোববান্দা ১৮ শুবা যুম্বী অদুদগী নোংপোক পাংনা লক্লাগা ১৭ শুবা যুম্বী মসিদগী অরাং নোংপোক পাংনা চংলগা বাকসু লোককী থাথংবা তোববান্দা ১৬ শুবা যুম্বী য়ুংই। মসিদগী অরাং নোংপোক

পা.না ১৫ শুবা যুম্বী মথংদা ১৪ শুবা মতুংদা ১৩ শুবা ১২ শুব., ১১ শুবা, ১০ শুবা ৯ শুবা, ৮ শুবা, ৭ শুবা ৬ শুবা যুম্বীশিং লাকই। ৫ শুবা অমসুং ৪ শুবা যুম্বীশিংদি চীংদোংদা লৈ মতুংদা অৱাং পাংন্না লাকপনা সগং চূআংগী মংগংদ তাবর্গন্দা ১ শুবা যুম্বী অমসুং ওইথংবা তোববন্দা তাঙ্গবা যুম্বী যুংই। মফম অসিদগী অৱাং নোংপোক পাংনা লাকপন নাম পঙ্গা তুংবেলনা কাসোম চীংগা থেংনবা মফম অদু ফাওবা যৌনা ভমখৈগী পরিং য়াংলি। মফম অসিদগী অৱাং নোংপোক পাংনা অমুক লাকপনা পাটকৈ য়োই। মতুংদা ইরাবতী অমসুং ব্রহ্মপুত্রগী তুরেল মরিনশিংনা অৱাং ইথম থম্না লৈরিবা মফম ফাওবা যৌই।

যান্নবা অসিনা ভারত অমসুং বর্ম্মাগী অপুনবা বাউণ্ডরী কমিসন অমা শেম্লনবা হায। কমিসন অসিদা ভমখৈগী মেপ অমসুং ভমখৈগী টি টি অমা পুখৎলকবগী থবক শিন্নে।

ভারত সরকারগী বারোল .—

আগষ্ট ১৪, ১৯৭৪ দা কংলৈ লীগনা (লোকেল পার্টি) মিনিষ্টর ওফ এক্সটরনেল এফিয়ার্সদা ইবা চেরোলদা নিংথী তুরেলনা ভারত অমসুং বর্ম্মাগী ভমখৈ ওইগদবনি হায়না ই, অনৌবা ভমখৈ পরিং অসিনা মনিপুরগী চাওরবা শরুক অমা বর্ম্মাদা পাথোক্লে হায়। চেরোল অসিগী পাউখুম সেপ্তেম্বর ২৮; ১৯৭৪ দা পীরকই। ভারত সরকারনা শেংদোরকপা

রাফমদি ১৯৬৭ তা ইনবা ভারত বর্ম্মা অনিগী ওমথৈগী য়ানরাগী মতুংইন্না ওমথৈ পরিং য়াংপগী থবক চংথবনি। হায়রিবা থবক অসি চাম্মগী মনুংদা ৯০ হান্না লোইশিন্নে হায়বসিনি ওমথৈ পরিং য়াংপবু বর্ম্মাদা লম পীথোকখিবা ওইনা লৌফম থোক্কে হায়নম্ব ভারত সরকারনা খংহল্লি।

কবো তম্পাকপু বর্ম্মাগী মনুং চলহন্দনবা মনিপুর পিপলস পার্তি (লোকেল পার্তি) না ইবা মেমোরেণ্ডমগী পাওখুম ওইনা মিনিষ্টী, ওক এক্সটরনেল এফিয়ারসনা অক্টোবর ৮, ১৯৭৭ত খংহল্লকপা রারোলদা ভারত সরকারগী ফিরেপ অমত ফোংদোক্তে।

মঙাক্নবা মতাং

চীংশী লৈনেঙাকলোন

নিংতম্বা ফংলবা মতুংদা অম্বাং নোংপোক ভারতকী চাংগী লৈঙাক্লোনগী শরুম অসি হোৎনরুম মরী থীরগা অমতা ওইনা পুনশিন্নবগী ঈহৌ ওইনা থোরকই। নাগা মশেল পুনশিন্নরগা নাগাল্যাণ্ড শেন্নথী রাফম লাক্কই। রাফম অসি মপানগী অমসুং মনুংগী লৈঙাক্লোনগী ঈচেল ওইনা মনিপুরদসু ফুজিল্লকই। মিজোশিংগী অদুগা কুকিশিংগী ঈহৌসু অতুম্বক ফুগৎলকই।

নাগা কুকি যেংথনবী রাফম কাংলুপ অনি অসি পুন্না চং-মিংবা য়াদবদা নত্তনা লৈঙাক্লোন। নৈনিরিবা মশা মশাগী ফিরেপশিংনস্না কাংলুপ অনি অসি চম্ম থাপা চংক্রুহল্লি।

নাগা নাগা হুন্না নাগাগুদা হাপচিনবগী রাকম

নাগা নেসনেল কাউন্সিল, মনিপুর মাও তাংগলোং, তেং-নৌপল অমসুং উখ্রুলগী লমশিং নাগা হিলস (নাগালেণ্ড) তা হাপচিন্নবা ১৯৪৭ তগী লিশাংশিংনা হোংনরকই। মরিদুদা কাউন্সিল অসিনা মনিপুর সরকারদা হিরম অসিগীদমক কন্না তক্লুবন্নী। মনিপুরনা ভারত্তা তিনরগ লোয়ননা রাকম অসি [illegible] সরকারগী থাক [illegible] [illegible] [illegible] তকরব হাইদনি হায়স্তুং [illegible] নেসনেল কাউন্সিল [illegible] মবক্তা ইনগ ১৯৫১ কী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অসিগী তক্লকপুবা মতাংদা "মরেক য়াবরনখ নাগা [illegible] অপুনবা রাজ্য থৌদা অমগী মখাদা পুবকপা" হায়রম [illegible] অসি য়াওই। ১৯৫৬ কী মার্চদা নিংবা নাগা ফেডারেল গবর্ণমেণ্টগী লৈবাক পথাপকী অহানবা শিংকন্তু হায় - "নাগা কাংলুপশিংনা তারিবা অমসুং তাংখাব হোংহো (মনিপুর [illegible] না অমুক ফেফথনবা মখং অমসুং থিবমগী মখাদা [illegible] য়ানা পুশিল্লকপা লম্মৈথ নাগালেণ্ডগী লৈবাক ওইগনি।"

১৯৫৮ দা ফন্না ওল ট্রাইবস নাগা পিপলস কনভেনসনগী অনিশুবা মাফম্না হিরম তরাতকক্নী থৌরমপরেং অমা য়াংলি।

১৯৭৯ গী ওক্টোবরদা য়ুম্বা ও শুরা কনভেনসন্না থৌরম পাবা অমি পাম তৌই। থৌরম পাবং অসিগী ১৭ শুবা মতাংদা হায—"হৌজিকী নাগালেণ্ডগা মশা [illegible] লমদিংদা ভাবিনা [illegible]গা- শিংনা পামলবদি [illegible]শিং [illegible] নাগালেণ্ডদা যাওহনগদবনি" ১৯৬০ দা ভারত সরকারনা [illegible] [illegible] [illegible] অসি চন শিননব কনভেনসন [illegible] শিন [illegible]। ভারত সরকারনা রাফম অসি যাদে। [illegible] ১৩ দা নাগালেণ্ডনা [illegible] [illegible] ওইনা ভারকপনা স্টেট অসি [illegible] [illegible] অদু ভারত লৈবাক পথাপকী [illegible] [illegible] [illegible] চনশিনবা ভারকপলি। অমসুং ওইনবা নাগা লুচিংবশিংনা কনভেনসনগী ভরাস্তাদোই শুবা হিরম অসি মুনন [illegible] ভারত সরকারদা ভকশিন্ন [illegible] বশিং অসিন [illegible] [illegible] [illegible] মক নাগালেণ্ড [illegible] য়াহনগদবনি [illegible] [illegible] ভারত সরকারনা মখোয়না থংহনবা [illegible] "ভারত লৈবাক পথাপকী অহুমশুবা অনম্বুং মরিশুবা [illegible] স্টেট অমনি লম চাওথোকপা, [illegible] [illegible] [illegible] অসিনা হিরম অসিদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]দোকই।

ভারত সরকারনা নাগা লুচিংবশিংনা [illegible] রাকন [illegible] নাগা [illegible] [illegible] নাগাশিংদা [illegible] চন্নবগী [illegible] [illegible] মথাস্তাবশিংনা [illegible] [illegible]। ওক্টোবর ১০, ১৯৭৩ দা নাগালেণ্ড সরকারনা ভারত সরকারদা নাগা ২৫০,০০০ [illegible] ভাবির উখরুল, মাও, তামেংলোং, তেংনৌপাল [illegible] [illegible] [illegible] হাপচিন্নবা [illegible] নাগা [illegible] [illegible] [illegible]

১৯৬৮ গী ফেব্রুয়ারীদা নাগা তাবা লমশিং নাগালেণ্ডদা হাপ-চিননবগী ব্লারেপ লৌই। আগষ্ট ১৯৭০ দা নাগালেণ্ড এসেমব্লীনা মনিপুর, আসাম, নেফানচিংবগী নাগা তাবা লমশিং নাগালেণ্ডদা হাপচিননবগী ব্লারেপ লৌই।

নাগা লুচিংবশিংনা নাগালেণ্ড পাকথোক চাওথোকহনবা হায়রবসি পাংথোক্লবা মাদবা থৌরম অমা ওইনা লৌই। মখোয়না ব্লাফম অসি লৈঙাক্লোনগী ঈথৌ অমা ওইনা হিংহন্দুনা থমই। মনিপুরগী লৈঙাক্লোনদা ঈথৌ ওসিনা অবনবা শাফু পীবদা নত্তুনা ব্লায়েন থোকই। অমসুং চীংমীশিংগী পুন্সিদসু অকনবা ইথিল পী। মনিপুরবু চাং অমসুং তম হায়না খায়বুংনহন্নবগী খুৎলাই ওই।

কোহিমা নাগা ইন্টিগ্রেসন কমিতি

কোহিমা নাগা ইন্টিগ্রেসন কমিতি, নাগালেণ্ডনা নাগা মশেল পুনশিননবগী ব্লাফমদা নত্তনা মনিপুরগী লৈঙাক্লোন্দা খুৎ থিংজিননবা হোৎনৈ। মনিপুরনা ষ্টেট ওইরকপগা লোয়ননা নাগা মশেল পুনশিনবগী ঈথৌ অসি শিথরক্কনি হায়না লৌই। মরম অসিনা মনিপুরগী ষ্টেটহুদ অন্দোলন্দা নাগাশিং য়াওদনবা কমিতি অসিন হায়। লোয়ননা চীংমী তম্মী য়েংথিনহন্নবগী হু চাই। আগষ্ট ২২,১৯৭০ দা থোকপা ব্লারোল অমদা কমিতি অসিনা হায়—

"ব্লমথংননা লৈরিবা মৈতৈ ইচিল ইনাওশিংগা চান্নচিন্ননা লৈমিননব হায়রবসি নাগাশিংনা পুকচেল শেংনা পামই। অঙ্কুব

মৈতৈ ইচিল ইনাওশিংনা নাগাশিং [illegible] নীনংদা মশাগী বাখননা লেপচনা হংগব [illegible] থুংগাইতে ”

“নাগানা মৈতৈগী [illegible] লেপ্পা [illegible] পাংলোই [illegible] নগা মশেল [illegible] কাওইদন। মৈতৈ ইচিল ইনাওশিংনা [illegible] অসি নাগাশিং [illegible] মৈতৈ [illegible] ফিরেপ লপনা [illegible] নাগাশিংবুসু মশাগী ফিরেপ লেপচহল্লু।”

মনিপুরবা চথনিবা ক্ষেত্রদ তাংবগী আন্দোলনগা মরা লৈনা কমিতি অসিনা ভুমিন লৈথোক্লবা পাওতাক অমসু পী। কমিতি অসিনা হায—“ভুমিন লৈবনা খ্বাইদগী মৈ হাবনা প্রাওতাক পীবি। ইসং শংনা মনিপুরগী ক্ষেত্রদা শৌগত্নুনা নহাক্কী মীশিংবু অমসুং নহাক নশাবু অনাং অতা থোকহনগন্নু। কবিগুরুনা নং তৌববদি নহাক নশান নশাগী মোংফম শেমজবনি।”

মনিপুরদা নাগাগী ইবাং

১৯৪৭—৪৮দা মনিপুরগী নাগা তারা লমশিং নাগা হিলস-তা চিননবগী ব্রাক্ম নাগা নেসনেল লীগ, মাওনা পুখ্রংলি। অহুবু ইবাং অসি মতম কুইনা চংথখিদে। মতুংদা নাগা নেসনেল কাউন্সিলগী মিংদা মনিপুরগী এম, পী ওইখিবা সুইসা অহুগা রোমিও, ডেভিদ চিংবা মীওইশিংনা হিরম অসিদা থুংমাবা

ওইনা চাংদা ফগু খোমগংপগা থক চংথৈ। ভারত সরকারনা মনিপুরগী নাগা তাবা লমশিং নাগাশেংগুদা হাপচিন্নবগী থবক পাংথোক্কে হায়দুনা কাউন্সিল অসিনা ১৯৬২ দা পাংথোকপা মীয়ামগী মখল বোইকোত তৌই। মতুংদা কাউন্সিল অসিগী লুচিংবশিং অয়াম্বা অন্দরগ্রাউন্দা চংখি।

নাগা মশেল পুনশিন্নবগী ব্রাফমগা মরী লেননা আর-স্থুইস্মনা হায়— "নোংমা নত্রগা নোংমা হৌজিক লৈরিবা মনিপুর-অসি মচেৎ-মচেৎ তাবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। অদুগদি নাগাশিংনা নাগাশিংগা পুনশিন্নবা হায়বসি মশানা তাজবা ব্রাফম্নি। অদুগা কুকিশিংনা মশানা পামজরবদি মখোয়না লৈরিবা লম অদুগী ফিবম য়েংলগা মিজোশিংগা পুনশিনবা য়াহনগদবনি।" মনিপুরগী অপুনবা শক্তম কাযবা যাবোই হায়না মীতৈশিংগী ফিরেপ্প ভুইসানা পেন্দবা ফোংদোকই।

মনিপুরগী নাগা শিং নাগাশেংগুদা তিনবা হায়বসি মৈতৈশিংন্ ভুংইল্লকপা চুনই মরমদি ধর্মগী খেন্নবা লৈরবস্থ হৌরকফম য়েংলগা কাংলুপ অনি অসি চপমান্নে হায়না মাংমাসো শৈজানা হায়। *

নাগা ইন্তিগ্রেসন কমিতি, মনিপুর :—

নাগা ইন্তিগ্রেসন কমিতি, মনিপুর অসি রিশাং কৈশিংনা কংগ্রেসতগী তেক্লগ' ১৯৬৮ দা শেম্বনি। মনিপুর নাগা ইন্তিগ্রেসন

*মহাক মুখ্যংত্রবা মনিপুর হিল ইউনিয়নগী লুচিংবনি। ১৯৭২-৭৩ দা আলিমউদ্দিন মিনিষ্ট্রিদা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওই। মতক্ক:

কমিতিগী লুচিংবশিংদি ‡ রিশাং কৈশিং আর এস চাংসোন; মোনো, এস লারহো, এন কে সিম থৌকল, এইচ খেরসুংনচিংবনি। রিশাং কৈশিং অমসুং আর এস চাংসোনন' তাংখুল নাগালোংগী মীহুৎনি মোনোন মোয়োন মোংশাং অহুগা এইচ খেরসুংনা অনাল (পুননা তেংনৌপল নাগা ইউনিয়ন) এস লারহোনা পৌমৈ প্রোগ্রেসিভ ইউনিয়ন অমসুং কে কাখুতোন অমসুং এন কেসিন্না জেলিয়াংরোং নাগা ইউনিয়নগী মীহুৎশিংনি।

নাগা ইন্তিগ্রেসন কমিতি, মনিপুরগী লুচিংবশিং অসিগী মতাংদা * এল সোলোমোননা হায়—

"নাগাশিং পুনশিননবা হায়বা ৱাকন অসি নাগালেণ্ডা মাওই খরনা হোৎনোকপনি অহুগা রাজনিতিনা। নিংবা কাযবা মনিপুরা নাগা খরবু খুংলাই ওইনা শিজিন্নন হায়রিবা নাগা লুচিংবশিং অসি পার্লিয়ামেন্টগী নত্রগা মনিপুর এসেমবলী। মেম্বর ওইরম্বা ডাক্তনি মতম অহুদা মনিপুরগী লম মচেং অমতা নাগালেণ্ডদা পীথোকপা য়াবোই হায়বম্বনি অহুগা মনিপুরগী

খর চিফ মিনিষ্টর ওই। ১৯৭৭ ত' শেন্দ্রা জনতা সরকারগী চিফ মিনিষ্টর ওই।

‡ রিশাং কৈশিং হন্ন সোসিয়েলিষ্ট য়াওরম্মী। মথংদা কংগ্রেসতা য়াওই। নাগা ইন্তিগ্রেসনগী ইরংগা মরী লেননা কংগ্রেসতগী তাম্বোকই। ১৯৭২ দ কংগ্রেসত অমুক য়াওই। কংগ্রেস মিনিষ্টিদা মিনিষ্টর ওইরম্মী। জনতা পার্তি য়াওরম্বদগী কংগ্রেস (আই) দা অমুক য়াওই।

* এল. সোলোমোন কংগ্রেস মিনিষ্ট্রীগী মতমদা কাইনান্স মিনিষ্টর ওইরমী (ষ্টেইহুড ফংত্রিঙগী মমাংদা)।

ষ্টেট এসেমবলীনা অমত্তা ওইনা মনিপুরদা ষ্টেটহুড পীনবগী ৱারেপ লৌবা মতমদস্থ মখোয় এসেমবলীগী মেম্বর ওইরম্মী নাগা ইন্টিগ্রেসন কমিতিগী মেম্বর ওইরিবা মনিপুরগী লুচিংবা মরি অসি অমনা ত্তাংখুলনি অমনা কবুইনি, অমনা মাও অতুগা অত্তোপ্পা অমনা অনালনি। মখোয়না থা খরগী মমাংদা অমসুং ১৯৭০ গী নবেম্বরদা প্রাইম মিনিষ্টরগা উননবা হোৎনরম্মী মাশায় অসি হৌখিবা মীযামগী মীখলদা মাইথীবা লোইনা কংগ্রবনি। মখোয় খরদি কংগ্রেস পার্তিগী অকনবা মেম্বরনি। থকসি থাসি কায়বগী মরীদা পাত্তিদগী তান্থোকখিবগা লোয়ননা থোইদোক্লা নিংবা কাংবা মীওই ওইরবনি। মনিপুরদা কংগ্রেস মিনিষ্ট্রি লৈরিঙেদা লেচাক্লোল ওইবা ক্রমশিং মখোয়দা পীযু হায়ন [illegible], [illegible] অপান্থা অসি পাংথোকলবদি মনিপুরগী অপুন [illegible] [illegible] থবক অমত্তা চংথরোই হায়না মখোয়না হায়বম্মী [illegible] [illegible] অসিনা নাগামশেল পুনশিনবগ ইবাং অসিদ [illegible]। ইবাং অসিবু থল্লাই য়াওনা শোগৎলিবা [illegible] [illegible] হবনা মখোয়শিং অসিবু য়োক্তুনা থমলি, [illegible] কাংপু পুতুনা মকম অতুগী তকে অমৌ[illegible] [illegible] [illegible] লৈহল্লি। মসিদস্থ ন[illegible] মনিপুবগা [illegible] [illegible] অমসুং নাগা মশেল পুনসিনবগী ৱাযম [illegible] [illegible] ফাওবা কিহল্লি।

এপ্রিল ১৯. ১৯৬৮দ নাগা ইন্টিগ্রেসন কমিতিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা ইবা মে[illegible] [illegible] উখ্রুল, মাও, তমেংলোং, সদর হিল্স অমসুং চূড়াচান্দপুরবু নাগা লণ্ডদা হাপচম্নবা তকশল্লি। [illegible] অসিদ হায়—"নাগাশিংঅসি

ইভোপ তোঙ্ব। কাংলুপ অমদি অমস্তুং মখোয় মণাগা শাগোম্নরিবা খ্বিদমশংশিং অমদি মপানাং মপুনাং চাওখৎহনবগী থৌদাং মশানা লৌজগদবনি, মপানগী ও মতৌম চৌগদবা নত্তে। অদুগা নাগা তাবা লমশিং পুনশিনদুনা হায়রবসি নাগাশিংগী 'ফংফম থোকপা অমসুং লৈঙাক পথাপনা য়াবা রাফন্নি অমসুং মসিনা ভারত জাতীগী য়াইফগদবনি' হায়নম্ভ থাজবা ফোংদোকই।

জুলাই ২৬, ১৯৬৮ দা কমিতি অসিনা অতোপ্পা মেমোরেন্দম অমসু প্রাইম মিনিষ্টরদা থাই। লমাই ওয়েৎ প্যানবা চেরোল অসিদা ইতিহাসকা ওইবা থৌদোকশিং শক্তুনা নাগাশিং অসি মনিংতম্না পাল্লকই হায়বা উৎনবা হোৎনৈ। ১৯৪৮ দা হৌবা মাওগী ইরাংবু মনিপুর সরকারগী কা হেনবা শাজত্তগী থোরকপনি হায়। নাগালেণ্ডদা ত্তিননবগী ইরাংনি হায়দে। মথংদা নাগালেণ্ডগী লুচিংবশিংগা ভারত সরকারগা চংশিননরক্লিবা হিরম কয়া লৌখত্তুনা নৈনৈ। মনিপুরগী চীংমীশিংবু তুহৎলে অমসুং রায়েন থৌদা রায়োং চাহন্দে, হায়। মতাং অমদা 'চীংদা ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট এক্ত অমসুং নিংথৌগী পাঙ্গল লৌথোকপা এক্ত চংনহল্লকপগা লোয়ননা চীংদা মনিপুর লেণ্ড রিফোম এণ্ড রেভিনিউ এক্ত চংনহননবা হোংনরকপা অসিনা মনিপুরগী নাগাশিং অসি হিংক্লনা লৈবদা অকিবা প্রোকহল্লে' হায় মরুওইনা পনবা রাকম অমনা নাগা মশেল পুনশিননবনা রায়েন থৌদাগী হিরমদা নাগালেণ্ড সরকারগী খোংফম চেংকনি অমসুং নাগালেণ্ডদা হৌজিক উংখৎনরিবা অসি ভাইশিননবদা লায়হনগনি হায়না কমিতি অসিন। ফোংদোকই।

নাগা ইণ্টিগ্রেসন কমিতিগী রাকম অসিবু এঙ্গ সোলোমোননা য়ুমফম লৈতবনি। হায়। মনিপুরগী নাগ শিংনা নাগালেণ্ডদা পুনবা য়াবগী মরম শুক্লু লৈতে হায়না মহক্না ফোংদোকই মহাক্না হায়—

"মনিপুরদা মরুওইবা নাগা কাংলুপ তহুম লৈ. মখোয়শিং অত্তদি ডাংখুল, মাও, অমসুং কবুইনি। কাংলুপশিং অসি মশাগী ওইবা তোংঙান তেংঙানবা লোল লোল্লি, মনিপুরী লোন্দ ঙাংনবা নত্না তমনা অমগী লোল থংনদে। চীংমী শিংগী মমুংদা চামদা মরিফুদি মনিপুরী লোল থংই; মসিনা মখোয় মশেল ঙাংন শানবদা খুদোং চাদবা থোকহন্দে। নাগালেণ্ডদদি অসামী লোলদগী থৈথরকপা লোল মথল অমা (নাগামীজ হায়নসু কৌই) নাগা মশেনগী মরক্তা ঙাংন শানবা লোল ওইনা শিজিননৈ। হায়রিবা লোল অসি মনিপুরদা লৈরিবা নাগা চাদগী মংদা অমনা ফাওবা থংবা লোল নত্তে। হৌজিককী মনিপুর ওসি শিংথির থক্তবা মতংগী শিংথোপাংবা লৈবাক অমা ওইবগী অমসু মনিপুরগী চাংগী লমশিং অসি কৈদোংদসু নাগালেণ্ডগা লৈনিননরক্কে। কোহিমা অসি মনিপুর মহারাজাগী মখদা লৈরম্মি, বৃটিশনা ভারত্তা লাক্লবা মতমদা রায়েন লৈতনা খুদা চাংদনা য়েংহুনা কোহিমাগী লমশিং অসি তঙ্মদ হাপচিনখিবনি। মনিপুরগী চীংমী তম্মীগী মরক্ত নংকী অপুনবা লৈ অমগা অমগা য়েং-থিনরক্কে হায়বসি ইতিহাসনা শংনা তাকই। মহৈশাদগী লৈরক্লিবা মনিপুরগী ফিবম্না নাগা তাবলশিং অসি খায়দারক্লবা য়াদবা শরুক ওইরি। লম্বী থোং অমসুং পুম্নমক্না খংবা

লোল লৈতনা মনিপুরগী নাগাশিংনা নাগালেণ্ডদা তিনবা হায়বসি ওইথোক্লোই। মনিপুরদা চিঞ্জাককী অন্নাবা লৈতে। লম্বী থোং নিংথৌনা লেতবা, পুম্নমক্না খংবা লোল লৈতবা অমসুং পুন্না শিংমিন্ননবগী তঙাইফদবা মচাকশিং লৈতবা নাগা-লেণ্ডদা পুন্নবগীদমক মনিপুরগী চমলবা নাগা অমনা মনিপুরদগী মপান থেককথবা পান্নবগী মরম শুক্লে লৈতে"।

মনিপুর নাগা ইন্টিগ্রেসন কাউন্সিল ইউনাইতেদ নাগা ইন্টিগ্রেসন কাউন্সিল হায়না কৌরগা ১৯৭২ দা পাথোকপা এসেমব্লী মীখল থেংনৈ। কাউন্সিল অসিগী মীয়েপ ৫ থাগৎপদা ৩ কাই। মনিপুর পীপলস পার্টিনা লুচিংবা ইউনাইতেদ লেজিস-লেচর পার্টিদা য়াওদুনা চৎশিন্নবা সরকার পায়বা য়াওই। মসিদগা থোরক্লগা কাউন্সিল অসি কংগ্রেসতা লুপশিল্লি।

কংগ্রেসকা শিনবং:

আগষ্ট ৮, ১৯৭১ দা ইউনাইতেদ নাগা ইন্টিগ্রেসন কাউ-ন্সিলগা ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতিগা য়ানবা অমা ইনৈ। য়ানবা অসিগী মতুংইন্না কাউন্সিল অসি কংগ্রেসতা লুপশিল্লি। অদুগা কাউন্সিল অসিগী থৌবনশিং অদু কংগ্রেসকী মমুংদা লৈরগা পায়খৎপা যহাল্লে। য়ানবা অসিদা হায়—

"নাগা মশেল পুনশিনবা ঈংচৌ তসি পার্টিগী, জাতীগী ভৈটকী মাইথোঙা চংথবা নত্তে অমসুং অাইন্না য়াদবসু নত্তে

হায়না লোই, ঈহৌ অসিবু শিংনরোই হায়না কংগেস পার্তিনা য়ারে।" কংগ্রেস পার্তিগী মেম্বর অমনা ঈহৌ অসিদা য়াওরবস্তু মহাকপু থকসি-খাসি কায়বগী চৈরাক ফংহল্লোই অহুগা রাফম অসি সরকারগী থাক্তা পুখৎকনি হায়। কাউন্সিলগী পান্দম অসি ঈহৌ অমা ওইনা হিংহন্দুনা থম্বা ওমদে। কংগেস পার্তিগী মহুংদা অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা কাউন্সিলগী পান্দমশিং অহু অমুক নিংশিংনদনা তোকই। অহুম ওইনমক কংগ্রেসনা ঈহৌ অসিবু শোগৎপগী ফিয়েপ অহুদি হোংদনা অন্নমক লৈ। ঈহৌ অসি মথা শাংথবা ওমদবগী অতৈ মবমশিংদি মনিপুরনা ষ্টেট ওইরকপগা লোয়ননা চীংগী ডিষ্ট্রিকশিংদা ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল লিংবদগীনি। থোতোনোমস কাউন্সিলশিং অসিনা রায়েন থোদাগী অশিন অরাং তৌবদা নত্তনা রায়েনবগী থবক পায়, চাংমীগী মরোল মনাং অমস্তুং তোপ তোপ্পা হৌন লোনচং থাক্লবগী পাঙ্গল লৈ।

* জেলিয়াংবোং -

নিংতম্বা ফংলবা মতুংদ মনিপুর, কছাড় অমস্তুং নাগা হিল্লসতা তারিবা জেলিয়াংবোংশিং পুনশিল্লগা লৈঙাক্লোনগী ওইনা

---

* জেলিয়াংবোং হায়বসি জেমৈ লিয়াংমৈ, অমসুং রোংমৈ হু য়রিবা কাংলুপশিংগী মিং মতেক তেক লৌরগা থোনবনি। জেনা জেমৈশিং লিয়াংমৈ অমসুং রোংনা রোংমৈ থংমৈ। কাংলুপ অহুম অসি পুন্না তামিনসনা মরম ওইদুনা জেমৈবু নোংচুপ্তা লৈবা মী, লিয়াংমৈবু মথাংদা লৈবা মী অহুগা

রায়েন থোদা ভমক্তগী মথাদা লৈনবা ইরাং হোই। ১৯৫৮ অমসুং ১৯৫৯ দ' রানী গাইদিলু- ভারতকী কংগ্রেস লুচিংবশিংদা রাফম আস পাং্থাক্লবগীদমক না বগুম থারম্মী। মনিপুরগী নাগা তাবা লমশিংদা নাগা লাং হোবশিংগী ইরাং কনখৎলকপ গী লোয়ননা ১৯৬০ দা রানী গাইডিলুসু লোৎথি, মপান শুকথোক থে'রকখিদে। ১৯৬৪ গী আগৃষ্ট থায়াইদা মহাককী তুংইনবশিংনা মগুলাং অমসুং কটাং খুলশিংদা ইরাং হোই। নবেম্বর ১৯৬৪ দা মহাক্না লোয়ননা মহাকী তুংইনবশিংনা অন্নাং কহাব চৌং তম্না খোংশাল্লি। ১৯৬৬ তা রানী মশামক দিল্লিদা চত্লনা প্রাইম মিনিষ্টরগা উননৈ। মহাক্না পুখৎপা রাফমদি জেলিয়াংরোং মথৈ অমতা ওইবা অমসুং নাগা তাবা লমদা হায়বদি নাগালেণ্ডদা তিনবনি।

জেলিয়াংরোং নাগা ইউনিয়ননা অক্টোবর ১৮, ১৯৬৭ তা প্রাইমমিনিষ্টরদা থাবা চেরোলদা হায়—'জেলিয়াংরোং হায়বসি

রোংমৈবুনা খাদা লৈবা মী হায়ন' খংই কাংলুপশিং অসিগী লোল তোংঙাস তো'খাল্লি। ১৯৭১ গী মীকোক থীবগী মতুং ইন্না জেমস অমসুং লিয়াংমৈগী মীশিং পুন্না ১৩,০২০ গুই রোংমৈবু কবুই ওইনা লৌনরবসু কবুইগা রোংমৈগা মশা অমতা নত্তে। রোংমৈগী মশাগী ওইবা তোংঙানবা লোল লৈ। ১৯৭১ গী মীকোক থীবগী মতুং ইন্না কবুই ওইনা উৎলিবা মীশীং ৪০,২৫৭ কী মনুংদা রোংমৈগী মীশিং ৩৬,২৫৭ নি, লেমহৌবা ৪,০০০ না কবুইনি। মনিপুরদা কবুইশিংনা অহানবা ওইনা কবুই খুল্লেন্দা খুন্দাই মথংদা ম.ত নাম তরেং অমদসু খুন্দাই।

নাগা কাংলুপ মচা অমনি। বৃটিশনা "কবুই নাগ" নত্রগা "কচানাগা" হায়না কৌরম্মী। মিংশিং অসি হৌজিক্সু শিজিন্নরি। মনিপুরদা জেলিয়াংরোংগী মীশীং অসি চাংখায় ৫৯৮৬৭ শু র খোঙ্গগ'লৈক দি তমেংলোং সব ডিভিজন, মাও–সদর সব ডিভিজন অমসুং চুড়াচান্দপুরগী শরুক খরা অদুগা তমপাককা মকম থরনি। জেলিয়াংরোং তাবা মকমশিং অসি পুল্লগা স্ক্বার মাইল ২,৮৯৮ রোম্নি।

মনিপুরদা জেলিয়াংরে শিংনা শইরিবা ফিভমগী মতাংদা চেংরোল অসিনা জেলিয়াংরোংশিং অসি মপাং য়াম্নবা কাংলুপ অমনি, মীকোক ৩২ হৈ বা টেরিটরিয়েল এসেম্ব্লীদা মীহুৎ অমখক্তমক য়াওই, মরম অসি-না ফিল স্ট্রেন্থ কমিতিদা মীকোক অমখক্তা করিক্ত তোকা ওমদে হায়। মনিপুর সরকারনা জেলিংয়াংরোংন ত রিব লমশিংগী চাওখৎ-খোৎনবদা হেন্দুজংদে, নাগালেণ্ডদা য়াওরবদি জেলিয়াংরোংগী লমশিং অসি নাগালেণ্ড সরকারনা নিংথৌনা ঙবকনি হায়না থকবা কোংজোকই। জেলিয়াংরোং নাগা ইউনিয়ননা জেলিয়াংরোং তারিবা লমশিং হায়বদি তমেংলোং চুরাচান্দপুর অমসুং মাওগী শরুকশিং নাগালেণ্ডদা পুনশিননবা তকাশি।

১৯৭২ দা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীবা মেমোরেন্দমদা হায়—"মীয়ামগী লৈঙাকপশিংনা জেলিয়াংরোংগী লৈবাকপ মচেং অদুর খোঙ্কহন্না লোমনন তেংচান তাংজানব থাজেন খেংদাম্বা মথাদা

কচা নাগা হায়রসি কচ, ওত্রগা কচাই হায়বদি উমং হায়বদগী লাকপনি মনিপুরগী ওইন কচ, নাগান কে ৱিবা কাংলুপশিংদি জেমৈ অমসুং লিয়াংমৈনি।

থম্বদা নত্তনা তোংঙান তোংঙানবা লমশিং অসিদা তোংঙান তোংঙানবা লোলদা মহৈ মশীং তমহল্লি। মনিপুরদা লৈবা জেলিয়াংরোংশিংবু মনিপুরী ময়েক্তা ইবা মনিপুরী লোল, অস্লাং কছাড় চীংদা বঙ্গলা ময়েক্তা ইবা বঙ্গলা অদুগা নাগালেণ্ডদা রোমান ময়েক্তা ইবা মশাগী মরোল নত্তবা অতৈ লমশিংগী লোলশিং তমহল্লি।'

জেলিয়াংরোংশিংনা থেংনরিবা থুদোংচাবাদশিংগী মতাংদা চেংরোল অসিদা হায়—"মনিপুর অমস্তুং অসামগী রায়েন থোদাগী মওং অসিনা জেলিয়াংরোং কাংলুপ্পু মওং অমদা নত্রগা অতোপ্পা মওং অমদা নৈহংনবা অমদি শুদংনবা পাঙৈ অপস্বা শিজিন্নৈ। অদুবু পাঙৈশিং অসিনা মখোয়গী পান্দম ফংজ্রবদা অসাম সরকারনা হিংবিনি ইদিই হকং থোংদোক থি চাকুবা পাঙৈ থিরকপদ জেলিয়াংরোংশিংন লৈবিব লমশিং অসি মহৈশাগী বছাড় লৈবাক অহিনি হায়না ফাংনা হায়রক্নি' মতাং অমদনা 'জেলিয়াংরো শিং অসি মনিপুর অমস্তুং অসাম অনিমক্ত ইন্দোক্লবা মচ শিংনি সরকার অনিমক্তা জেলিয়াংরোং মীয়ম্বু লাইরিক হৈতনবা চাংথংতনবা, চর হেক্তহুম্বর অমস্তুং শেংপা চাবা ফংহন্দনবা মখল কয়াগী পাঙৈ শিজিন্নরে' হায়না পল্লি।

মনিপুর অমস্তুং অসামদা তারিবা জেলিয়াংরোংশিংনা নাগালেণ্ডদ তারিবশিংগা পুননা লৈমিননবনা থেংনরিবা থুদোংচাদবা কয়া অসিদগী নাঙৈ ক্লবা পাঙৈ ওইগনি হায়না জেলিয়াংরোং কাউন্সিলনা লোই কাউন্সিল অসিনা হায়— অস্লাং কছাড় চীং অমস্তুং মনিপুরগা জেলিয়াংরোংশিংনা হৌজিককী ফাজিন পন্নশি—নিবা (লোক অপ) অসিদা অস্তুম শাথনা লৈরবদি মখোয়গী

রাকম লায়থায় ভাবা ওমলোয়। কাংলুপ অসি হিংহনা লৈগে হায়রবদি জেলিয়াংরোং কাংলুপ অসি নাগালেণ্ডদা তিনবা হায়বসিনা অমতা ওাইহবা পাম্বৈনি হায়না থাইজ।'

জেলিয়াংরোং ইউনিযননা নাইতোম ওইনা অমসুং নাগা ইন্টিগ্রেসন কাউন্সিলগা খুংগম্‌না নাগালেণ্ডদা তিননবগী রাকম অসি পুখৎলি। ঈহৌ অমা ওইনা অকনবা শাফু পীত্রবসু মরক মরক্তা রাকম অসি ফুগৎলকই।

নাগা কুকি য়েংথিনবা :—

নাগা লালহৌবশিংনা তমেংলোং মাও মরাম অমসুং টংখুলদ হায়জিল্লক্লুনা, মীফম মীপুনা, ওৎপ নৈবা অমদি লুট পাট তৌবগা থবক চংথরকপনা মরম ওইদুনা নাগা অমসুং কুকি কাংলুপ অনিগী মরক্তা য়েংথিনবা থোরকই। নাগা তাবা লম-শিং নাগা লেণ্ডদা তিনবগা রাফম্বস্থ য়েংথিনবগী চাং অসি হেক্কংহল্লি। কুকিশিংনা সদর হিলসকা লমসিংদা কুংশিননা তাশিনবা হোই নাগা অমসুং কুকি কাংলুপ অনিমক্কী লম্মন থুমদোক্ত থুমজিনগী থবকশিং চখৎনৈ। অদুবু য়েংথিনবগী থবক অসি পংথাং শাংথেদ। ১৯৬১ গী মার্চ ৫ দা নাকল অনিমক্কী লুচিংবশিংনা শন্ননা ফম্মিননদুনা পাংথোকপা মীফম অমদা রাকম অসি তাইশিননৈ। থোদোক অসিগী মতুংদগীদি কাংলুপ অনি অসি লৈঙাক্লোনগী ওইনা কাংলুপ কাংলুপকী ওইবা থুদোং চাবা ঙাক্লবগী হিরমশিংদা পুক্নিং থিংজিল্লি।

মিজোশিংগী ইদ্রো :—

১৯৪৬ দা লিংবা মিজো ইউনিয়নগী মশা অমা ওইনা মনিপুর মিজো ইউনিয়ননা মিজো তাবা মনিপুরগী লমশিং লুসাই চীং (মিজো চীং) দা তিনবগী রাকম লউই। ১৯৭৮ দা পাংথোকপা মনিপুর ষ্টেট এ.সমব্লীগী মীখল যেইকেত তৌই। অদুগ ইবাং অমা থুনা লেমইথে। মিজো ইউনিয়ন অমসুং লুসাই হিলস ডিষ্ট্রিক কাউন্সিলনা ষ্টেট রিওর্গেনাইজেসন কমিসন্দা থাক্কপা রাষ্রোলদা মনিপুরগী মিজো তাবা লমশিং লুসাই চীংদা হাপচিননবা তকশিল্লি। রাকম অসি য়াদবা তারগনা মনিপুরবু অসামদা হাপচিননবা হায়।

জুলাই ১৯৪৭ দা ইউনাইতেদ ফ্রিদম ওর্গেনাইজেসন লিংখৎপগা লোয়ননা অসাম অমসুং ইষ্ট পাকিস্তান (বঙ্গলাদেশ) গী লমশিং বর্মদা তিন্নবগী রাকম পুখৎলি। মতুংদা ওর্গেনাইজেসন অসিগা ভারতকী মমুংদা হিল ষ্টেট অমা শেম্বা পাম্বা ঈষ্টর্ন ইন্ডিয়ান ট্রাইবেল ইউনিয়নগা পুনশিল্লে। হিল ষ্টেটতা য়াওগনবা লমশিংদি অসামগী চীংগী ডিষ্ট্রিকশিং নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার এজেন্সী (অরুনাচল) গী শরুকশিং অমদি মনিপুর অমসুং ত্রিপুরানি।

মনিপুরদা মরু ওইবা চুড়াচান্দপুরদা লৈরিবা মিজো নত্তবা মার কাংলুপশিংনা মথোয় মশাগী ওয়োপ ওমা শরুম থাকপা পায়রী ইয়ুল লাকপগা লোয়ননা মিজোশিংগা থুংশয়নবা পামদে। অনেনবদা মার, কুকি, পৈতে, গাংতে সিমতেনা মিজো তাবা লমগা অমতা ওইনা পুনশিন্নবা চংশিলুবা খোংথাং অদু মতুংদা হনলোরকই। মারশিংনা মারশিংগী ওইবা মনিং তোবা (ওতোনোমস) ডিষ্ট্রিক অমা শেম্বগী রাকম থাক্কৎলি।

১৯৭৪ দা মার কংগ্রেস থোরকই। কংগ্রেস অসিনা মিজোরম, মনিপুর, অসাম অমসুং অরুণাচলগী মা তাবা লমশিং পুনশিনগা ওতোনোমস ডিষ্ট্রিক্ট অমা শেমগদবা হায়বা থাদোক্লি। মিজোরমগী পুনশিনগা জনাই ১৯৭৭ ত কুকি নেসনেল এসেম্ব্লী লিংই। এসেম্ব্লী অসিনা মনিপুর, নাগাল্যাণ্ড, আসাম অমসুং ত্রিপুরাদা লৈরিবা কুকিশিংগী খুদোংচাবা ভাকুবগী পান্দম থনই। ১৯৮০ দা এসেম্ব্লী অসিনা কুকি ষ্টেট অমা শেমবগী প্রাফম পাঙ্খংলি। ১৯৮৬ ত শেমগ পাইস্ত নেসনেলনা মনিপুরগী সিংহাট, চুড়াচান্দপুরদা লক ওইনা ত শিন থমাক্তাবা থবক চংখ। পাইস্ত নেসনেলগী পান্দম চানচা লমশিং পুনশিনলগা ভারত অমসুং অশ্মাংগী মরক্তা লৈবা ষ্টেট অমা ওইনা শেমগনি।

মিজো নেসনেল ফ্রন্টনা ১৯৬৬ কী মার্চ ১ দা খুৎলাই পায়হনা লান হৌই। লান অসিনা পান্দমদি মনিংতম্বা অচৌবা মিজোরাম অমা শেমগনি। মিজো লান হৌবশিংনা মনিপুরগী চীংগী লমশিংদা হায়জিল্লকনা কুকিশিংগা খুৎশারগা লান হৌবগী থবক চকশিল্লবা হো নরকই। চুড়াচান্দপুর, উখ্রুল অমসুং সদর হিলস সার্কলদা মিজো কুকিশিংনা ইবাং হৌই।

ডিষ্ট্রিক্ট ওতোনোমী তানবা:—

মনিপুরগী নাগা তাবা লমশিং নাগাল্যাণ্ডদা পুন্নবগী মতাংদা চীংমী লুচিংবা খরনা লাংলবসু অতেল লুচিংবশিংনা ইরাং অসিগী মাইয়োক্তা লেপই। চীংমী লুচিংবা ১১ না মে ৭, ১৯৭০ দা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীবা মেমোরেন্দম অমদা মনিপুরগী

চৌংগী লমশিংদা ডিষ্ট্রিক ওতোনোমী পানবা রা তকখি।
মনিপুরগী ষ্টেটহুডকী রাফমবু শংগনি। মেমোরেন্দম অসিদা হায় —

"হায়রিবা মনিপুরগী চৌংগী লমশিং অসি মনিপুর ষ্টেট হিল পিপলস রেগুলেসন ১৯৪৭ কা মথাদা রায়েন থৌদ পাং-থোক্লম্বনি। হৌজিক্কী ফিভমসু তুংগী ওইনসু মনিপুরগী চাং-মীশিংনা তাক্লিবদি মপুংফাবা ষ্টেট অমা ওইববা মনিপুরদা ডিষ্ট্রীক্কী থাক ফাওবদা চৌংমশিংবু ওতোনোমী ফংহনবনি। হায়রিবা কয়াং অসি ভারত লৈবাক পথাপকী মথাদা চাংমীশিংবু তাক শেনবা অমসুং মখোয়গী থুদোং চাবা ফংহন্নবা চথবিব সরকারগী থোশিলবু থবক্তা ওন্থোকপা ওইনা পাংথোক্কবা যাদ-বনি।" চৌংগী লমদা ডিষ্ট্রীক ওতোনোমী পীবগী রাফম অসি কংগ্রেস সি পি আই, সি পি এম এস, এস পি, পি এস পী, অমসুং এন পী পানা শেগংলি। অতুবু অল মনিপুর পঞ্চায়েট পরিষদনদি চৌংগী লমদা ওতোনোমী পীবগা মরুপা পঞ্চায়েটি রাজ লিংখৎনবা তকখি।

অল ইন্দিয়া পঞ্চায়েট রাজ কনফরেন্সকী মরী লৈননা মার্চ ১৫, ১৯৭২ দা অল মনিপুর পঞ্চায়েট পরিষদন ভারতকী প্রেসিডেন্টদ পীরা মেমোরেন্দমদা মনিপুরগা চৌংগা লমশিংদ পঞ্চায়েট রাজ লিংখৎনবা হায়। ভারতকা মফম অতেদা লৈবা চাংমীশিংগী মতাংদ চংনবা রায়েন থৌদাগী কয়াং অসি মনি-পুরগী চাংমীশিংগী মতাংদা পুশিল্লকপদা পরিষদনা পেন্দর ক্ষো দোকই। হিল ওতোনোমী পীবনা মনিপুরগী চাং তম ভোথায় ভাহনগান, থোং মান্নবা থুননাই অমা শেম্লকপগী লম্বী

শেংহল্লোই হায়না ফোংদোকই। বৃটিশনা হৌদোক্লম্বা চীং জম খায়দোক্নহনবগী থোসিল অদু নিংতম্বা ভারতা অমুক হন্না চল্লবা চুমক্লে হায়না ভারত সরকারদা খংহল্লি।

মনিপুর পঞ্চায়েট পরিষদকী রুফম অসিগী কে, সি বরুয়ানা ভারত সরকারদ ইরা রুফনগা মান্নে। মহাক্না চীংমীশিংগী অইবা তোংদানবা রুয়েন থোদাগী শকথং অ। লৈনবগী মরম চাদে হায়। ভারতকা অতৈ লমশিংগী চীংমীশিংবু ভারত লৈবাক পথাপকী মঙ্গালবা তাংকক্লা কোনশিল্লি অদুগা অতোনোমস ডিষ্ট্রিক কাউন্সিলগী মতাংদনা তক্ষকশুবা তাংকক্লা কোনশিনি। (হায়রিবা শক্তম অসি অসাম অমসুং মনিপুরগী চীংগী লমশিংগী মতাংদদনি) মহাক্ন হায় "অসিগুম্বা থৌরাং অসি নিংতম্বা ফংবদ মতাংদা অসাম; মনিপুরনচিংবা চীংগী লমশিং পুনশিল্লগা মরক খনচুনা থম্বা লৈবাক অমা শেম্বা হোংনবন্দ্রা বৃটিশকী কয়াৎ অমদগা থাক্পা অইনা উই।" চাং তমগী অপুনবা কায়হল্লোই হায়রবদি ভারত লৈবাক পথাপুগী তক্ষকশুবা তাংকক মুৎথংলগা ডিষ্ট্রিকশিংদা পুথ য়েট লিংখংকদবনি হায়না মহাক্না হায়।

১৯৭২ গী জন ১দা মনিপুর ষ্টেট এসেম্ব্লিদা ডিভেলপমেন্ট মিনিষ্টরনা তম্পাক্তা হান্না পঞ্চায়েতী রাজ লিংখৎপা চুমই হায়। [illegible] নগি কমিশনরগী [illegible] মনিংর পঞ্চায়েতী রাজ লিংখৎত্রিবানো হায়রব [illegible] মখা পঞ্চায়েদা থুম্বনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নেহরুনা অসামগী চীংমীংগী মতাংদা ওতোনোমী হেন্নবা পীনবগী থৌবাং য়াংলমী। থৌরাং অসিবু নেহরু প্লান নত্রগা স্কোটিস পেটরন হায়না খংই। পাটাস্কর

কমিসনন্না ডিষ্ট্রিক কাউন্সিলগী মথৌ মওম অসি পাক চাওনা হায়। ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল অসি লোকেল ওথেরিতিগী মথৌ মওম পাংথোকপনা নত্তনা রায়েনবগা থৱকপু পায

ভারত সরকারনা হাননা চংথরব্রিবা পাল্লিমেন্টকী ১৯৭১দা মনিপুরগী চীংমী চবশিংনা ডিষ্ট্রিক কাউন্সিলগা রক্ষা পাংস থাঙ্গংপদগী মনিপুরদ হাপবিবা ওতোনোমাস ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল অমি স্টেট ওইবগা লোয়নন লিংথোকখি। পুন সটি ১০৮ লা মনিপুরগী ওতোনোমাস ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল তরক্ক, মাইথল মে ১৯৭৩দা পংথোকই।

তরুকস্ত্রবা মতাং

অরাং নোংপোক ভারত

অরাং নোংপোক ভারতনা কৌল্লিবা লমগী শরুক অসি ভারত অপুম্বগী চাদা নিপালগী চাংনি, মীশিংনা চাদা ৩৫ নি। লমদম অসিগী পাক চাওবা স্কুয়ার কিলোমিটর লাখ অনি চানিপাল মরিফু (স্কুয়ার মাইল লিশিং মরিফুতরা নিপাল)নি; মীশিংনা ক্রোড় অনিরোম্নি। লৈকোয়? ঙাক্লোনগী ওইবা থোইদোকপা ফিভমগা লোয়নন্না তোঙান তোঙানবা কাংলুপ লোল অমসুং ধর্ম্মগী খেন্নবা লৈবা লমদম অমনি। হায়রিবা ফিভম অসিনা লমদম অসিগী লৈঙাক্লোন্দা অকনবা শাফু পী।

তারা নোংপোক ভারততা ওইবা তোপ্ তেপ্পা লৈতেক্লোন। শক্তম অমা নিংতম্বা কংলপ্পাইদা শাগৎলকই।

ভারতকী লৈবাক পথাপ্ শেম্লকপগী মতমদা নোংপোক পাকিস্তান (বঙ্গলা দেশ) গী নোংপোক্তা লৈরিবা লম পুম্নমক পুনশিল্লগা স্টেট অমা ওইনা শেমগনি হায়না নিংনরম্মী। হিরম অসিগীদমক্তু নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার ডিভিজনবু অসামদা পুশিল্লম্মী। অদুগা মনিপুর অমসুং ত্রিপুরা অনিমক মতম খরগী মতুংদা অসামদা পুনশিনগনি হায়না নিংনরম্মী। রাখল পরিং অসি নক্ত ওইনা শেল থুমগী হিরমদা মশাগী মংখাংনা লেপচবা ওম্বা স্টেট লিংবা হায়বা রাক্ষমদা সৃক্ষম ওইরম্মী। অদুবু অরাং নোংপোক ভারতা লৈরিবা কাংলুপ মচাশিংনা মথোয় মশা হিংবগী নালমশং চেশিন্নকপগ লোয়নবা রাখল পরিং অসি পুনবা থাদোকই।

১৯৪৮ দা মনিপুর, ত্রিপুরা, কছাড় অমসুং লুসাই (মিজো) চীংনা পুংগা পূর্ব্বাচল হায়বা স্টেট অমা শেম্নবগী রাখম লৈরম্মী। অদুবু ভারতকী লৈঙৈশিংগী শক্তম নৌনা অমুক হাংখোকপগী রাক্ষম লাকপগা লোয়ননা থোরাং অসি পাংথোক্তনা থোকই। হিল স্টেট অমা শেন্নবগী রাক্ষমসু লৈরম্মী। স্টেট অসিদা য়াওবদা লমশিংদি মনিপুরগা চীংগী ডিষ্ট্রিক্টশিং, নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার এজেন্সী (অরুনাচল) গী শরুকশিং অমদি মনিপুর অমসুং ত্রিপুরানি অদুবু রাক্ষম অসি থুরাং ইথাও ঙাওদনা থোকই। চীংমীশিংনা কাংলুপ কাংলুপকী ওইবা তোংঙান তোংঙানবা লৈবাক্লোনগী লম্বী লৌরি। নাগাশিংনা তোঙানবা নাগালেণ্ড অমা শেম্বা প্পামই। মিজোশিংনা মিজোরাম অদুগা

খাস', গারোশিংনা মখোয়তগী ওইব তোঙানা। স্টেট অমা ওইবা পাই। কছাড়দা লৈরিবা বঙ্গালীশিংনা অমা-দগী মপান থোকখিনবা লাক্লে। অরাং নোংপোক ভারতকী ইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা শমদম অসিদা থমিব ভারতকী চিংবশিংগী মিৎয়েং অমসুং চথরিবা ভারত সরকারগী থবক্লম ভারতকী অতৈ মফমদগী পুনতাপ তোপই।

ভারতকী লুচিংবশিংগী মিৎয়েং :--

অরাং নোংপোক ভারতকী লুচিংবশিংগী মিৎয়েং অসি খোংথোক তোংডাক্লি অচুক ওইনা মপুম ওইনা য়েংলগদি মখোয়গী মিৎয়েংদা খেন্নবা কবিগু লৈতে। লণ্ডন অসিগী মাংদা ইরব চিঠির সর্দার প্যাটেলনা পণ্ডিত নেহরুদা নবেম্বর, ১৯৫১ দা হায় - "অরাং অমসুং অরাং নোংপোকা হিমালয় চীংশাংগী পরিং ওইনা মপানাৎ মপুনাৎ অমসুং হোরকফম জাৎ য়েংলগা তিব্বতান অমসুং মোঙ্গোলোইদশিংগা থোইনা খেননদবা য়াং কাংলুপ অমা লৈরি ..... মখোয়শিং অসি ঈগী মরীদা চীনাগা হননা নক্লে . .. মখোয়না ভারতপু মরৈ ক ওইনা থাদ " সর্দারবা হায়বান অসিনা অরাং নোংপোক ভারত চথগদবা লৈঙাক্লানগী অমসুং রায়েন থোদাগী চপ চাবা থোসিন অম ফোংদোকত্রবনু অরাং নোংপোক ভারতকা মীশিং অসি তোংডানবা কাংলুপ অমনি হায়বদি শেংনা তাকই। মরম অসিনা রাফম অসি মাংদা থম্লগা ভারত সরকারগী থোশিল লেপ্লবা থোইনশিন পী। নিংতম্লবা মতুংগী ভারতকী লৈঙাক্লানগী শক্ত শসি আর্যশিং, দ্রাবিরশিং অমসুং মোঙ্গো

লোইদশিং হায়রিবা কাংলুপ অহুমসিগী লৈঙাক্লোনগী লাল য়াল্লবগী ইতিহাস শেম্বনি।

মী অঙম্না শাবা ষ্টেট রিওর্গেনাইজেসন কমিসনগী মীকোক অমা ওইখিবা কে. এম. পানিক্করনা অৱাং নোংপোক ভারতকী মীশিংবু করম্না লাকশিনগদগে হায়বগী মতাংদা পাম্বে অমা শম্না পুখৎকই। মহাক্না হায় — "ওসিফাওবা মপানাৎ মপুনাৎ খেন্নবা মখল কয়াগী মীশিংনা তারিবা ওমখৈগী লমশিং হায়বহ অতুম্বক ওইরি। তৌবদি ভারতকা মরী লৈনবা, মহৈ মশিং অমসুং লংজোন ইতিক চাওখৎলকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী মীশিংনা ত'স ৱাখল কুচু হাননা ওল্লবনি। মাংজিল থাবা শেল থুমগী থৌসিল মথাদা লম্বী থোং ফজনা শেম্বনা কুংশিনবা মওংদা লোইলম ওইহন্নবগী থোং হাংগনি।" পানিকরনা শেল থুমগী হিরমদা ভারত সরকারনা লৌগদবা ফিরেপ অহু শেংনা খংহল্লি। লৈঙাক্লোনগী ওইবা হিরমদতা নত্তনা শেল থুমগী হিরমদসু অৱ·নোংপোক ভারত অসি ভারতকী শরুক অমা ওইহন্নবা লম্বা তাকই।

অৱাং নোংপোক ভারত্তা জৱাহরলাল নেহরুগী মিংয়েংদি নাংকী ওইবা হিরমদ যুফা ওই। মহাক্না হায়— "অৱাং নোংপোক ওমখে লম অসি এখোয়না থোইদোক্না পুক্নিং থিংজিনফম থোকই হায়নাংই। হায়রিব ৱাফম অসি সরকারগী ৱা ওাক নত্তে ভারতকা মাপাংগা ওইননি। এখোয়গা মখোয়গা শম্নবা অসিনা এখোয়বু ফহনগনি অদুগা মখোয়বুসু ফহনগনি। মখোয়না ভারতকী মপাঙ্গল কনখংহনগনি অদুগা নাংকা মখল মথেল ফাহনগনি।"

রাকম ... । অসামবু নোনা শেমদোক শাদোকবনি থোরাং তোদে অহুম ও ননক অসামদগী মপান থোকখিনবগী ঈহৌশিং ফুগাং ... লোয়নবা অসুম্বু নোনা শেমদোক শাদোকই।

নাগাশিংগী ঈহৌ:—

শাসান ও তানোমস হিল ডিষ্ট্রিকশিংবু রায়েন থোদানবা লোইদোকপা থোরাং অমা ভারত লৈবাক পথাপুকী ভরুকশুপা তাংকত্তা য়াওই অদুবু অসামগী শকক অমা ওইনা নাগা হিলসনা ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল শেম্বগী থৌরাং অসিবু য়াদে। নিংভম্বা কংলমদাইদগী নাগা নেসনেল কাউন্সিলনা (১৯৪৬) নাগা তাবা সমশিং পুনশিন্নগা নিনিংতম্বা নাগালেণ্ড অমা শেম্বগী রাকম পুখংলি। অদুবু রাকম অসি থবক ওইনা পাংথোকপা য়াব্রোইদেবগী মওং লৈবদগী ১৯৫৮ তা ফেডরেল গবর্ণমেণ্ট ওক নাগালেণ্ড শেমনগা থুংলায়র পায়হনা লাল হোই। নাগাশিংনা অসামদগী মপানথোকপগী রাকমতা নত্তনা ভারতগী মপান থোকখিনবা হোংনৈ।

আগষ্ট ২২, ১৯৫৭ তা লিংবা নাগা পীপলস কনভেন্সনা অসামগী নাগা হিলস অমসুং নেফাগী তুয়েনশাং ডিভিজন পুল্লগা তোংভানবা রায়েন থোদাগী শকক অমা ওইনা এক্সটরনেল এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিগী মথাদা থম্নবা তক্লে। ১৯৫৭ কী ডিসেম্বর ১দা হায়রিবা ইউনিত অসি শেমই। কনভেন্সননা অনিনা লালহোবশিংনা কংগে তাল্লিবা পান্দমদগী তোংভানবা লৈবাক্লোনগী লম্বী অমদা

ফিরেপ লৌই। ১৯৫৮ দা ফম্বা অনিশুবা কনভেন্সনগী সলেক্ত কমিতিনা হিরম ১৬ য়াওবা খোরম প রং অমা পুখোক্লুন ভারতকী মনুংদা নাগালেণ্ড ষ্টেট শেম্বগী 'পারম য়াংলি ১৯৫৯ গী অহুমশুবা কনভেন্সনা নাগালেণ্ড শেম্বগী রাক্নম যারকুনি' ভারত সরকারনা রাক্নম অসি ওকখিল্লি। নাগালেণ্ড ট্রান্সিসনেল প্রোভিজনস রেগুলেসন ১৯৬১ গী মথাক্তা মীকোক ৪২ না শাবা মীয়াম্বা খনবা মীহুৎশিংনা গবর্ণরবু পাঙতাক পীবা কাউন্সিল ওইনা চহি অহুম থবক পুই। ডিসেম্বর ১, ১৯৬৩ দা নাগালেণ্ড ষ্টেট ওই।

মিজোশিংগী ইহোং:—

১৯৪৬ তা লিংবা মিজো ইউনিয়ন্না মিজো তাখিবা মনিপুরগী লমশিং লুসাই চীং (মিজো চীং) দা তিন্নবগী রাক্নম পুখংলি। জুলাই ১৯৪৭ তা ইউনাইতেদ ফ্রিদম ওর্গেনাইজেসন লিংখৎপগা লোয়ননা অসাম অমসুং ইষ্ট পাকিস্থান (বঙ্গলাদেশ) কী লমশিং বর্মাদা তিন্নবগী রাক্নম পুখংলি। মতুংদা ওর্গেনাইজেসন অসিগা ভারতকী মনুংদা হিল ষ্টেট অমা শেম্বা পাম্বা ইষ্টরন ইন্দিয়ান ট্রাইবেল ইউনিয়নগা পুনশিল্লি।

১৯৬২গী অক্টোবর ১২ দা মিজো নেসনেল ফ্রন্ট শেমই। ফ্রন্ট অসিনা মনিংতম্ব অকোবা মিজোরাম অমা শেম্বগী পাম্মম থমই। ১৯৬৬ কী মার্চ ১দা থুংলাই পায়হনা লাল হোই। লালহোবগী

থবক অসি চান্দ্রিগী মমাংদা মিজোরাম অমসুং মনিপুরদা লৈরিবা নাগ নত্তবা কাংলুপনা পাবা লৈঙাক থুংপুশিং অমসুং ওর্গানাইজেসনশিংগী অপুনবা মীকপ অম চূড়চান্দপুরদা পাংথোকই ১৯৬৫গী জানুয়ারী ১৫দা পাংথোকপা মীফম অসিনা লৈঙাক্লোনগী শুইবা হিরমশিং থম্মে। অদুগা মনিংতম্বা মিজোরাম অমা শেম্বগী রাকম মথংগী মীফমদা থল্লনবগীদমক য়ৈথোকই। অদুম ওইনমক হায়রিবা অনিগুম নাকম অসি কমপ্রিহেনসিভ মিজো নেসনেল ফ্রন্টনা লানহৌবগী থৌরম চংথরকই। মীফম অসি ফমদনা তেংবই। নাগাশিংগী লানহোগা চপ মান্নবা মওংদা মিজোশিংগী লানহোম্ব চংথে। করিগুম্বা য়ানবা অমা পুরকপা ওমত্রে। অদুবু মিজোরাম্না অন্নাং নোংপোক ভারতকী টেরিটরি অমা ওইনা চোংথোরকই।

খাসী গারোশিংগী ঈহৌ

ওল পার্টি হিল লিডরস কনফারেন্সনা তোংঙানবা হিল স্টেট অমা শেম্নবগী রাকম পুথংলি। কনফারেন্স অসি লিংথোক্লবগী মমাংদসু হিলস্টেট শেম্বগী রাকম অসি খাসি লুচিংবশিংনা তকশিন্নুনা লাকই। খাসী মিনিষ্টর নিকোলস রোইনা মেঘালয় য়ানদবদগী ১৯৫৪ দা মিনিষ্টরগী কম থাদোকই অদুগা হিল স্টেট অমা শেম্নবগী থবক পুক্নিং চংই। অদুবু রাকম অসিন লৈঙাক্লোনগী ঈহৌ অমা ওইনা তংলংনা থুগাংলকপদি ওল পার্টি হিল লিডরস কনফারেন্সকী লমজিংদনি। ১৯৬০ গী আপগইতা সিলংদা ফমা কনফরেন্স অসিগী

অনিশুবা মীফম্‌ হিল ষ্টেটকী রাক্ষম অসি থাঙ্গংলি। হায়রিবা চহি অসিগী নবেম্বরদা হাফলোংদা ফম্বা কনফারেন্স অসিগা অছুমশুবা মীফমদা চীংমীশিংনা অসামদগী থাংদোক্লগী রাক্ষম অসি মরা চেংশিনহল্লি। ভারত সরকারনা হিল ষ্টেট অসি (১৯৭২ দা) লিংথিহৈগী মমাংদা অরাং নোংপোক ভারত ফেডারেসন অমা শিংনবগী থৌশাং পুথোকই। থৌরাং অসি থাইদোক্লা মরু ওই। অরাং নোংপোক ভারতক তুং লৈগাক্লোনগী কয়াত্তা থৌরাং অসিগী মমি ফজনা উই।

মেঘালয়

প্রাইম মিনিষ্টর নেহরুনা হস চীংমীশিংগী মতাং অরোইবা থাক্লনা ওতোনোমি পানবগী থৌরাং অমা পুথোক্লম্মা থৌরাং অসিবু নেহরু প্লান নত্রগা স্কোটিস পেটরন হায়না খঙ্গন। মার্চ্চ ২২, ১৯৬৫ দা পাটাস্করনা চিয়ারমেন ওইবা কমিসন অমনা হিরম অসিদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চংথে। মার্চ্চ ৩১,১৯৬৬ দা কমিসন অসিনা পীখ্রপা রারোলদা ভারত লৈডাক পথ পঙ্‌ তরুকশুবা তাংকক্কী মথাদা রায়েন থৌদা পাংথোকপনা চীংমী লম, চংনবী, মরোল মনাং, চংনলোনচং ওাকপা ওমহল্লি হায়। "ডিষ্ট্রীক কাউন্সিল অসি লোকেল ওথোরিতিশিং মথো মঙম পাংথোকপদা নত্তে, রায়েনবগী হিরমদসু চংশিল্লি" হায়না কমিসন অসিনা ফোংদোকই। কমিসনগী রারোল অসিনা লৈরিবা রায়েন থৌদাগী শক্তমদা অহোংবা পুররুবগী রারোল থাঙ্গত্তে। ভারত

লম্বাক পথাপকী তরুকথুব তাংকক্তা মখাক্তা চাংগী ডিষ্ট্রিক্টশিং অসি অন্নম থমুবগী রা হায় ডিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা ক (হুন্না ঙুভোনোমী পাহুনা কেটলগুদা ওইবিবা লৈতাক্লোনগী কয়াং অহ্ ওইহনববগী রাকম কমিসন অসিনা য়াদে।

[illegible] অসি ওল পারটিজ হিল লিদরস কনফরেন্সনা য়াদবদা [illegible] হোইশিনদাইদা মীয়াম্বগী অন্দোলন অমা চংথনবগীদমক শেম শাই। কমিসনগী রিপোর্ট অসি খননবা কেবিনেত সব কমিতি অমা শেম্মই। কমিতি অসিনা চাংগী লম্পশিংগী ওইবা ষ্টেট মশা (সব ষ্টেট) অমা শেম্বগী রাকম য়াই। অদুবু ওল পারটিজ হিল লিদরস কনফরেন্সনা থোরাং অসিগী মাইয়োক্তা অন্দোলন চংথগনি হায়না ১৯৬৭ কী জানুয়ারীদা লাউথোকই। জানুয়ারী ১৩, ১৯৬৭ দা হোম মিনিষ্টরনা অসাম অসি নোংমা অমুক শেমদোক্লগনি হায়না লাউথোকই। অনৌবা থোরাং অসিগী মখাদা ফেডরেসন অমা লিংগনি অদুগা ফেডরেসন অসিদা য়াওবা ইউনিতশিং অদু "থাক চপ মান্না প্রমগনি, অমনা অমগী মথক্তা [illegible] হায়না হোম মিনিষ্টরনা ফোংদোকই। "পুম্নমক্তা [illegible] ফেডরেসন অসিদা শিন্নগনি অদুগা অতৈ হিরমশিংদি পুরিবা ইউনিত-শিংদা লৈগনি; ইউনিতশিং অসিগী মথাগী ওইবা আইন সভা অমমুং মথং মগুম লৈগনি।" থোরাং অসিনা [illegible] মফুংদা অরাং নোংপোক লমগী ওইবা ফেডরেসন অমা লিংমবগী কয়াং য়াংদি।

অনৌবা থৌরাং অসি পাময়বগা লোয়ননা অসাময়দা পাক চাওনা ইরাং হৌই। ভারত সরকারনা অশোক মেহতানা মুচিংবা কমিটি অমা শেমখ্রুনা হিরম অসিদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চংথহল্লে। কমিটি অসিনা ফেডরেসন অমা লিংবগী রাকম অসি য়াদে। মসিগী মহুত্তা চৌংগা ডিষ্ট্রিক্টশিংদা ওতোনোমী হেন্না পানবগী রাকম থাকংনি। কমিটিনা সপা রিপোর্ট অসি ভারত সরকারনা লৌদে।

অসামগী তম্মীশিংনা ফেডরেসনগী থৌরাং অসি য়াদবগা লোয়ননা ভারত সরকারনা মথোক্ত অহুম লৈবা চুমশিননবা ষ্টেট (এসোসিয়েটেড ষ্টেট) অমা শেম্বগী রাকম হোৎনরকই। চুমশিননবা ষ্টেট অসিগী গবর্ণর অমা লৈগনি। ষ্টেট অসিগী অহানবা মথোলনা অসাম মশাগী লৈরিবা ষ্টেটকী শরুক অতুনি অনিশুবা মথোলনা অসামগী এসেম্ব্লী অমসুং কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী মথৌ মওয়া কোনশিন্দন লৈবা চৌংগা ডিষ্ট্রিক্টশিংনি। হায়রিবা ডিষ্ট্রিক্টশিং অসিগা মরী লৈননা অসামগী এসেম্ব্লী অমসুং মন্ত্রি মণ্ডলনা হিরম অহুমথক্কী মতাংদা মথৌ মওম পাংথোকপা ঙমগনি। হিরমশিং অতুদি অচৌবা ইন্দষ্ট্রি, পরার অমসুং ষ্টেটকী লমযানি। অহুমশুবা মথোলদি মশাগী আইন সভা অমসুং মন্ত্রি মণ্ডল লৈবা হিল ডিষ্ট্রিক্টশিংনি। অনৌবা থৌরাং অসি ফেডরেসন হায়বগা করিশু থেন্নদে।

সেপ্তেম্বর ১১, ১৯৬৮দা গারো চীং, খাসী চীং অমসুং জে রাষ্ট্র ডিষ্ট্রিক্টশিং পুনশিন্নগা ওতোনোমস ষ্টেট অমা অসামগী মনুংদা শেম্নগনি হায়না ভারত সরকারনা লাউথোকই। থৌরাং

অসিগী মথাক্দা সব ষ্টেট অমা ওইনা এপ্রিল ২, ১৯৭০ দা মেঘালয় থোরকই। চীংদা নত্রগা তমদা ইউনিতশিং (সব ষ্টেট-শিং) কয়ানুক লৈবা রাই হায়রনা প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা ফোংদোকই। মওং অসিদা কছাড়, তাই আরোম, কমাটপুর তমপাক্তী চীংমী তাবা লমশিংদা ত্রোংঙানবা ইউনিত অমমর ওইনা লৈনবগী রাজ্য থাক্বংদি। মিজোশিংগীদমক্তু রাজ্য অসি নৌনা থোকই।

অৱাং নোংপোক কাউন্সিল শেম্বগী রাজ্য:—

সেপ্তেম্বর ১১, ১৯৬৮ দা ভারত সরকারগী কৌন্সিল লাউথোকপদ: অৱাং নোংপোক কাউন্সিল অমা শেম্বগী রাজ্য পল্লি। কাউন্সিল অসি অৱাং নোংপোক লম পুম্নমক্কী ওইবা চাওখৎ থৌরম অমসুং ইকোনমিক পান্ডমশিং পাংথোক পীবদা লিংজনবা অরাংবা থাবক্কী লুপ অমনি। কাউন্সিল অসি করিগীদমক্তা অৱাং নোংপোক ভারত্তা লিংসদোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা ভারত সরকারগী লাউথোকপা অসিদা হায়

"থোইদোকপা রাজ্য কয়া থেংনরিবা অতৈগা তাকশেনবগী মক ওইবা মকমসু ওইরিবা অৱাং নোংপোক লমদম অসিগী তাক শেনবগী হিরমশিং লমদম অসিদা মরা তঙাই ইকোনমিক পারনবগী রাজ্যশিং থাম্নদোক্নবা মাদে; হিরমশিং অসি লমদম অসিদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অমসুং ইউনিয়ন টেরিটরিশিংদ মায়া মরু ওইবদা নত্তনা ভারত অপুনবগী ওইনা মরু মরু ওই হিরম-শিং অসি মতাংদা লমদম অসি ওইনা নিংশিংনা চুমশিন্নবা

রায়েন খোঁদা পাংখৎলকপা মীনবগীদমক অসাম অমসুং নাগালেণ্ডগী গবর্ণরনা চিয়ারমেন ওইবা, অসাম, নাগালেণ্ড অমদি মেঘালয় মোনা শেম্বা এভোনোমস ষ্টেট (মেঘালয়) গী চিফ মিনিষ্টরশিং অমসুং অমদম অসিগী ইউনিয়ন টেরিটরিশিংগী চিফ কমিশনারশিংনা মেম্বর ওইবা কমিটি অমা লিংখৎলিবা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল অসিদা লৈগনি।"

১৯৭০ দা ভারতকী পার্লিয়ামেন্টনা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল বিল পুথোকই। কাউন্সিল অসিগী চিয়রমেন অসাম অমসুং নাগালেণ্ডগী গবর্ণরনা [illegible] মণিপুর অমসুং ত্রিপুরাগী এডমিনিষ্ট্রেটরশিং, অসাম, মেঘালয়া, নাগালেণ্ডগী মিনিষ্টর অমমম [illegible] এডভাইজরা [illegible] গবর্ণরনা কাউন্সিল [illegible] ওইগনি। [illegible] দোকপদগী [illegible] অরাং নোংপোক [illegible] অসি [illegible] নোমা [illegible] লাম্নচৌ [illegible] অসিদা [illegible] এক্ট [illegible] পার্লিয়ামেন্টনা পুথোকই। (হান্নগী 'বিল' অদু [illegible]) [illegible] ওইরম্বী [illegible] অদু অক্নোববদগী 'এডভাইজরী' কাউন্সিল [illegible] ওহোক্কে।

নোর্থ ইষ্টর্ন এরিয়াজ (রিওর্গেনাইজেসন) এক্ট, ১৯৭১ [illegible]

নোর্থ ইষ্টর্ন এরিয়াজ (রিওর্গেনাইজেসন) এক্ট, ১৯৭১ গী মথাদা অরাং নোংপোক ভারতা ষ্টেট মঙা অমসুং ইউনিয়ন টেরিটরি অনি লৈ। ষ্টেটশিংদি অসাম, নাগালেণ্ড, মনিপুর, ত্রিপুরা অমসুং মেঘালয়নি। অদুগা ইউনিয়ন টেরিটরিশিংনা মিজোরাম অমসুং অরুনাচলনি।

"ষ্টেট মতাগী ওইনা পুরা গবর্নর অমা"নৈ। হায়রি অসাম অমসুং নাগালেণ্ডগী হায়কোর্ত ওইরম্বা গৌহাটি হায় কোর্তনা ষ্টেট মনা অসিগী অপুনবা হায় কোর্ত ওই। ষ্টেটশিং অসিদা ডিভিজন কোর্ত লিংই। ষ্টেট মতা অসিগী অপুনবা একাউন্তেন্ট জেনরেলগী ওফিস লিংই।

অসাম:—

১৯৫০ দা অসামদগী নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার এজেন্সী থাযখ্রেই। ১৯৫১ দা কামরূপ ডিষ্ট্রিক্তা লৈবা ডেব্রানগিরি গী শক্করখর ভুটানদা হাপচিল্লি। ১৯৬৩দা নাগ লেণ্ড থোকখি। ১৯৭০ গী এপ্রিল ২দা অসামগী মনুংদা সব ষ্টেট অমা ওইনা মেঘালয় শেমই। অরাং নোংপোক ভারত শেমদোকপা আইন, ১৯৭১ গী মখাদা অসাম অসি ব্রহ্মপুত্র ভেল্লীকী ডিষ্ট্রীক তরাং মিকির অমসুং কছাড় চাংগী ডিষ্ট্রিক্তশিং অহুমগা কছাড় ডিষ্ট্রীক অমক থাইহোরে। শেমদোক্লবা অসামগী পাকচাওবা বর্গ মাইল লিশিং ৩০,৪ নি অমসুং ১৯৭১ গী মীকোক থীবগী মতুং ইন্না অপুনবা মীশিং লাখ ১৪৬.১ নি।

নাগালেণ্ড:—

নাগা হিলস তুয়েনসাং অসামগী ওটোনোমস ডিষ্ট্রীক অমা ওইরম্মী। ডিসেম্বর ১, ১৯৫৭ তা নাগা হিলসকা টুয়েনশাংগা

পুরগা ইউনিয়ন টেরিটরি ওই। ডিসেম্বর ১ ১৯৬৩ দা নাগালেণ্ডনা ষ্টেট ওই। ষ্টেট অসিগী ডিষ্ট্রিক্ট অমুক লৈ। কোহিমা, মকোকচুং অমসুং টুয়েনসাংনি ষ্টেট অসিগী পাকচাওবা বর্গ মাইল লিশিং ৬.৪; সি মীশিংগী মশিং লাখ ৫.২ নি। ইউনাইটেড ডিমোক্রেটিক ফ্রন্ট অসিগী ওইবা ... পার্টিনি জুন ১ ১৯৭৫ দা ষ্টেট অসিগী রায়েন থোদা এম্প্লয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ মিনিষ্ট্রিগী সংখ্যা লৈরম্বা অমা হোম এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিগী মখাদা থমই।

মেঘালয়

বঙ্গলাদেশকা মায়োক্নবা লৈরিবা মেঘালয়গী পাকচাওবা বর্গ মাইল লিশিং ৮.৭ নি অমসুং ১৯৭১গী মীকোক থীবগী মতুংইন্না মীশিং লাখ ১০ রোম্নি। খাসি, জয়ন্তিয়া অমসুং গারোশিংনা মরুওইনা লৈ। ষ্টেট অসিগী ডিষ্ট্রিক্ট অহুমথোক্না থারদোকই। মখোয়শিং অদুদি খাসী চীং জয়ন্তিয়া চীং অমসুং গারো চীংনি। ষ্টেটহুড ফংদ্রবা মাংবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ওটোনোমস কাউন্সিলশিং মুংশন্তে। ১৯৭২গী মার্চদা ওগা পার্টিগী হিল লিডরস কনফারেন্সনা সীত ৬০ গী মনুংদা ৩২ ফংদুনা মরমগী মীওন শেমই। ১৯৭৩ দা পার্টি অসিগী মাচাবা শরুক ক ক কংগ্রেসতা তিল্লি।

ত্রিপুরা

ত্রিপুরাগী পাকচাওবা বর্গ মাইল লিশিং মরিনি, মীশিংগী লাখ ৮ নি অমুনবা মাশিংগী অহু-থোকপগী অর্মদি চংমীনি।

ষ্টেট ওইখিনৈদা হায়রবদি ১৯৫৭ তা টেরিটরিয়েল কাউন্সিল লিংই। মদুগী তুংদা টেরিটরিয়েল লেজিস্লেটিভ লিংই। ১৯৬৯ দা চিফ কমিসনারবু লেফটনেন্ট গবর্নরগী থাক্তা হাংদোকখি। ১৯৭১ দা মপুংফাবা ষ্টেট অমা ওই।

মিজোরম—

লুসাই হীল (মিজো হীল) অসি হায়রিবা ওভোরোমগী ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল ঐরবা অসামগী ডিষ্ট্রিক অমা ওইরম্মী। অপুনবগী বর্গ মাইল ৮,১০০ নি, মীশিংগী মশিং ৩২০ নি। অরাং নোংপোক অমশিং নোংচুপ খুন্নাশিংগী মিজোশিংগী ইউ-নিয়ন টেরিটরি ওইনা চোংথোরকই। ১৯৭২ দা হাংদোকপা মীখলদা মিজো ইউনিয়ননা মশাং মাংবা কাতুনা মনত্রি মফম শেমই।

অরুনাচল—

বর্গ মাইল ৩১,৪৩৮ পাও চাওবা টরিটরি অসিগী মীশাং মশিং ৪৪০ নি। হায়রিবা নেথ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র এজেন্সি ওইনা শেমখিবদগী ১৯৫৪দা নোথ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র এজেন্সী হায়না কোরগা সেন্তরগী মথাদা লৈরম্মী। হৌজিক অসিগী মীহাক ২৬ লৈবা প্রদেশ কাউন্সিল অমা লৈ। মাকোক্ষিং অসিগী মপুংফাবা খনবা চিফ মিনিষ্টর অমা য়ামদা মীহাক ৫ লৈবা এডভাইজরী কাউন্সিল অমা লৈ।

নোর্থ-ইষ্ট কাউন্সিল —

নোর্থ ইষ্টার্ন কাউন্সিল এক্ট, ১৯৭১ গী মখাদা অৱা নোংপোক কাউন্সিল অসি আগষ্ট ১, ১৯৭২ দা শেমগী। নবেম্বর ৭.১৯৭২ দা সিলংদা কাউন্সিল অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা হাংদোকই। মনিপুর, নাগাল্যাণ্ড (১৯৭৫ দা কাউন্সিলগী মেম্বর ওই), অসাম, মেঘালয় অমস্যুং ত্রিপুরাগী চিফ মিনিষ্টরশিংবু কাউন্সিলগী মেম্বর ওইনা হাপই। অতৈ মেম্বরশিংদি মিজোরামগী লেফটিনেণ্ট গবর্নর, অরুনাচল প্রদেশকী কাউন্সিলর অমগা য়াওনা চিফ কমিসনারনি।

-৮৬

কাউন্সিল অসি পাওতাক পীনবা অমস্যুং ইউনিতশিং অসি পুংশীনা চংমিন্নবা লিংবা কাউন্সিলনি। থবক পাংথোকপগী মতাংদা ষ্টেটশিং অমস্যুং ইউনিয়ন টেরিটরিশিং অসিদা করিগুম্বা র' অমত্তা ননবা ওয়দে। কাউন্সিলগী মথৌ অসি শেলথুমগী মরী লৈনবা অমস্যুং শেলথুমগী হিরম নত্তবা হায়রনা অনিথোক্না থাযদোকপা য়াই। শেলথুমগী হিরমশিংদি —

(১) লমদমগী ওইবা থৌরাং য়াংপা,
(২) থবক পাংথোকপগী মতাংদা অহান অকোন থাম্বা,
(৩) থৌরাং পাম্বুনবা মফম লেপ্পা,
(৪) ইউনিতশিংদা শেল থায়থুবগী মওং লেপ্পা,
(৫) লমদমগী ওইবা থৌরাংশিং পাংথোকপা,
(৬) থুনবাইগী অমস্যুং শেল থুমগী হিরমদ থিজিন হৌমজিনবা অসিনি।

শেন পমগী নম্ববা হিন-শিংদি—

(১) লৈবাক লাংহন্দবা, ডাক শেনবা অমসুং (২) কাংলুপ মশেল চাং-থংনবা নৈনিননবনি।

স্টেট রিওর্গেনাইজেসন এক্ট, ১৯৫৬ কা মথাদা লিংবা জোনেল কাউন্সিল মসা অদুগা ১৯৭১ গী কাউন্সিল অসিগা মওং ক্যাদা খেন্নৈ। কাউন্সিল অসিনা অৱাং নোংপোক লমশিংগী থৌবাং যাংপদা এত্তুনা স্টেটশিং অমদি টেরিটরিশিংগা থু-শন্নৱা থৌবাংশিং পাংথোকপা ঙমই। কাউন্সিলগী মথুত্তা শেন লৈ অমসুং মী (মেন পাৱার) ফংই। জেনেরেল কাউন্সিলগা পুনখেন খেননবা মওং অমনা নোর্থ ইষ্টৰন কাউন্সিলগা ওফিস অমা সিলংদা লেংদনা থম্বগা মওং অসিনি

নোর্থ ইষ্টৰন কাউন্সিল অসি "ফেডরেসনগী অনৌবা চাংয়েং অমনি, মসি মাইপাক্লকপগা লেপ্পনন চাংখৎলক্লিবা লমশিংদা ফেডরেসনগী ব্লাখল অসি পুম্নমক্ক নোংহনগনি হায়না বি, দত্তরোইনা হায়। লৈবাক মনু লাংহন্দবা হায়বসি স্টেট মশানা পাংথোকচগদবা হিরম ওইবনা অৱাং নোংপোক লমশিংগী ওইবা অপুনবা থৌরাং অমা লাকপা তাৱবদি মদুনা স্টেটকী মশাগী পাঙ্গলদা শোকহল্লি। মরম অসিনা "স্টেটশিং অসি ফাগী তাবক্কনি" হায়না কে. সি বরুৱানা হায়। মতামদি চাংখৎ থৌরমগা ডাকশেনবগী মমসুং লৈবাক লাংহন্দনবগী হিরমগা পুল্লপ কাউন্সিলদা থাম্বা অসি মওং ওাদে। ডাক শেনবা (ডিফেন্স) হায়বসি ভারত সরকারনা পাংথোক্কদবনি অদুগা লৈবাক লাংহন্দবা (পব্লিক ওরডর) হায়বসিনা স্টেটকী মথৌনি হিরম অনিমক অমগা লোয়না কাউন্সিলদা থম্লে। সেকুরিটিগা

মতাংদা কাউন্সিল অসিনা করিগুম্বা অমত্তা থবক ওইনা ওসি ফাওবদি তংশংনা উত্রি।

ইউনাইটেড লেজিস্লেচর পার্তিগী মন্ত্রি মণ্ডলনা কাউন্সিল অসিদা মনিপুরনা য়াওবগা রারেপ লৌই। ১৯৭২ গী নবেম্বর ৭তা কাউন্সিল অসিগী হাদোকপগী থোরম মনিপুরগী চিফ মিনিষ্টর মহম্মদ আলিমউদ্দিন য়াওই।

অরেংসুবা মতাং

মনিপুরনা ষ্টেট ওইবা

নেৎ ইষ্টর্ন রিজনে নাইজেসন এরিয়াজ (রিওর্গেনাইজেসন) এক্ট, ১৯৭১ গী মথাদ মনিপুরনা ২১, ১৯৭২ দগী ষ্টেট ওই। বিধান সভাগী মীকৈ'ক মশীং ৬০ দা লেপই। মসিগী মনুংদা ৯১ না চীংমীশিংগা অনুগা অমদি শেদ্যুল কাষ্টকী ওইনা থাক্লুনা ওমই লোক সভাদা মীহুৎ অনি অমুগা রাজ্য সভাদা মীহুৎ অম লৈ। লোক সভাগী মীহুৎ অনিগী মনুংদা অনদি চংমীগী-দমক্তা পাকই। গৌহাটি হাইকোর্তনা অসাম নাগালেন্দ, মেঘালয় মনিপুর অমসুং ত্রিপুরাগী অপুনবা হায়কোর্ত ওই। ইন্দিয়ান এডমিনিষ্ট্রেটিভ সর্বভিস, ইন্দিয়ান পুলিস সর্বভিস অমসু ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট সার্বভিসকী মতাংদা মনিপুরগা ত্রিপুরাগা অপুনবা কেদর লৈ।

গবর্ণর :

গবর্ণরনা লৈবাক রাষ্ট্রপতিনা মাংলাক ওই। অসাম, নাগাল্যাণ্ড মেঘালয় অমসুং ত্রিপুরাগী গবর্ণরনা মনিপুরগীসু গবর্ণর ওই। স্টেটকী বিধান সভানা আইন শেম্বা ওইবা থিরমশিংগী মতাংদা গবর্ণরনা থোগাংবগী থবক চৈথে। মহাক্না বিধান সভাদা মরাং য়াম্না কাবা লৈবাক খুংপুগী লুচিংববু চিফ মিনিষ্টর ওইনা হাপই। চিফ মিনিষ্টরগী পাওতাক লৌরগা মহাক্না অতৈ মিনিষ্টরশিং হাপই। বিধান সভাদসু মহাকী মপাঙ্গল লৈ। মহাকী অয়াবা লৌতনা বিধান সভাগী অহানবা যেদে শেল থুমগী হিরমগী মরী লৈনবা বিলশিংগী মতাংদা যাংজেননা মহাক্নগী অয়াবা লৌই। বিধান সভাগী মাফম য়েংথোকপা, বিধান সভা মুংথৎপা মহাক্না ওমই।

মন্ত্রি মণ্ডল :—

বিধান সভাদা লৈরিবা মরাং য়াম্না কাবা লৈবাক খুংপুগী লুচিংববু চিফ মিনিষ্টর ওইনা হাপই। চিফ মিনিষ্টরগী পাওতাক লৌরগা অতৈ মন্ত্রিশিং হাপই। মন্ত্রিশিংগী থোয়াম অনিদা — অহানবা গবর্ণরদা থোয়াম অমগা অনিশুবনা আইন সভাদা থোয়াম্বনি। চিফ মিনিষ্টরনা রাজ্যগী থোদাগী মতাংদা লৌবা থারেপশিং অমসুং আইন শেম্বগী মতাংদা পুথৎকদবা ফিরমগী মতাংদা গবর্ণরদা খঙহন্নি। গবর্ণরনা খংহন্নিংলকপা থাক্লম খুদিংমক মহাক্না গবর্ণরদা খঙহল্লি। চিফ মিনিষ্টরনা মন্ত্রিগা মন্ত্রি অয়াম্বগা য়ানবদি মন্ত্রি অতৈ অমবু থাদোকপা ঙাই। মন্ত্রি অমগী মথক্তা থাজবা হনবগী রাকম পুথরুবা মহাকপু লৌথোকপা য়াদে।

আইন সভা :—

ষ্টেটকী বিধান সভাদা লৈরিবা মীকোক ৬০ গী মপুংদগী স্পীকর অমা অমসুং ডিপুতি স্পীকর অমা খল্লি। আইন সভাগী মগুন্সি অসি চহি মঙানি। অদুবু চহি মঙা শুদ্রি ওদা গবর্ণরনা সভা অসি মুৎথৎপা ঙমই। ষ্টেটতা শিন্নবা হিরম ৬৫ গী মতাংদা বিধান সভনা আইন শেম্বা ঙমই। হিরমশিং অসি লমগী থাজনা পুলিস, মহৈ-মশাং লৌউ-শিংউ, উমং হায়কোর্তন চিংবনি। মীহাৎ মীপুনগী আইন, লুহোংবা অমসুং খায়নবা ট্রেড ইউনিয়ন, শিম্মাগী য়াইকব- শেল-থুম অমসুং থুন্নাইগী থৌরাংনচিংবা হিরম ৪৭ কী মতাংদদি পর্লিয়ামেন্টনসু অতুপা বিধান সভানসু আইন শেম্বা ঙমই। হিরমশিং অসিগী মতাংদা বিধান সভানা শেম্বা আইনগা পার্লিয়ামেন্টনা শেম্বা আইনগা তৈনরবদি পার্লিয়ামেন্তনা শেম্বা আইননা নমহৎকনি।

রায়েন থৌরম :—

গৌহাটি হায়কোর্তনা মনিপুর, অসাম, নাগালেণ্ড, মেঘালয় অমসুং ত্রিপুরাগী অপুনবা হায়কোর্ত ওই। মনিপুরদা গৌহাটি হায়কোর্তকী ডিভিজন কোর্ত অমা লৈ। ইম্ফাল বেঞ্চদা জজ অমথক্তমক লৈ। বেঞ্চ অসিনা লুপা লিশিং ২০ তেন্দবা হুরান চিন্থিগী রাথোকশিংগী রাকৎ তাই। মীহাৎ মীপুনগী মতাংদা চহি তরেৎ ফাওবা ফাদোক তাবগী মতাংদা বাকৎ তাই। চিফ জষ্টিসনা হায়রকপা মতুং ইন্না মীথলগী রাথোকসু জজ অমত্তা লৈবা বেঞ্চ অসিনা রায়েনবা য়াই। চিফ জষ্টিসনা ডিভিজন বেঞ্চ অসি জজ অনি শুহনদুনা মতম মতমগী ওইবা রাথোক-শিংগী রায়েন চখহনবা ঙমই।

হায়েন থৌদাগী কয়াং খ'যব :—

মনিপুরব শেলকা (রেভিনিউ) লোথোক লৌশিনগী ওইনা ডিষ্টিক তরুকথোক্না থাযদোকই। মখা'যশিং অহুদি সেনত্রেল ডিষ্ট্রিক, ইষ্ট ডিষ্ট্রিক, ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক, নোর্থ ডিষ্ট্রিক অমসুং তেং-নৌপল ডিষ্ট্রিক্নি হায়রিবা ডিষ্ট্রিকশিং অসি ডিপুতি কমিসনার অমমমগী মখাদা লৈ অদুগা সব ডিভিজন ২৫ থোক্না অমুক থাযদোকই। মনিপুর সেনত্রেল ডিষ্ট্রীক্তা সবডিভিজন ৫ লৈ। ইম্ফাল ইষ্ট; ইম্ফল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং জিরিবাম সব ডিভিজনশিংনি। মনিপুর ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্তা সবডিভিজন মরি লৈ — তমেংলোং অহাং তমেংলোং, নোংচুপ তমেংলোং অমসুং লুংবানি। মনিপুর ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্তা লৈবা সবডিভিজনশিংদি মযাই উখ্রুল, অহাং উখ্রুল খা উখ্রুল, কামজোং (চছাদ) অমসুং ফুঙ্গের কৈসাদনি। মনিপুর নোর্থ ডিষ্ট্রীক্তা নোংপোক সদর হিলস, নোংচুপ সদর হিলস অমসুং মাও মরাম সবডিভিজন-শিং লৈ। সাউথ ডিষ্ট্রীক্তা লৈবা সব ডিভিজনশিংদি চুড়াচান্দপুর অহাং চুড়াচান্দপুর, সিংহাট, থানলোন অমসুং টিপাইমুখনি। তেংনৌপল ডিস্ত্রিক্তা তেংনৌপল, চান্দেল, চকপি—কারোং সবডি-ভিজনশিং লৈ। রেভিনিউ টেক্স অমসুং ননরেভিনিউ টেক্স অনিমক্কী মনিপুরগী শেলকা শাগৎলি।

অনৌবা সরকার :—

মনিপুরনা ষ্টেট ওইবগা লোয়ননা মার্চ ১৯৭২ দা ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখল পাংথোকই। মীখল অসিদা লৈত্তাক থুংপু-শিংগী মীরেপ কারকপগী চাংদি মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি

(আর) মীরেপ ৬০ গী মনুংদা ১৭, মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (ও) ১০ গী মনুংদা ১; সি পি আই (আর) গী ২৫ গী মনুংদা ৫: সোসিয়েলিষ্ট পার্তিনা ১৬ কী মনুংদ ৩: এন পী, পীগী ৪২ গী মনুংদা ১৫, ইউনাইতেদ নাগা ইন্তিগ্রেসন কাউন্সিলগী ৫ গী মনুংদা ৩; ইন্দিপেন্দেন্ত (লন্নাই মীরেপ) ৯৭ গী মনুংদা ৬ কাই। সি পি আই (এম), জন সঙ্ঘ, এস এস পী অমসুং এম, এন ওনা মথংশিংনা মীরেপ ৫, ১, ১ অমসুং ২ থাগৎলি, অমত্তা কাদে।

কংগ্রেস (আর) অমসুং এম পী পী অনিমক্তা মখোয় মখোযনা লুচিংবা মন্ত্রি মণ্ডল শেমবা তাংনবগী মমৈথংদা এম পী পীনা মায় পাকই। এম পী পী সোসিয়লিষ্ট পার্তি, ইউনাইতেদ নাগা ইন্তিগ্রেসন কাউন্সিল, কংগ্রেস (ও) অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ত এম এল এ ১১ না চুমশিন্নবগী ইউনাইতেদ লেজিস্লেচর পার্তি শেনই। মহম্মদ আলিমউদ্দিনবু পার্তি অসিগী লুচিংবা ওইনা খনি। মার্চ ২০, ১৯৭২দা মহাক্তা চিফ মিনিষ্টর ওই মহাক মশা থাবগী মন্ত্রি মণ্ডল লৈবা ইউ, এম পী মিনিষ্টর শেমই। মতুংদা মনত্রি মণ্ডল চাওথোকপগী লোয়নন। কেবিনেত ৫, ষ্টেট মিনিষ্টর ৪ ডিপুটি মিনিষ্টর ৩ পুন্না মনত্রি ১২ লৈ। মার্চ ২৩, ১৯৭২ দা বিধান সভাগী অহানবা মীফম ফমই। কৈশাংথেম চন্দ্রমণি অমসুং তোম্বা ভাইরাংবমচাবু মথংশিংনা স্পীকর অমসুং ডিপুতি স্পীকর ওইনা খল্লি। এচ, পী, হেনরাবু হিল এরিয়াজ কমিতিগী চিয়ারমেন ওইনা খল্লি।

মনিপুরগী বিধান সভানা বিল কয়ামুক পাস তৌবগী মনুংদা দি মনিপুর সেকেণ্ডরী ইডুকেসন বিল, ১৯৭২, দি গোবিন্দজী টেম্পল বিল, ১৯৭২ মক্ক ওই।

মরনাই শিনজিবা ফিদমশংশি :—

মনিপুরগী মরনাই শিনজবা ফিদমশংশিংনা লমদম লমদম অতুদা ইরম খোংলম, ফহনবা ঈশিং ফংহনবনচিংবা থবকশিং পায়থংলি থবকশিং অসি ফিদমশংশিংদসিদা শিন্নবগী মরমদি পাঙ্গল থায়দোক্লবগী পান্দম ফংননবনি। ফিদমশংশিং অসি মনিপুরগী বিধান সভানা শেম্বনি ষ্টেট, সরকারগী মখাথংবা থেংনাবোই ওইনা থবক পাংথোকই।

মরনাই শিনজবা ফিদমশংশিং অসি মথম অনিথোক্না খায়দোকপা য়াই। অমনা সহরগী লমদা লিংবা ফিদমশংশিংনি অদুগা অতোপ্পা অমনা খুঙ্গংগী ফিদমশংশিংনি। সহরগী লমশিং-দা ম্যুনিসিপালিতি অমসুং নোতিফাইদ এরিয়াগী টাউন কমিতি-না থবক পাংথোকই। ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতিনা মনিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ম্যুনিসিপালিতিনি। খুঙ্গংগা লমদা নোতিফাইদ তৌবা লমশিং অমসুং স্মোল টাউন কমিতি ২০ নৈ। মখোয়-শিং অদুদি নম্বোল, বিষ্ণুপুর, ওইনাম, লমলাই, য়াইরিপোক য়াংঙ্গিং, জিরিবাম, ককচিং, খোঙ্গাল মোইরাং তম্মেংলোং, উখ্রুল চুড়াচান্দপুর, মাও, কুম্বি, নিংথোখোং, শুগনু, কাংপোকপি, সেকমাইনচিংবনি।

খুঙ্গংগী ফিদমশংশিংদি গ্রাম পঞ্চায়েট নত্রগা গ্রাম সভা পঞ্চায়েট কমিতি, জিলা পরিষদ, তম্পাককী সার্কলশিংদা ন্যায় পঞ্চায়েট, চীংদা ভিলেজ ওথোরিতি অমসুং ডিষ্ট্রীক কাউন্সিল

ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতিঃ—

ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতি বোর্ড অসি ইহান হানবা ওইনা অসাম ম্যুনিসিপল এক্ত, ১৯১৩ গী মখাদা মনিপুরদা ১৯৫৬ তা লিংই। মসিগী মমাংদা মনিপুরদা ম্যুনিসিপালিতি বোর্ড লৈরমদে। বৃটীশ রিজর্বকী লমশিংদা ম্যুনিসিপালিতিগী থবক থোরম চথবা য়ানবা পোলিতিকেল এজেন্তগা মহাক্না হাপ্পা মীওই মঙা অমগনা শাবা কমিতি অমা বৃটিশকী মতমদা লৈরম্মী। কমিতি অসিগী শেনপুন শাগৎনবা ষ্টেটকা বজেত্তা লুপা ৫,৫৬০ খায়দোক্লুনা থমইঅতুগা বৃটিশ রিজর্বতা লেরিবা মীওইশিংদগী টেক্স খোমগৎলি। হায়রিবা কমিতি অসিনা বৃটিশ রিজর্বনা কোম্নিবা লমদগী হেন্দোক্লা থবক চংথৈ। হায়রিবা থবক অসিথা চাদিং ষ্টেটনা পুই। কমিতি অসি মতুংদা টাউন ফণ্ড হায়না খংই। মনিপুরনা ভারত্তা পুল্লবা মতুংদা মনিপুরগী চিফ সেক্রেটরীনা কমিতি অসিগা এক্স ওফিসিও চিয়ারমেন ওই। ১৯৫৬ তা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতি লিংখৎপগা লোয়ননা টাউন ফণ্ড মুৎথৎলি।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতি লিংখৎপা মতমদা ম্যুনিসিপালিতি অসিনা কোনবা লমদি শুপনগী বর্গ মাইল ১ ২০ থক্লমনি। ১৯৫৯—৬০ দা বর্গ মাইল ৬.৭৫ গী লম কোম্শিল্লি। ১৯৬১ গী মীকোক থীবগী মতুংইন্না সহরদা লৈবা মীগী মশীং অসি ৬৭,৭১৭ নি। অদুগা ইমফাল সহর অসি অনিশুবা

থাকখী সহর অমা ওই। ১৯৭১ গী মীকোক থীবগী মতুংইন্না মীশিং অসি ১০০, ৬০৫ দা ছায়রগংলি। লৈরিবা মীশিংগী চাং অসিনা ইম্ফাল সহরবু সিতি অমগী থক্ত কাখৎহল্লি।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতি বোডকী মীকোক মশীং ২৮ মি ২৬ না ৱার্ড ২৬ তগী মীখলদা থনবনি অহুগা ২ না অহাপ্পনি। মেম্বরশিংনা চিয়ারমেন অমা অহুগা ভাইস চিয়ারমেন অমা খল্লি।

ম্যুনিসিপালিতি বোর্ড অসিনা ইমফাল ম্যুনিসিপালিতিগী মহুংদা লৈরিবা লমশিংগী চাওখৎনবা থবক পায়খৎলি। লম্বী খোং,পাক শেন্বা, লৈকোল, শান্নবুং, কৈথেল, দুকান য়েংশিনবা ইরম খোংলম ফহনবনচিংবা থবকশিং পায়খংলি। ম্যুনিসিপাল টেক্স অমসুং খাজনা, অতৈ মখুনশিংদগী অমসুং খোইদোক হেন্দোকপা শেলকং অমসুং শিংশিনা ম্যুনিসিপালিতি আসগী শেনপুন শাগংলি।

পঞ্চায়েট: —

জানুয়ারী ১৩, ১৯৬০ দা মনিপুরদা ইউ, পী পঞ্চায়েটি রাজ এক্ত, ১৯৪৭ পুশিন্নকই। এ ক অসিগী মখাদ ইহান হানবা ওইনা জানুয়ারী ১৯৬৪গী পঞ্চা ব্লটকী মীখল পাংথোকই। হায়রিবা মীখল অসিদা গ্রাম পঞ্চায়েট ২২৭ কী মমক মেম্বর ২৮৪০ অমসুং প্রধান ২২৭ খল্লি। সরপঞ্চ ৪০ অমসুং সহায়ক সরপঞ্চ ৪০ থনবগী মীখলসু পাংথোকই। ১৯৬৪ গী সেপ্তেম্বর ১দা গ্রাম পঞ্চায়েটশিংনা থবক পায়বা হৌই। ১৯৭০—৭১ দা গ্রাম পঞ্চায়েট ২২৪ অমসুং ন্যায় পঞ্চায়েট ৪৪ গী মীখল অনিরকথোক্না পংথোকই।

ইউ পীদগী পুখিল্লকপা এক অসিগী মথাদা মনিপুর দা পঞ্চায়েটকী মওং অসি মথোল অমতমক লৈ। গ্রাম পনচায়েট হায়বাসনা লোইরে। খুঙ্গংগী অমসুং ব্লোককী থাক্তা পনচায়েটি রাজ লৈহন্দুনা মথোল অনিশুবা কয়াং অমা থম্নবগী মরী লৈনবা আইন লেপ্নরা ১৯৬৯ দা হোংনৈ অদুবু মতু থবক্তা ওৎহোকখিদে। অদুগা মথোল অনিশুবা কয়াংকী পনচায়েটি রাজ অসিগী মতাংদা ইউ, এল, পী সরকারনা ১৯৭৩ দা বিল অমা ষ্টেট এসেমব্লীদা পুথোকই। হায়রিবা বিল অসি সেলেক্ত কমিতিদা পীথখিবগা লোয়নবা সরকার কায়খিবদগী অদুম পাস তৌরনা তোকখি।

১৯৭৫ দা মনিপুর পনচায়েটি রাজ, ১৯৭৫ পাস তৌই। এক অসিগী মথাদা পনচায়েটকী মওং অসি মথোল অদুম ওই। মখোয়শিং অদুদি গ্রাম সভা নত্রগা গ্রাম পনচায়েট, পনচায়েট সমিতি অমসুং জিলা পরিষদনি। নায় পনচায়েটপু বায়েনবা থবক পাংথোক্লবা মশা অমা ওইনা থমই। এসি অসি ম্যুনিসিপালিটী লমশিং টাউন কমিতি অমদি নোতিফাইদ এরিয়া লমশিং অমসুং লাম্নী লৈবা মকমশিং নত্তনা মনিপুরগা মক্কম খুদিংমক্ত চংলৈ।

গ্রাম সভাগী থোপাংবা লুপ্ন গ্রাম পঞ্চায়েট হায়না খংই। পঞ্চায়েট অসিদা প্রধান য়াওনা মীকোক মশাং ১৩ দগী হেন্দে পনচায়েট অসিনা প্রাইমারী স্কুলগী ওজাশিং জিলাদারশিং, ফোরেষ্ট গার্দনচিংবগী শাক্তং ফত্তবগী মতাংদা খিজিনবা অনসুং মখোয়গী মথক্তা রিপোর্ত পিথৎপা য়াই। খুঙ্গংদা তৌগদবা পনচায়েটকী থবকশিংদি লমী, ওহা; পুম্নি তৌবা, শেমজিনবা

ফমনা থম্‌. অওাংশিংগী য়াইফনবা য়েংশিনবা অমসুং লৌই শিংউ-পগী থবক চাওখৎহনবনি। অদুগা উ থাবা, চেংথাংবা কোক্লবা ঙ‌েংবাংবগী থবক পায়খৎপা, কাংলুপ মপেল চায়না হিংমিন্নবগী মতাংদসু পনচায়েটনা থবক পায়খৎপা য়াই।

ব্লোক থুদিংদা পনচায়েট সমিতি অমমম লৈগনি। ব্লোক অদুগী মনুংদা লৈবা প্রধানশিং. এম,এল এশিং পুল্লগা সমিতি অসি শেমই। এম এল এশিংদি ভোট পীবা য়াদে অদুগা মখোয়বু প্রমুখ নত্রগা উপ প্রমুখ ওইনা খনবসু য়াদে। গ্রাম পনচা-য়েটনা পাংথোক্লিবা থবকশিং অদু ব্লোককী লম অদুগী মনুংদা পনচায়েট সমিতিনা পায়।

জিলা পরিষদকী মীকে কশিংদি ডিষ্ট্রিক অমগী মনুংদা লৈরিবা পনচায়েট সমিতিশিংগী প্রমুখশিং, ডিষ্ট্রিক অদুগী মনুংচল্লা কাবা পার্লিয়ামেন্তগী মেম্বরশিং, এম, এল, এশিং রেজিষ্ট্রারা কোওপরেটিভনা হাপ্পা ডিষ্ট্রিক অদুগী মনুংদ লৈবা কে ওপরেটিভ বেঙ্কগী প্রেসিদেন্ত, ডিষ্ট্রীক কাওপরেটিভ ইউনিয়নগী মীহুৎ অমা য়াওগনি জিলা পরিষদ থুদিংমক্তা প্রেসিদেন্ত অমা, ভাইস প্রেসিদেন্ত অম অমসুং চিফ ইকজিকুটিভ ওফিসার অমা লৈগনি। জিলা পরিষদনা পনচায়েট সমিতিশী থবক য়েংশিনগনি, মখোয়-গী বজেত্তা অয়াবা পাগনি।

গ্রাম সভা থর পুনর্বিন্নগ্ন সর্কল অমা শেগনি সার্কল থুদিংদা মেম্বর ৫দগী ১৫দনা লৈবা ন্যায় পনচায়েট অমমম লৈগনি। পনচায়েট অসিদা সরপঞ্চ অমা উপ সরপঞ্চ অমা লৈগনি। অতে মীকোকশিংবু পঞ্চ হায়না খংনগনি। পনচায়েটকী

ডাইরেক্টরনা অককুবা মত্তাং অমদা পঞ্চ অমবু লোৎথোকপা ওমই। ন্যায় পনচায়েটনা হুরান চিংখি অমসুং মীহাৎ মীপুনগী মত্তাংদা লুপা চামতাদগী হেন্দবা মরাল লৈবশিংগী রাথোক রায়েন্নি।

ভিলেজ ওথোরিতিঃ—

চীংগী লমদা ভিলেজ ওথোরিতিনা থুন্নগী রায়েনবগী থবক পায়। মনিপুর (ভিলেজ ওথোরিতি ইন হিল এরিয়াজ) এক্ট, ১৯৫৬ কী মথাদা থাজনা থীবা য়ুম কুন নত্রগা কুন্দগী হেন্না লৈবা খুলশিংদা ভিলেজ ওথোরিতি অমমম লৈ। খুল অহুদা লৈরিবা য়ুমগী মশীং মতুং ইন্না মেম্বরগী মশীং ককই। য়ুম হুমফুগী মথাদা লৈবা কুন্দগীদি হেনবা ওইরবদি মেম্বর মঙা লৈ। হুমফুদগীদি হেনবা অত্তগা চাংদি শুদবা খুলশিংদা মেম্বর তরেৎ লৈ। চামদগীদি হেনবা চাম্ম য়াথোদি যৌদবন মেম্বর মশীং ওন্না অত্তগা য়ুম চাম্ম য়াথদগী হেন্না লৈবগীনা মেম্বর মশীং ওবানিথোই লৈ। মেম্বরশিং অসি চহি অহুমগীদমক্তা হংগই খুল অহুদা লৈরিবা মীশিংনা পাঙ্গংদি ভিলেজ ওথোরিতিগী মেম্বরশিং অসি মখলদা খনবা য়াই।

লুচিংবা (চিফ) নত্রগা খুল্লাকপনা মহাক লৈরিবা খুল অত্তগী ভিলেজ ওথোরিতিগী এক্স ওফিসিও চিয়ারমেন ওই। লুচিংবা নত্রগা খুল্লাকপা লৈতবা খুলদা মেম্বরশিংনা মথোয মশেলগী মরক্তগী চিয়ারমেন খল্লি। ভিলেজ ওথোরিতিদা হুরান চিংখি অমসুং মীহাৎ মীপুনগী থবক য়েংশিনবা অককুবা পাঙ্গল পী। মীহাৎ মীপুনগী মত্তাংদা ওথোরিতি অসিদা সবডিভিজনেল ওফিসারদা অহুগা হুরান চিংখিগী মত্তাংদনা ডিষ্ট্রীক জজদা থাকৎলি। ওথোরিতি অসিনা লুপা ২০০ দগী হেনদা রাকোং—

হুনবা নত্রগা থা অমদগী হেননা কাদোক পীবা ঙমদে। এই অসিনা অচুম্বা রায়েল কংহুননবগী হিরমদা ভিলেজ ওথোকিতিদা পাঙ্গল পী। থুঙ্গংগী অতে হিরমশিং হায়বদি রায়েন থোঁদা অমদি অশিন অরাংগী পবক্রা পাঙ্গল পীদে

ওতোনোমস ডিস্ট্রিক কাউন্সিল :—

মনিপুর (হিল এরিয়াজ) ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল এক্ট ১৯৭১গী মথাদা মনিপুরগী চীং নাশিংদা ওতোনোমস ডিষ্ট্রীক কাউন্সিল লিংই। ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল তরুক লৈ। মখোয়শিং অদু দথা মনিপুর ওতোনোমস ডিষ্ট্রিক কউন্সিল, নোংচুপ মনিপুর ওতোনোমস ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল, অমবাং মনিপুর ওতোনোমস ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল, নোংপোক মনিপুর ওতোনোমস ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল, তেংনৌপাল ওতোনোমস ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল অমসুং সদর হিলস ওতোনোমস ডিষ্ট্রীক কাউন্সিলনি।

ওতোনোমস ডিষ্ট্রীক কাউন্সিল খুদিংমক্তা মীখলনা খনবা মেম্বর ১৮ অমসুং সরকারগা ফম্নাইদবা অতাপ্পা মেম্বর ২দগা হেন্দনা লৈ। কাউন্সিলগা মেম্বরশিং অসি চহি মঙাগীদমক্তা খনি। ডিষ্ট্রীক কাউন্সিলবু পাউকাক পানবা তোপ-তেপ্পা কমিতি অমা হিল এরিয়াজ কমিতি হায়না লৈ। কাউন্সিলগী মিংদা পোৎ-চৈ লেপশিনবা নত্রগা য়োম্বোকপা য়াই অদুগা কোর্ত্তা রাকৎপা য়াই। কাউন্সিল অসিগা চিয়ারমেন অমা অমসুং ভাইস চিয়ারমেন অমা লৈ।

ডিষ্ট্রিক কাউন্সিলনা কোনশিল্লিবা লমগী পাক চাউবা অসি গবর্ণরনা লেপ্পা মতুং ইননা চাওথোকহনবা নত্রগা থিপকশিনহনবা

হাই তনি নত্রগা তনিদগী হেনবা ওতোনোমস ডিষ্ট্রিক্টশিং পুনশিন্নগা ওতোনোমস ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল অমথক্তা ওইনা শেম্বা য়াই। অসিগুম্বা মতাংদা হিল এরিয়াজ কমিতি তানগনি।

ওতোনোমস ডিষ্ট্রিক কাউন্সিলগী মেম্বরশিং অসি তলব ফংদে: কাউন্সিল ফম্বা যাওবা মুমিৎ থুদিংগী ওইনা নোংমদা লুপা ১৫ ফংই। অহানবা মথলগী কন্নাইবশিংনা চংথোক চ শিনগী মতাংদা ফংনবা শেনফম অতু মেম্বরশিং অসিনা ফংই। চিয়ার-মেনগী থা অমগী তলব লুপা ৬০০নি। লৈননবা য়ুমগী অরৈমন ওইনা লুপা ১০০ অমম্ভ ফংই।

ডিষ্ট্রিক কাউন্সিল অমগী মথৌ য়াম্না পাক চাওই।

১। গবর্ণরনা কাউন্সিলদা শিননরক্কবা ফিদমশংশিং অমম্তুং লেংবা য়াবা অমদি লেংবা য়াদবা লন-থুম নিংথৌনা থম্বা অমম্তুং মখোয়শিং অতুগী অশিন অরাং তৌবা।

২। লম্বা, থোং, থোংনচিংবা শেম্বা, শাবা নিংথৌনা থম্বা।

৩। প্রাইমারী স্কুল, দিসপেনসরী, কৈথেল লিংখৎপা অমম্তুং মেলা পাংথোকপা হায়রিবা থবকশিং অসিগী অসীন অরাং তৌবা অমম্তুং ফনা লৈহননবা হোংনবা।

৪। ইক্কজনবা থোং থাক্কবা অমম্তুং থক্কবা ঈশিং অমদি লোউ-শিংউদা চংবা ঈশিং ফংহনবা।

৫। হকচাং ফনা অমম্তুং লু-হেম্না লৈনবা হোংনবা।

৬। শা-যগ মশা ফনা লৈনবা অমম্তুং লৈহাও মাংদনবা হোংনবা।

৭। হিরানফমগী 'অশিন অরাং তৌবা'।

৮। অরা অনা থোরকপদা তেংবাংবগী থবক।

৯ ঝুম্মিংগী লৌ-মউ চাওখৎহনবগা লোইননা উমংয়োকপা অমসুং মীয়ামগী থবক্তা শিজিন্ননবা লম পীবগী থবক।

১০। গবর্ণরনা কাউন্সিলদ শিন্নরকপ অতৈ হিরমশিং।

১১। চংগী নিংথৌ হংসুক হাপচিন, লাথুন কংহৌবা, লুংহাংবা থাইনবা অমসুং খুল্লাইগী চংনাপানশিংগী মতাংদা অমাই। শেম্নবা মনিপুর সরকারদা মরা লৈনবা য়াকমশিং থাঙ্গংপা।

ডিস্ত্রিক কাউন্সিলনা শেল লাককমদি (অ) টৈগ্স (আ) ফী অমসুং কাউন্সিলদ শিননরকপা লন থুনশিংনি। লাবন, গাড়ী চংলকপদা, পোৎশিংগী মথক্তা অমসুং তেংগান তোংগানবা থবকশিংদ, মখল কয়াগী থাজনা লৌখংপা য়াই। স্কুল ডিস্পেনসরী অমসুং লম্বী শেম্বদগীসু থাজনা লৌখংপা য়াই স্কুলনচিংবা কাউন্সিলন পায়না থবকশিংদগী করকপা ফী অমসুং কাউন্সিলদা শিননবা লন নত্রগা পোং চৈশিংদগী লাকপা শেনফমদু ডিস্ত্রিক কাউন্সিলগী মক ওইবা চপানি। কাউন্সিলনা চহী খুদিংগী ওইনা চাগা চাদিংগী মরোল উৎপা চেয়োল অমা মনিপুরগী গবর্ণরদা থাগৎলি।

ডিস্ত্রিক কাউন্সিলগী চিয়রমেননা মিটিং খুদিংদা তাবা য়ারেপশিং অদু ডিপুতি কমিসনারদা থাগৎলি। ডিপুতি কমিসনারনা মদু মশাং তম্বগী হিরমদা কাউন্সিলদ পাউতাক পী। কাউন্সিলনা মপাঙ্গল হেননা শিজিননরকপা মতমদা মহাক্ত কাউন্সিলগী য়ারেপ অদু চংনহল্লো; তোরিব নত্রা তোগদোরিবা থবক অদু লেপহনগনি। চুমিং ১৫ নিগী মতুংদা কাউন্সিলনা নৈনারিবা য়াকম অদু শাংদোকপ য়াই, অমসুং গবর্ণরদা অইবা মরোল ওইনা য়াকম অদু থংহনবা য়াই। ডিস্ট্রিক কাউন্সিল অমনা মখৌ পাংথোকপা ওমত্রবদি নত্রগা মশাগী পাঙ্গল হেননা

শিঙ্জিননরবদি গবর্ণরনা চহি অমগী ওইনা ডিস্ট্রীক কাঁউন্সিল অহু মুৎথৎপা য়াই হৌরিঙ্গুম্বা মতাংদা সরুক য়ংগী কয়াংবা অমনা কাউন্সিলগী মতুং শিননা থবক পুন্সিনক পাংথোক্লনি।

ভিলেজ ওথোরিতিগী লৈনবা মরী :—

মনিপুর (ভিলেজ ওথোরিতিজ ইন হিল এরিয়াজ) এক্ট, ১৯৫৬ কী মখাদা চাংদা ভিলেজ ওথোরিতি ৩৬৪ লৈ। ওথোরিতিশিং অসি ডিস্ট্রিক কাউন্সিলগী মখাদা লৈ। ডিস্ট্রিক কাউন্সিলনা রায়েনবগী থবক্তা মরী লৈনদবা করিগুম্বা হিরম অমগী মতাংদা পাও লৌবা য়াই। শেলগী চাগা অমসুং চাদিংগী মরোল কৌথংপা য়াই। কাউন্সিলনা শেল থাদরগা ভিলেজ ওথোরিতিবু মথোয়না তৌনিংড্রগা তোকথোকপা য়াবা থবকশিং পাংথোকহনবা য়াই। পঞ্চায়েট শিংবা থুনং অমসুং ডিস্ট্রিক কাউন্সিলনা হায়রিবা থবক অসি পাংথোকহনবা ঙমই। রায়েনবগী হিরমগা মরী লৈনবা থবকশিংদি ডিস্ট্রিক কাউন্সিলনা ভিলেজ ওথোরিতিদা করিগুম্বা লমজীং অমত্তা পীবা ঙমদে।

—:(0):—

লোইরবা

